
সার্কাস
শোণী

# সার্কাস

(ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা)

শোণী (থোকচোম মণিহার)

অফোঙবী : **ৱাহেংবম সখি দেবী**
অশাংবা কমিউনিকেসন
ৱাংখৈ অশাংবম লৈকাই, ইম্ফাল - ৭৯৫০০১
মণিপুর, ইন্দিয়া
জুলাই ২০১২, ইম্ফাল, মণিপুর

মমল : লুপা ১২০ (চাম কুন)
লুপা ১৫০ (চাম য়াঙ্খৈ) লাইব্রেরিগীদমক

**CIRCUS**

Collection of Manipuri Short Story)

*By : **Sonney** (Thokchom Manihar)*

Published by : **Wahengbam Shakhi Devi**
Ashangba Communication,
Wangkhei Ashangbam Leikai,
Imphal - 795001, Manipur, India
e-mail : acnetrajit@yahoo.com

© **Sonney** (Thokchom Manihar)
2536 Chateanguay, Montreal
H3K 1L1 Quebaec, Canada
e-mail : leichinsinha@yahoo.com
liktiki@hotmail.com
July 2012, Imphal Manipur.

Cover : **Makhonmani Mongshaba**

Price : Rs. 120 (one hundred twenty)
Rs. 150 (one hundred fifty for Library edition)

**ISBN : 978-81-921569-8-9**

DTP and Printed at Lamyanba Printers, Konung Lampak, Imphal - 795001 (Manipur), India

Scanned with CamScanner

# শোণীগী ৱারীমচাশিংগা হকথেংনরুবা

পুন্সি-খোঙচৎনা চৎলি ঘড়িগী খুৎশাগুম্না লেপ্পা নাইদনা পূংজা অমদগী অমদা, অসুম অসুম ঈমায় চোল্লবা তুরেলগী লিকলমদা তাউথরি পুন্সিগী হিনা হিদেন অমদগী অমদা, লেপ্পা লৈতনা। হন্না য়েংলুবদা তুংওইনরমল্লে পুন্সিগী ময়েক কয়া, হুন্দোকলল্লে তোবর্বান কয়া। খুৎ হাইরি মীওইবনা, পাম্বোম অনি থাংগৎতুনা লাউরি-চৎলে, বিদায়, অমুক উন্নখিসিকো। অদুবু লেপ্পা ঙমলুদে, মশক উদবা খুৎ অমনা মাংদা পুরি। কদায়দা লেপলুগদবা, কনাবু উন্নরুগদবা, করিবু থেংনরুগদবা, কনানসু হায়বা ঙমদে। চৎখ্রবা মতমতদা খঙলকই- ঙসিদি তামহৌরে থৌদোক কয়া, মরুপ-মপাং কয়া, নুংশিবা কয়া, লমদম কয়া। পূন্নমক লৈচিলগুম্না মশেন-মরাং ওইনা লৈহৌরে। নীংশিংবা নত্তনা উপায় লৈতনা লেপহৌরে। নীংশিংলুরগা নোকনিংই, কপনিংই, মীপাইবা পোকই। অরোইবা খোঙচৎ নকশিল্লক্লবদা, ঐনা মরুপ ওইনা লোইনরক্লিবা হকচাং-হিরেনদগী কুমথবগী তাঞ্জা লাক্লবদা, অরোইবা ওইনা লাপ্পা অমুক্তংদি কৌনিংই - মরুপশা, থাগৎচরি, ঐনা ফংবদগী নখোয়না পীখিবনা হেন্না মপাল নাইদে। মরুপশা, অরোইবা ওইনা তৌবিমল খংবা উৎচরি নখোয় খুদিংমক্তা। মসি নত্তনা পীরমনিংঙায় লৈতে ঐগী করিসু। মরুপশা, বিদায়, বিদায়।

ৱাখলশিং অসি শৈরেংগুম্না লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীমচাশিং অসি পারুবদা থম্মোয়দা ফাওরকই, নীংশিংবগী ঈথক-ঈপোমনা হন্না হন্না ৱাখলগী তোর্ববান্দা য়ৈরকই। লাইরিক অসি ইরিবা শোণী (থোকচোম মণিহার) মণিপুরী সাহিত্যদা লমকোয় ৱারী ইবা অমা ওইনা শক খঙনরবা মীশকনি। মমাঙদা ফোঙখ্রবা মহাক্কী লমকোয় ৱারীগী লাইরিকশিংনা অপাবশিংগী পুক্লিং তপথহন্দে, মহাক্লা চৎলুবা লমশিংবু য়েংনিংহল্লি, মহাক্লা থেংনরুবা মীশকশিংবু উনিংহল্লি, মখোয়গা লেঙ্গোন্নদুনা পুন্সিগী অৱা-নুংঙায় কয়াগী ৱারী শানিংহল্লি। লমকোয় ৱারী ইবা অমা ওইনা মসিনা শোনীগী তোপ-তোপ্পা মগুননি। মহাক্কী লমকোয় ৱারীশিংদি কল্পনাদা শাগৎপা নত্তে, হকথেংননা, অপান্নদা থেংনরুবা থৌদোক অমসুং মীশকশিংদা য়ুমফম ওইদুনা শাগৎপনি। মসিনা অইবগী ফোং-ফোং শাবা থম্মোয়গী ঈনিল অমা অপাবশিংদা ফাওহনবা ঙমই। মসিগী গুণ-অসিমক মহাক্কী ৱারীমচাশিং অসিদসু নিংথিনা মমি তারি। মসিনা ৱারীমচাশিং অসি তরাইনা হুন্দোকপা চুমলোই। শোণীবু চপ চানা মশক খঙগে হায়রবদি ৱারীমচাশিং অসিগী লৈনা খুদিংমক মনম নমলুবা চঙই, মশক খঙনা থিরুবা চঙই। মসিগী পরেং খুদিংমক শোণীবু মশক

Scanned with CamScanner

খঙননবগী মীহুৎথোংনি হায়না লৌবা য়াই। শোণীগী পুন্সিদি কল্পনাদা শাগৎপা নত্তে, লু-তোংগী অহিংবা থৱায়নি, শিংলি খুদিংমক্তা মসিগী ঈচেল উরি, মনম ফাওরি, মীহুল হুল্লি। মসিগী মিৎয়েং অসিগা লোয়ননা অইববু মশক খঙবা চঙই, ৱারী মচাগী লাইরিক অসিসু নৈনরুবা তাই।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা চরিত্রশিং—ওজা ফিরদৌসী, জোকর, সেলিম, লবঙ্গ, ইনেহন, মারিয়া, নেটিভ নুপীমচা, মধুমতি, মহম্মদ ইউসুফ খান, দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিক, হাজি আলমগীর অলিগী মচানুপী, কুতুবুদ্দিন, কাকা জীতেন, বাবুচান্দ কবিরাজ মংলেম্বী পূন্নমক অপীকপা কনভাসতা মচু শংলবসু ৱারীমচাশিং অসিগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা মীশক ঙাক্তনি। নিউজ রিভিয়ুদা তৌবগুম্না ঙাইহাক ঙাইহাক থোকলম্লবসু অইবগী নীংশিং-খোঙচৎতা কয়াদা চাওবা মফম কল্লম্লিবা। চরিত্রশিং অসিনা অইবগী পুন্সিগী চেবাংদা ময়েক লানা তাররি। মসিগী লৈনাশিংনা শাগৎলি অইবগী ফুগায়না লৈশাৎ তম্লবা পুন্সিগী লৈরাং চরোং। ৱারীমচাশিং অসি পারুবদা ঐঙোন্দা নীংশিংলকই বাংলাগী অইবা শরতচন্দ্র, মহাক্কী মমিং লৈরবা লাইরিক 'শ্রীকান্ত' মদুদা য়াওরিবা চরিত্র খর - ইন্দ্রনাথ, ঈচে অন্নদা! নৎত্রগা ফ্রান্সকী অইবা ভীক্তোর হুগোগী উপন্যাস লা 'মীজরেবল'গী কাওঙমদ্রবা চরিত্র কয়া! পূন্নমক অসি চাংদম্নরুবা নত্তে, পুন্সি খোঙচৎতা লাপ্না তুংওইনরম্লবা থৌদোক কয়া, চরিত্র কয়াগী মশক অমা নীংশিং লম্বীদা লাম্মৈ থানবীগুম্না কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লবগুম মখোয়গী লাইরিক্কী চেনাশিংদা অপাবশিংগী মীৎমাংদা থম্লিবা অইবশিংবু নীংশিংলকপনি। কাওরুরবা থৌদোক কয়া শোণীগী ৱারীমচাশিংনা অপাবশিংদা নীংশিংহল্লে।

ৱারীমচাশিং অসিদা শোণীনা হৌখ্রবা পুন্সিগী চেনা কয়া ফাক্তোক্তুনা অপাবশিংগী মাঙদা থম্লি ; মীশক কয়া, থৌদোক কয়া তপ্না তপ্না নীংশিংবগী তুরিনা মচু শংলক্লি। তামখ্রবা পুন্সিগী ময়েকশিং অদু নীংশিংলুরগা ৱাখলগী চৈনাদি কোকপা ঙমখিদে, সেন্টিমেনটেল ওইহল্লি। অদুবু হৌজিক্তী করি তৌরুগনি? ষ্টেসন য়ৌরক্লবা গাড়ীনা খাম্বা মিকুপতা পোৎলুম পূন্নমক নম্বো পোরদুনা কুমথবা নত্তনা করি উপায় লৈরিবগে? কন্না মোমোন মীনোক্লা থল্লবা মায়থোংগা লোয়ননা চোকথরবা লম্বী চৎপবু হরাওনা ওকপিরমগদগে?

"হৌজিক পুন্সি মতোল লোমলে, কেমলে, কেনগদৌত-মঙায়রে। লমজা ঐনা কেনখ্রবদা ঐবু নীংশিংবীনবা মী থোরক্কনি থাজদ্রে। ঐবুদি ময়াম্না কাউথোকপীখিবা কুইরবনি। অকেলা ওইরবা ঐগী হৌজিক্কি ষ্টেজ অসি ট্রেজিক দ্রামাদা কুম্বা হিরোগী অরোইবা সীননি।"

অইবনা থম্মোয় খোন্না নুংশিনা, মশামক্কী পুন্সিবু নীংশিংজরগা, অপাবশিংদগী 'অরোইবা' বিদায় নীরকপনি। কপ্না কপ্না, অরোইবা ওইনা, পীরগদ্রা অরোইবা বিদায়, ঐখোয়সু?

লোংজম জয়চন্দ্র
ইম্ফাল

জুলাই, ২০১২

Scanned with CamScanner

# অইবগী ৱাহৈ খরা

লাইরিক অসিদা মমাংঙৈদা ঋতু চেফোঙদা ফোঙখিবা ৱারী মচা অনী য়াওই। অনীসি ঐগী মরুপ আর. কে. বিদুরনা থি-হুমদুনা য়াম্না ৱানা পুথোকপীরকখি। অর্কাইভতা এ্যন্তিক ওইদুনা লৈরম্বনা খরা শেমদোক শেমজিন তৌজরে। অতৈ ৱারীমচাশিংদি ফোঙদ্রিঙৈ অখং অহৈশিংগা তানজখি, মরু ওইনা ওজা লোংজম জয়চন্দ্রনা গ্রীন সিগন্যল পীবিরকপদগী লাইরিকশি ফোঙবগী ইন্সপিরেশন ফংজখি। মতাংসিদা পন্দ্রবা য়াদ্রবা ৱাফম অমনা ইনাও এ.সি.নেত্রজিৎ না চহী অমা চঙনা মথং মথং ই-মেইলদা ঐনা থাখিবা ৱারীমচাশিংগী প্রিন্ট-আউট লৌথোক্লগা খোমজিদুনা থম্লম্মী ঐনা কেনাদাদগী থোরকপা মতমদা ফোঙসি হায়দুনা, ইনাওসিগী মফমদা শিংবা ঙম্লারোইদ্রবা লমন তোল্লে। লমন তোল্লে মরুপ আর. কে. বিদুরগী মফমদা। পাবীরিবাশিংনা মতমদুগী ৱারী থৌদোক শিং নীংশিংদুনা পাবীগনি।

অরোইবদা কেনাদাদা লৈবা পেবম শান্তিবালা, শ্রীহামোম প্রমুদ অমদি লৌরেম্বম নোমিতা নচিংবা পুকচেল চাউবী, পুকচেল চাউবা মীওইশিংসিনা ঐগী না-পু চাদবা মচু· চাদবা ৱাহৈ-ৱাতা চুমথোকপীদুনা ইতেং পাঙবীখি। মখোয় পুম্নমকসু থাগৎচরী।

ইম্ফাল, ১৪ জুলাই, ২০১২ শোণী

Scanned with CamScanner

# অফোঙবীগী ৱারোল

অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসিদা সাহিত্য হায়বসিসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। মরমসিনা ঐখোয়গী সাহিত্য অফবা মগুন লৈবা সাহিত্যগী মচাকশিংনা মরাং কায়হনবা তাই হায়নিংই। শকয়েং মিংশেলদা য়েংলগা ঐখোয়গী ইশক উবগুম ঐখোয়গী সাহিত্যগী মচাকশিং অসিদা খুন্নাই অমগী শক-চূ, পূন্সি মহিং কয়াগী মমি য়েকননবা হোৎনরক্লিবসি মীয়াম অসিনশু য়েংনিংগনি হায়না খনলি। মরম অসিনা ঐখোয়না পুথোক্লিবা সাহিত্যগী মচাকশিং অসি মথৌ লৈবা মচাকশিং ওইহনবা মথৌ তারকই।

অশাংবা কমিউনিকেসন, ইম্ফাল অসি ইনর্ফোমেসন, এড্যুকেসন, কমিউনিকেসন্দা য়ূম্ফম ওইরগা লৈথোনজখিবনি। লাইরিক ফোঙদোকপগী থৌদাংশিং খক্তা নত্তনা ওডিও, ভিদিওগী মতেংনা ডোক্যুমেন্টেসন তৌনবগী পান্দম কয়াশু থম্লি, তৌবশু তৌরক্লি। তোঙান তোঙানবা ডোক্যুমেন্টরি ফিল্ম খরশু পুথোকখ্রে লাইরিক খরশু ঙসিফাওবা লেপ্তুনা ফোঙদোকপগী থবক চংশিলক্লি। কমিউনিকেসন অসিনা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অসি লমদমশিগী লৈহাওদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মীয়াম অসিনা পূক্নিং লৈতানা পামিন্নবা, খঙমিন্নবা অমদি নৈনমীন্নবা হায়বশিনা লাইরিক অসিবু ফোঙদোক্লিবা কমিউনিকেসন অসিগী পান্দমনি।

মণিপুরী সাহিত্যদা শোণী হায়রগা খঙনরিবা থোকচোম মনিহার অনৌবা মীশক অমা ওইদ্রে। মহাক অমুক নৌহৌননা শক তাকলুদ্রবশু লমকোই ৱারী ইবা অমা ওইনা শকখঙনরি। মহাক শৈরেং ইবা কবি অমশুনি। মহাক্না মনিপুরী সাহিত্যদা খোঙদারকখিবদি শোণী শৈরেং ইবা অমা ওইনা থোরকখি। অদুবু কনানশু থোইনা খঙনখিদে। মরমদি চহী কুনথ্রা হেন্না ইবগী লমসিদগী লাপথোকখি অদুবু ডাইরিশিংদা মহাক্কী থেংনখীবা, নিংশিংলকখিবশিং ইশিনবদী লেপখিদে। মতুং তারকপদা মহাক্না লমকোই ৱারীশিং মথং মথং ফোঙলকখি। লমকোই ৱারী ইবা অমা ওইনা অদুমক শকখঙনখ্রে। মশিশু মহাক্কী তোপ তোপ্পা মগুন অমনি হায়নিংই। মহাক্কী মমাংদা ফোঙখ্রবা লমকোই ৱারীগী লাইরিক অরোইবা খোঙচৎ মনিপুর সরকারগী ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনা শিনবা ইম্ফাল বুক ফেয়ারদা ইং ২০০৬ কী ওইনা *বেষ্ট বুক ওফ দি ইয়ার*গী মনা ফংখি। অদুগা মহাক্কী অহানবা লমকোই ৱারীগী লাইরিক খোঙচৎ ধাকাদা অনিল কিযন সিংহনা বাংলা লোন্দা *পথ চলতে চলতে* হায়না হন্দোক্তুনা সহিত্যে প্রকাস, ধাকানা ইং ২০০৬ দা ফোঙদোকখ্রে। অসিগীশু মথক্তা *খোঙচৎ* হায়রিবা লাইরিক অসিমদি আসাম ইউনিভসিটিদা টেক্স বুক ওইনশু তমনখ্রে।

শোণী লমকোই ৱারী ইবা মীশক অমা ওইবখক্তা নত্তনা অইবা অসি ৱারী মচাশু ইরম্মী। লাইরিকশিদা য়াওরিবা *লা-সানী, লন্দনদগী ইরকপা* হায়রিবা ৱারী মচা অসিমক

Scanned with CamScanner

দ কলচরেল ফোরম মনিপুরনা ফোঙবা ঋতু চেফোঙদা হান্না ফোঙখ্রবা ৱারীমচানি। অসিদশু নত্তনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা ফোঙবা সাহিত্য অমদি বাংলাদেশতা ফোঙবা মনিপুরী সাহিত্য অমদি কলচরগী চেফোঙ *মৈরা, শায়োন* নচিংবা চেফোঙ শিংদা মহাক্না ইবা ৱারী মচাশিং ফোঙবা থেংনখ্রে। শোণী মহাক্কী লমকোই ৱারীশিংদা ময়ামগা ইমান মান্নদবা খুৎইশিং থেংনবদু মহাক্কী ৱারী মচাশিং অসিদশু অদুমক থেংনরি।

ৱারী মচাগী লাইরিক অসি অশাংবা কমিউনিকেসন-না ফোঙদোক্লবগী থৌদাং লৌরুবদি অইবা অসিগী তোপ তোপ্পা খুৎই, ষ্টাইল অমদি টেক্নিকশিং অসিনা ঙসিগী সাহিত্যবু নুংশিবীরিবা মীয়ামদা থোইনা হেন্না য়ৌহন্নিংলুবদগী লাইরিকসি ফোঙদোক্লবগী থৌদাং লৌখৎলুবনি। ময়াম অসি পাবিরগা মসিবু ৱারীনি হায়দুনা ফোঙলিবা হায়খিনি হায়বগী অইবা মশাগী নুংনাংবা অমা লৈবদু মক্তি থোকলোই হায়না থাজে। মসিশু তোঙানবা য়েনশাং মথেল অমগী মহাও অমনি হায়না খনলগা লৌবিগনি নিংই।

লাইরিক অসিগী মরমদা ৱাহে খরা ইবীরক্লীবা ওজা লোংজম জয়চন্দ্রবুসু অ ফোঙবগী মাইকৈদগী থাগৎচবা ফোঙদোকচরি। লোইন্ননা লাইরিকশিবু বানানগী মতাঙদা য়েংশিনবীথিবা য়াম্বুং আর. কে. বিদুর বুশু তৌবীমল খংবা উৎচরী অরোইবদা লাইরিক অসিগী মখুম য়েকপীরক্লিবা তামো মাখোনমনি মোংসাববু তৌবিমল খঙবা উৎচরি লাইরিক অসি য়াম্না তেনলবা মতমগী মনুংদা ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা লময়ানবা প্রিন্টর্সকী মরুপ মপাং, অহল লমলশিং গী লমল তোনশিনলে হায়না লৌজরি।

ইম্ফাল, জুলাই ২০১২

**ৱাহেংবম সখি দেবী**
অশাংবা কমিউনিকেসন, ইম্ফাল

১। লা-সানী /১৩
২। সার্কাস /২২
৩। লূকমায়দা য়েবা নুমিৎকি মঙাল /৩০
৪। ইনেহ্ন /৩৩
৫। লন্দনদগী ইরকপা /৩৮
৬। ঐবু লৌশিনবীরো, ঐবু থাদোকপীরো /৪১
৭। দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকস্ অমসুং /৪৬
৮। বোকুল পাম্বী /৫১
৯। কুতুবুদ্দিনগী খোঙগাও ! /৫৭
১০। কা-ইতেনগী মমা /৬৩
১১। লীহৌদ্রবা ৱারী /৬৭
১২। দাগ /৭১

Scanned with CamScanner

# লা-সানী

তোল্লবা ফিবমদা লৈবা ওজা অমতা "লা-সানী" গী লুরবা কাশমীরি কারপেটতা খোঙথারগা লশিংদগী হেন্না থোৎলবা সোফাদা ফমলগা ঙৈহাক্কী অৰা পোত্থানবগীদমক চা কপ অমা নৎত্রগা কফি কপ অমা থকলমগনি হায়বা অসি কনানসু থাজরোই, মঙ ওইনা খনগনি। পৃথিবীগী ওইথোক্ত্রবা মঙ মক্তি নত্তে হায়ববু ওজাদুগী অবস্থা অদু খন্থরুরগা মঙ নত্তে হায়বদা চিংননিংঙাই লৈ। লাইরবদি খম থেংলবনি, অদুগীসু মথক্তা টি বি পক্লবা মী অনিগা লোইননা লৈমিন্নরিবনি। ওজা অসিনা ফংলিবা তলবতি, কবুই-কৈয়োইবগী অহোবা উতোংদা ঈশিং হৈবগুম্বনি। কনাগুম্বা নাতৈ চাদবা মী অমা ওইরমলবদি আত্মহত্যা নৎত্রগা লম্বোইদুনা নহান্না বন-যাত্রা তৌখ্রগদবনি। ওজা অদুগী ৰাখলনা কলি যুগকী ওইরবসু থৌদোক্তি সত্যযুগকীনি। ঈশ্বরবু য়ান্না থাজে-মতম খুদিংমক্তা ঈশ্বরদা অৰাবা কোক্লবা প্রার্থনাতা তৌই। পৈশাসু অসুককী মতিক কুপই ; মদুদি নহা অমা ওইবগীদি থমলদুনা মশাগী দরকার ওইব খরচ ফাওবা তৌরমদে। অদুবু করিগুম্বা মহাক্লা ইনাক কৈরাক খুল্লমদুনা শেন থুম নিং-থুংনা লৈরম্বা থোক্লবদি যুগ অসিগী মতুং শোয়দনমক ইল্লমগনি, তুংদা লৈরবসু ইল্লকনি অদুবু মাদি ওজা ওইবগী লম্বীদা খোঙদারুবনা- তুংদা ওইরকপগী আশাসু থোইদোক্লা লৈতে।

রাজধানিগী মীরাওখোলনা, চমন্নরবা মফম অসিদা "লা-সানী" দি খ্বাইদগী ৰাংনা ঐ মঙাইরে হায়না লৈবা রেস্তোরা অমনি। মসিগী মওং খুদিংদা এরিসটোক্রেসিগী মনম চেন্দবা তৌদে।

নিয়নগী অশংবা অঙাংবা থাংমৈনা, ইংরেজীদা ইবা ময়েক তরুক্কী মমীং অদু-অমুক ঙান, অমুক মুৎ তৌদুনা ময়ামগী মীৎয়েং চীংশিনফম ওইরি। অহিংগী অমম্বা মরক্তা, থাংমৈগী দিৰালিগুম নিংথিজরম্মী। লাক্লিবা অয়াম্বা মীসু অচম্বা অমত্তা নত্তে। 'লা-সানীগী লম্বীদা-ফিয়াট, রোলস, রোয়েস, ক্যাডিলাক্ অমসুং থোইদোক্লা মমীং খঙদ্রব মচু, কয়াগী কার কয়ানি-লৈ পরেংগুম লৈতেংলি। মসিনা মপালগী শক্তমনি। চঙফম থোঙ অদুদা রাবনগা শকমান্নবা, উবদা অকিবা পোকপা দারোয়ান লৈরে। মথংদা ওজা অমদগী শরুক চামা হেননা কে-নাল্লবা কোয়েৎ ফজনা য়েৎপা বোয়শিং লৈরি। রিভোলবিং কাউন্তর চেয়ারদনা অৰাংবা থাক্কী অফিসার অমদগী ফেসন হেন্দোকলবা মেনেজরনা ঙাম্থোয়রি।

Scanned with CamScanner

রেস্তোরাগী ওইথংবা শরুক্তা হায়ফেৎ শাংলবা হিগোক মচুগী পাক্লবা নাইলোন র্পদানা মায়খুম ওইরদুনা ময়াইকাবা স্ট্রিপটিজগী জগোয়শঙ-মদুদা জগোয় ঈশৈগী যন্ত্র-বেন্দ, মার্কোস, বেঞ্জু, বাঙ্গো, মেন্দোলিন, ক্লারিয়নেট অমসুং পিয়ানো পুন্নমক লৈরি। টেবল খুদিংমক্তা ঙসিগী ওইবা প্রোগ্রাম য়েনবা হৌখরে। অহানবমক্তদা মীংচৎ লৈরবী এঞ্জেলা অমসুং মহাক্কী পার্টিনা বেলে জগোয় অমা উৎকদৌরি। জগৎকী ইরাং লৈবা মীশিংনদি "লা-সানীবু" অমরাপুরী ওইনা খনগনি। ঙাইহাক নুংঙাইনবগীদমক হায়রবদি খনফম থোকই, অঙকপনি "লা-সানী"।

ঐসু নুংঙা ইবা পাম্বা মী অমনি, ইনাক্তা লৈরিবা অমরাপুরী থাদোক্তুনা কদায়দা চৎলুনি? টাই অদু নাক্লদুনা মফম চাবা লৈব্রা য়েংলগা অহাংবা সোফা অমগীদমক য়েংলম্মী। ঐগী কোইরৈ লৈদুনা চৎলিবা মীৎয়েংগী মীৎলমদা মতম কুইনা উনখিদ্রবা ওজা ফিরদৌসীবু উরম্মী। তুমিননা মতোমতা অমুবা শেরয়ানী ফুরিৎনা কুপলিবা হকচাং অদু সোফাদা ঙাথহল্লগা চুরুপ অমা পুক্লিং তানা চীংলদুনা লৈরম্মী। মহাক ওইরমগদ্রা ওইরম্লোইদরা হায়বা ৱাখলদা চিংনদুনা মীনিট খরদি হৌখিরম্মী। মীকুপ খুদিংগী তোৎন-তিননদুনা লৈমিন্নবা মীমক্তি নত্তবনিনা, উরিবা ফিবম অসিদা করম হায়না থুনা ভাব তাগনি। অদুগা ঐনা খঙনখিবা ফিরদৌসী কৌবা ওজা অসিনা মফম অসিদা লাক্কনি হায়বসিসু মমাংঙৈগী অভিজ্ঞতান করিমত্ত থাজহনদে।

নোংমা থৌদোক অমদগী খঙনখিবনি। নুমীৎ অদুদা করিগীনো খঙদে মাবু য়াম্না নুংশিখি। ঐগী য়ুমদা, পার্কতা, অদুদগী লম্বী ময়াগী হোটেলদা তোয়না ৱারী শামীন্নদুনা লূনা তিন্নবা মরুপ অমা ওইরম্মী। অদুদগী মতম খরগী তুংদা ঐগা মাগা তিন্নখিদ্রে। ঐগী পুন্সিদা মী অমবু খঙহৌদনা নুংশিখিবা হায়বদু মহাকনি। থম্মোয়গী ওইবা অথোৎপা পুকচেলগা মতম চুপ্পা লোয়নবা নুংশিবা চান্নবা, অমদি পুকচেল চাওবা অমসুং ঙাকপীহৈবগী গুণশিং অসি ঈশ্বরনদি ঐঙোন্দা খরা ৱাৎনা য়াম্না লীকনা পীরকপোই খল্লি। অচুম্বমকসু নুংশিবা, চান্নবা, করুনা হায়বা ৱাহৈশিং অসি পুন্সি কৌবা সাহিত্যগী অলঙ্কার শাস্ত্রনি-হিংননবগীদমক্তদি য়াওদ্রবসু বেরা লৈতে। মখোয়শিং অসিদি পুন্সিদা মপাম্ভোংগী লৈতেং পোৎশকগুম্বতনি।

ঐহাক ফন্নাইরবা মীওই নত্তে গবর্নর ওইদে, অদুবু রাজধানীগী অয়াম্বা মীনদি ঐবু খঙবী। মরমদি ঐদি মী খঙনবা অসি নিশা অমা ওইনা শিজিন্নে। য়াম্না মুন্না খনথরুরগা ইশা ইতোমতবু এডভরটাইজ তৌজরবরা হায়দুনা ইকায়বনা অনিরকশুনা খনবা ঙমদে। অদুবু কান্নবদি ঐগী নিশা অসিনা থম্মোয় অমদগী থম্মোয় অমা তান্না থম্মোয়গী অঙকপবু খর খর খঙহল্লি। পায়বা শোকপা য়াদবা শকন্নাইদবা পুকনিং ইপাক্কী চৈখায়রবা ইপোমগী ৱারী কয়া ঐনা তাবা ফংখি। ঐহাক্কী ইঙ্গি খরতনা কোয়দুনা লৈবা কোকতা চন্দ্রদুনা অয়াম্বা ৱারিদি লৈচিলগুম্না অকাউবগী অতিয়াদা লৈর লৈরদুনা মাঙখ্রে। ঐদি মাঙখ্রবা পোৎপু অমুক হন্না থিরুদে।

Scanned with CamScanner

চহী মঙা তরাগী মমাংদা খঙনখিবনি। ওজা অদুগী মপুংফাবা মীংদি -"আবু তাহের ফিরদৌসী" কৌই। ফিরদৌসী কৌরবসু কৈদৌনুংদা "শাহনামা" ইবা ঙম্লোই। কাব্যদি কল্পনানা পোকপা মচা নিংঙোলনি, কল্পনাবু ঐগী ওইগে হায়রবদি সংসারগী মোৎলবা ৰাখল ময়াম অদুদগী অৰা অনাগী ৰাংমদা লৈবা তাই। শাহনামাগী ফিরদৌসীদি সুলতানগী থৌজাল ফংদুনা অৰা অনাগী ৰাংমদা লৈরম্মী। ঐগী মরুপ ফিরদৌসীদি অৰা অনাগা মফম অমত্তদা লৈমীন্নরম্মী। ঈশ্বরগী থৌজাল ফংবফাওবা তরাইথোকনি, মাদি কনাগীসু ফংলমদে। মুগোলনা পাল্লিঙৈ মতমদা ইরানগী মপা মপুনা ললোল ইতিক কারবারগীদমক লাকপদগী ভারত্তা অসুম লৈখিবনি। হুজিক্তি মাগী শিংলিদা ইরানগী 'ঈ' চেনদ্রে। ৰাং চাওরদুনা মপুং ফারবা মীওই মুর্ত্তিগী ফজরবা মীশক অমনি, মতম লৈবা খিবীক্তা ৰারৌবা মীৎয়েংনা জগৎ পুম্ববু য়েংলদুনা নিং থুংদ্রবা পুন্সিগীদমক ৰাকৎলমই। ঙসিগী মতৌগুম্না নোংমা ঐগী য়ুমদসু চুরুপ ফুইনা ফুইনা চীংলদুনা ওজা অসিনা হায়খি।

"খঙব্রা শঙ্কর! ঐদি পুন্সিগী ঈচেল অসি ফবা খঙদে ফত্তবা খঙদে অপনবা লৈতনা অপাম্বা লম্বীদা চেলহনবা পাম্মী। মতোমতগী হৌরকলিবা ঈচেল অসিবু থিংলুরবদি করম হায়না পাক চাওরবা সমুদ্রা য়ৌগনি। ঈচেল পুন্নমক্কী সমুদ্র নত্রা লমথুংফম? অদুবু ঐগী অৰাবদি-ঈচেল অসিবু থিংলগা সমুদ্র য়ৌদে খঙনা খঙনা অপনবা লৈতনা চেলহনবা ঙমদে। করিগুম্বা চেলহনবা তারবসু তাইবং পুন্সিগী থৌগাই থৌরমদা থমলিবা মীৎ অসি উইশিনবা তাই। শা-ঙা মক্তি নত্তবনিনা উইশিনগে হায়না খল্লুবদা পৃথিবীগী কিয়াম্মৎ, অরোইবা-নুমিত্তা অল্লাহদা পাউখুম পীনিংঙাই লৈরোই, শোয়দনমক নরক য়ৌগনি, ৰাখল অসিনা ঐবু কিহল্লি।

ঐনা খুম্মী "নঙদি য়াম্না শোল্লবা পুকচেলগী মীনি। থৌনা লৈতবা পাঙদবা মীগদি মরুপ ওইবা পামদে-"

মতম অদুদা মহাকনা উপায় লৈত্রবা ওম্ভোকপা মীৎয়েং অমনা য়েংলকপদা ঐগী কল্লবা থম্মোয়দা মীনুংশি পোকখি।

পুক্রিংদদি চীংনবা পোকই, অদুবু মহাক ওইরমদ্রবসু অনৌবা মী অমদি শক খঙনরগে হায়দুনা ঐনা কৌরম্মী-"ফিরদৌসী!"

চুরুপ এস্ত্রেদা তপ্পা থমলগা মানা ঐবু মুননা য়েংদুনা লৈখিরম্মী। পাউখুম পীরকত্রিঙৈগী মমাংদা ঐদি মাগী নাক্তা য়ৌরে। "লা-সানীদা চৎনদবা খোঞ্জেলনা ফিরদৌসীনা বজ্র তাবগুম হৌন লাউরকই 'শঙ্কর'। ঐবু চেৎনা কোল্লদুনা মানা হায়- "ইস! মতম কয়াগী তুংদা ইবানি অমুক করম্না উন্নরিবনো-!" ঐনা খুম্মী-"পৃথিবীদি মালেম লৈকোয়-বুং হায়না খঙনৈ। লেপ্তনা মায়কৈ অমা তম্না চৎলবদি অমুক্তি শোয়দনা starting point য়ৌরক্কনি, অদুনা য়ৌরকলিবসিনি।

মাসু-ঐসু পুন্না নোকমিন্নরম্মী।

Scanned with CamScanner

ফিরদৌসীগী শাজৎ হোংলমলে। ঐনা মমাংঙৈদা উখিবা কমপ্লেক্সকী লাইনাদু ঙসিদি উবা ফংখিদরে। আত্মপোলদ্ধিগী মমল য়াওরবা মীবু ঐনা উশিত্তবসু ঙমদরে।

মহাক্না লাম্হোরকলিবা অতাঙবা চুরুপ থ্রি কেসেলসগি মচৈ অমা লৌরগা লাইটরদা তক তক য়ৈরদুনা মহাক্কী হাননা লৈরম্বা শাজৎ পুম্বা নিঙশিংনবা লাকনরম্মী। ঐনা নিঙশিংলকপা পুম্বদা নুঙাইবগী রস মরীক অমা ফাওবা থেংনদে।

ঐগী য়ুমদা অহানবা লাকপদগী হৌনা, কুইনা তিন্নরক্লবা মতম অদুফাওবদা মাগী লমচৎতা কা হেন্না নোল্লুকপগী মওং অদু উবা ফংখি। মহাক মশামক শোল্লবা থম্মোয়গী চিংনবা অমনা মতমচুপ্পা কিহল্লি। ঐখোই অনিগী তত্তনা উনবা মতমদা চা চুরুপ ঐতনা লাল্লি, মানা মদুদা ইকায়বগুম তৌরদুনা নোংমা হায়খি "লন তোনশিনবা" মীশক অমা ওইনা পুন্সি অসিবু অসুম লোইশিনখরদরা ভাব তাবা ঙমদে, অসুম তোনশিল্লক্লবদি করিগুম্বা নুমিৎ অমদা শিংদোকপা ঙম্বগী আশা লৈররোই। মরমদি ঐনা প্রাইমারীদগী হাইস্কুলগী ওজা ওইরক্কনি হায়বসু লৈতে। অদুবু শঙ্কর আশাদি য়াম্না চাওই চাওরবসু মঙাল য়াওদ্রবা আশানা করম্না পুক্নিংগী অমম্বা কোকহন্দুনা ঐবু পেলহনগনি? ঐগী পুন্সি ঈপাক্তা অপাম্বা কয়া পাম্না, পাম্না কোঙ্গোলগুম তাকখরে, অমুক হন্নসু থেংনররোই। মরক মরক্তা নিংঙমদ্রবা থম্মোয়দা ভিনসেন্ট বেঙ্গোক্কী মতৌ তমদুনা it is hard to die but harder to live হায়রগা কপলি। নঙোন্দা ঐগী ফিবম হায়দোকনিংদবনি। থম্মোয় নৌরবা কনাগী থৌজাল মরীক অমত্তং ফংনবদা ভিক্ষানিবা অমনা মশাগী তোল্লবা ফিবম্ উত্তুনা কপ লাওনা হোৎনবগুম থোকদ্রা খল্লি, মদুমক্তি পামদে। জগত্তা ঐখোয়গুম্বা মীসে কয়াদা তোন্না লৈ, হায়বদু নঙনদি খংঙোই।

শঙ্কর! ম্যেনুদা খুদোম্বী থিন্দুনা ফিরদৌসীনা ঐবু কৌরকই ৱাখলগী মঙলান্দা লুপ্নম্বদগী খোঞ্জেল অদুনা ঐবু ভাব তাহল্লমই ইঙক ঙকপগা লোইননা খুমলমই, 'করিনো'

ৱা ইহায় হায়দনা খুদোম্বীনা তাকলীবদু - ঐনা ভাব তারবা তুংদা ঐনা জ্ঞান তানা খুমলমই, "শাহী মোগোল ডিশ-আখনি নত্রগা বিরয়ানী অমা হেক্তা order তৌবীয়ু ঐগীদি বেরা লৈতে।"

ঐগী ৱাখলদি লোইদ্রি।

মাগী ফিজেত্তা কা হেন্না অহোংবা লৈত্রবসু ওজা ওইরম্বদগীদি য়াম্না হোংলে হায়বসিমা তশেংনা খঙলে। মীৎয়েংদা, ৱাঙাংদা, শাজৎতা লমচৎতা, পুন্নমক্তা। লা-সানীগী লিলাদা ওজা অমগী তলবতি ইরাই লাইনা হিসাব য়াওদনা লোইবদা খঙহৌরোইদবা শরুকনি। অদুমকপু মহাক্না নিংঙাইদনা লা-সানীগী এরিষ্টোক্রেসিগী ইরাংদা তাওরমলিবসি শোয়দনা করিগুম্বা অচৌবা লম্বেল অমদি লৈরমলগনি।

মেহগিনি উগী লূরবা ডাইনিং টেবিলদা-লৈগুম্না গ্লাসতা থিন্দোকতুনা হাপলমবা নেপকিন অদু মতমবাক্তা থমলগা ফিরদৌসীনা চিংনা চিংনা ঐবু য়েংঙি। ৱাদি থোইনা

Scanned with CamScanner

ঙাংনদে দরকার ওইবা নত্তনা মহাক্না হায়রকই " করম করমবা লিকরগী ব্রান্দ পামবীবগে ভেট ৬৯ ওৱাইনকার্নীস বিয়ার নৎত্রগা জীন, ব্রাণ্ডি ?" ঐদি ঙকপনা লোইরে।

পামজবা ব্রান্দগী মমীং হায়বদা পুক্নিং চংদ্রে চুম্নতা খুম্মী, "টিটোটেলার নত্তবনিনা অদোমগা মত তশেংনা মান্নগনি অদোম খনবীয়ু।"

ওজা ফিরদৌসী য়ু থকপসু হৈরবোই।

মহাক্কী ইসলাম ধর্ম্মদতসু নত্তে মমাংঙৈগী অবস্থা য়েংলুরগা য়ু থকপা হৈরমগনি-মাগী ৱাখলদা চিংনবা করিমত্তা পোকলমলরোই হায়বসি বিয়ারগী বোটল ময়াম মাঙদা থমলরফাও মীৎনা উনা উনা থাজবা ঙমদ্রি।

বিয়ারগী পাথরক্লিবা কোঙ্গোলগী মতৌগুম ফিরদৌসী উন্নরবা তুংদ খল্লিব ৱাখল ময়াম অসিসু পাথরক্লদুনা ইচায় চায়খ্রে।

অশাবা মহিগী মনম ফংবদগী মাদি ব্যবহারগী ৱাহৈ শিজিন্নবা হৌখ্রে।

"ঙাকপীগনি, বিয়ারদি য়াম্না লমহেনবা মহিনি, খর পাথোকখরে। অদুগা মী: শঙ্কর-ঙসিদি চহি মঙা তরাগী স্মৃতি নিংশিংবা নুমিৎনি, লিকার খর স্ট্রোং ওইহনজগে। বিয়ারদি মপান্দা লম হেঞ্জবতনি-very weak very faminine ঐনা অয়ামবা মতমদা স্ট্রোং লিকর ওইনা শীজিন্নবদি ভারমুথনি, রাশান ভোদগাসু মফৈ।"

য়ুগী ইতিহাস লীগদৌরবোই খল্লুরে।

মহাক্না মখা চত্থরকই।

"Why gloomy য়ুদি খ্রাইষ্টকী পীরাংনি - Tears of Christ উম। ঐখোইগুমবা মীগীদি শেংলবা গঙ্গাজল নত্তনা অতৈ হায়নিংঙাই লৈতবনি।"

ফিরদৌসীগী খম থেংলবা থৌনা অসি য়ৈহৎকে হায়দুনা ঐনা মমাংঙৈগী সুরদা, "নঙবু ওজা ওইরমবদু তোকলব্রা?" হায়গে খল্লুবনি অদুবু মফম অমসুং মওং অসিদা ৱা অসি এটোমবোম ওইরনি মহফিলগী নুংঙাইবা কায়রনি হায়দুনা তোক্লে। ঐদি মহাক্কী চহী মঙা তরাগী মনুংদা ওইরকলিবা রিভোলিউশনরি চেঞ্জেস করম হায়না ওইরকপনো খঙনিংবনা লোইরে। অদুবু ঐনা খল্লিবা পুন্নমক অসি মতাং চাদে অমদি মপুকনিং নুংঙাইহন্দবা য়াই খনবদগী ইশা ইতোমতা নিংবা কায়বা অমা ওইজরে।

ঐখোইগী ওইথংবদা স্ত্রীপটীজ জগোইশঙগী হেক মনাকমক্তদা অহাঙবা টেবিল লৈরমবদু কদায়দগীনো-অঙাওবা নুংশিৎকুম খঙহৌদনা ইভিনিং পেরিসকী মনম চৈখায়রগা টমবয় খরা পাইরক্তুনা তোংলরে। মখোয়গী ফিজেত্তা বীটনিক শাগৈগী হৌনবী খুদম য়াওরি। মরক মরক্তা মখোয়না শানরিবা ৱারীগী ৱাহৈ অমা অসিসু তাবা ফংঙি। 'রোজী' কৌবী লৈশাবী অমদা কনানো মমান্নবী লৈশাবী অমনা হায়রি"-রোজী নঙনা টমবু বিত্রে তৌবদি চুমদে- 'ইবশেতুং কোগী' ফিলোসোফি মতুং ইন্না ঐখোয়দি হরাওসি নুংঙাইসি হায়দুনা পোকপনি, বিত্রে তৌরম্লগা টমবু অৱাবা পীবদি ফত্তেদনা-!"

ফিরদৌসীনা শান্নরিবা ৱারী অদু তারগা অর্থ খংঙমদবা মীনোক অমগা লোইন্নন
হায়রকই 'হৌজিক ওইরিবা' জগৎকী শক্তমদি অসিনি য়েংবীউ, তাবীয়ু, হায়রকপসু য়াই,
'ঐদি ঈশৈ শকতুনতা লৈরবা চেক্লানি-নুংঙাইবা পুম্বা ঐগীনি।" মখোইগী ফিলোসোফীদা affaire D'amour, I mean, লভ অসি থম্মোয়নুংগী নত্তে মসিদা অরেপ্পা লৈতে মনিংতম্বা ব্রেকবার্ড কুন্না তোংনিংবা উশা অমদা তোংঙি, that is ......it fades from kiss to kiss"

ৱাখলদা ৱাঙাংদা ফিরদৌসীবু অর্ন্তজাতিক ওইনা উবা ফংঙি। 'লা-সানী' পৃথিবীগী Station মচা অমনি, মরম অসিনা মসিসু অর্ন্তজাতিক অমা মশানা ওইজরে। ইউরোপ এশিয়াদগী ভারত্তা লাকপা মীপুম খুদিংমক লা-সানী য়ৌরকতবা য়াওদে। কনানা ফ্রেঞ্চ কনানা রাসিয়ান কনানা স্পেনিস লোনলি, অমত্তসু মান্নদে। অদুনা চিংনফম লৈতে-'লা-সানীগী য়াচংবদা ঐঙোন্দা লোনখিবা ফ্রেঞ্চ ৱাহৈ অমা অনিগীদমক ফিরদৌসীবু শাউনিংঙাই লৈতে। মাঁসিয়ে, Bon gout ! পাঞ্চ খরগা তৌজখিগে।

পাঞ্চকী সিপ খুদিংদা 'Bachhus'না থৌজালবীরদুনা অতোপ্পা জগৎ অমা য়ৌরক্কে। ঐনা অপেনবা লৈত্রবগুম খুমলমই, ফগনি "লৌজখিগে।"

ৱা অমুক ঙাংদনা মহাক্না হৈথরক্লমই। ঐখোয় অনিগী কোক চাং মান্ননা ঙাওরি-ঙাওরি তৌরক্কে। লিকরগী মগুণ চাং য়েংবদা নুংঙাইরক্লবা মতমদি হৌজিক্তি। নুংঙাইবদা কা হেনখিবনা মপালগী খোঞ্জেল অমত্তা ইনাদা তাদ্রে। 'এঞ্জেলাগী' হায়রপ থোৎলবা হকচাং অমদি পাম্মুরবা শক্তম পর্দাগী মরুমদা উবা ফংঙি। অদুবু, নিংথিবা শক্তমগা লোইনবা পুক্নিং ইথক হৌহল্লিবা শাথেক অদু থোইনা কল্লকউদে।

"নশা পিলাকে, গিরানা তো-
সবকো আতা হৈঁ, মজা তো-
জব হৈঁ কি গিরতেঁাকো
-থামলে শাকী।"

মহিগী নিশাদা ঙাওরবা ফিরদৌসীনা য়ান্না থৱায় য়াওনা চীং-লেম্লবা খোনফমদা ঔরাইরক্লিবা গজল অসি তারম্মী। খোঞ্জেল অসিনা 'এঞ্জেলাগী' জগোইদু ঙাইহাক লেপখ্রবোই খল্লুরে।

'নিংথিবী কনানা ঙাংলৈনবা য়ুগী পাত্র পায়রগা-
নিশাদা- তুরোই ঙাল্লোইরবা কনা'মবু
থোৎলবা থবাক্তা চেজেৎ কোনশিনবা...।'

মসি খল্লুবদা পুক্নিংদা নুংঙাইবা পোকই। ঐনা হংলম্মী
"কনাগী গজলনো ফিরদৌসী?

মানা নোকমী নোকমী তৌরদুনা মথকলোমদা য়েংখৎলদুনা খুমলকই, হায়বা ঙমজদ্রে 'গালিব' নৎত্রগা 'খয়ামগী ওইরম্বসু য়াই, অদুগা কনা অমত্তগীসু ওইরমদবা য়াই। ওইনিংবা অমগীসু ওইজসনু 'য়ু' থক্লগা ঔরাইবদা ঐঙোন্দা য়ান্না নুংশিজবা গজলনি। মীওইবগী পুন্সিদা পামজবা ৱাখল অমমম মশাগী ওইন তোঙান্ন লৈজে। থম্মোয়গা মরি লৈনবা স্মৃতি অমনা অতিতপু নিংশিংগে হোৎনরকপদা তোঙান্না লৈবা পামজবদুবু অমুক হেন্না নুংশিহল্লি।'

ঐনা ৱাদি ঙাংদনা ইতোমতা খঞ্জরম্মী-"ফিরদৌসীগী খোঞ্জেল গজল অমদি শৈরেং থীনবগীদমক্তনি। করিগুমবা ঐনা লৈশাবী অমা ওইরম্লবদি মাগী খোঞ্জেলগীদমক্তা মাবু লুহোংলমগনি।

মহাক্না মখা তারকই।

ঐহাক্না গজল অসিবু নুংশিজে। পুন্সিগী তোৱৈদা কাওশিংগুম্না স্মৃতি অমবু অমুক হন্না মসিনা নিংশিংহল্লি। কাফে-দ্য-লাপা মীং অসি শোইদনমক তাবিরম্লগনি। নোংমা ঐনা রেষ্টোরা অসিদা লাকলগা- শ্যাম্পেনগী সংসারদ ঙাওদুনা লৈরম্মী। মীনা হায়নৈ পৃথিবী কোয়দ্রবসু মীকুপ খর 'কাফে দ্য-লাপা' দা লাকতুন ফমলুরবদি পৃথিবী উবা ফংগনি।

'বুইলব্যা-দ্য-মেরিয়াস' হায়বা ঙাগী হাওরবা মথেল অদু মাংদা থম্লদুনা ঙসিগী মতৌগুম্না পুক্লিং চংনা গজল থীরম্মী। পৃথিবী উদ্রবসু লৈরম্লীবা মীয়ামনা ঐবু কোয়শিল্লদুনা য়েংনবদি উরে। মদুনা ঐঙোন্দা ইকায়বা করিমত্তা পোকহল্লমদে। মীয়ামগী মরক্তগী নৌরবা শুমহৎনিংঙাই ওইরবা খোঞ্জেল অমা তারম্মী। খোঞ্জেল অদুনা অসুম্না হায়রম্মী-"লা হুইটেমী মরভেল্লী-ডি-মোনডে' অর্থদি 'পৃথিবীগী নিপালসুবা অঙকপনি'। অমুক হেন্না অঙকপদি ৱাহৈ অসি ঐগুম্না লম কোইরকপী ইটালী লৈশাবী অমনা হায়রকপনি। নুমিৎ অদুদি ইবান্নিবু কুম্মৈ ওইনা ময়ামনা য়েংনরে - ঐগী ৱাখলদা মাগী শক্তমদি 'ট্রাসকান্স' ভেলিদগী খঙহৌদনা থোরকপা হেল্লোই লাইরেম্বীগুম নীংথিজরম্মী। শন্না হায়রবদা মাদি 'বিটোবেনগী 'পিয়ানো সোনাটা' অমনি।

"জগৎকী তীর্থনি হায়না খঙনরবা কাফে-দ্য-লা-পাদ হেল্লোইগী অৱাৎপা লৈতবনিনা মাবু থোইনা থৌশারুদে। থম্মোয়নদি হায়ফেৎ খনখি, নিংথিবী নঙবুদি বার্নসকী শৈরেংনা লৈতেংবদা মতিক চাবীনি, ইবেম্মা!" হেল্লোই অদুনা ঐঙোন্দা হায়খি- 'মিষ্টর নঙদি লাইবক ফরবা ইন্দিয়াননি নোতরদামদগী হেন্না শেংলবা তীর্থদা নঙনা শকলিবা ঈশৈগী সুর লৈহৌরে।

লমদম থাপ্না লৈহৌরবা হেল্লোই অদুগী ঙাইহাক্কী নুংশিরবা স্মৃতিনা হৌজিক্তি মৈগুমনা থম্মোয় অসি চাকলি। ঐনা অরোইবদা হায়রম্মী নঙবুদি কৈদৌনুংদসু কাউররোই কাউঙমদ্রবসু ইন্দিয়ান ফিরদৌসীগী ফ্যেসনদি সায়োনারানি। মসি নত্তনা ঐগী নঙোন্দা করিসু পীনিংঙাই অমদি হায়নিংঙাই লৈতে। ব্যুইলাবা-দ্য-ম্যেরিয়াস টেবিলদা অদুম লৈহৌরে।

ঐদি ফিরদৌসীগী ৰারী তাবদা ঙাওরম্বা পুম্বা পূমহন হনখ্রে। মী অমগী অঙকপা ৰাখলগী ঈচেলশিং অদু মহাক্কী ৰাঙাং অমসুং তৌথোরকলিবা মওংনা উত্তুনা অরোয়বদা মাগী শাজৎ লীচৎ অদু খঙহল্লি। ঐনা উখিবা মমাংঙৈগী ওইরম্বা ফিরদৌসীগী পুন্সি অদু মীনম্বা ওইরম্লে, অওইবা নৎলমদ্রে।

সংসারগী অৰাবগী উফুলনা কা-হেন্না কুপ্থিবদগী ফোঙদোকপা ঙমখিদ্রবা শকলোননি। উপায় অমসুং লাইবক্কী শাফূ কল্লবা নুংশিৎনা হুমদোকখ্রবদা ফিরদৌসীগী পুন্সি শক্তম ওনখরে। মশাগী থম্মোয়নুংদা লৈরিবা মশাগী পামজবা ৰাখল অদু খর উবা ফংলকলমই।

মহাক্না অসুমনা নোংমা হায়খিরমই "শেগাইরবা খাংপোকতা মেংলব থাবলগী মঙাল চংলোই হায়বা করম্বা ৰাহে লৈ? অদুবু খাঙপোক্কী মপান্দা খোংকাপ অমা চৎথোকত্রবদি মঙাল অদু উবা ফংলোইদৌরি।

ৰাখলগী জগত্তা য়ামনা সিরিয়স ওইবা মতাঙনি। মহাক্কী পুক্নিংনা কাফেদ্য-লা-ইরাং চুরবা কা অদুদগী হেন্দোকত্রিমখৈ মহাক্কী লোইখম নাইররোইদবা অপাম নুংশিগী ইতিহাসসু লীবদা লোইহ্ররোই। নুপী নহাগী ৰারীতদা ঙসি নুমিদাং হৌখিবা ঐনা পামলমদে।

খল্লিবা ইশাগী ৰাখল পুম্বা কাউথোকতুনা মঙোন্দা হংলমই- 'ফিরদৌসী নহাক হুজিক কদায়দা লৈ?'

নিশা চেল্লবা 'পুন্সি ভিনিয়াদদা' মহিগী মহাও ঐনা খোয়দাদে- জগৎ পুম্বা ঐগী য়ুমনি লৈফমনি-হুম।

'নিশা চেল্লবা মীগী লোল ওইরমাল্লে।

অমুক চত্থরকই।

"য়েংঙু! শঙ্কর, ইউরোপ, আমেরিকাগী লম্বীদা চৎলিবা মীয়ামশিংগী মনুংদা অয়াম্বা মীদি 'মেন্টেলী নোমাদ' ওইদবা য়াদে। নোংদম লৈত্রবা লাইবক লমথুংফম লৈত্রবা পুন্সি অমদি ফংঙমদ্রবা আশানা মখোয়বু অতৈগো মান্নদ্রবা পুন্সিগী খোঙচৎ অমা পী। খোঙচৎ অদুনি ঐনা চৎলিবসু।"

স্পেনগী সমুদ্র মপান সানশিবাষ্টিয়ানদা, অদুদগী বিস্কে গালফকী ব্লেক ৰাটরদা ঐনা ইরুজরিঙৈ মতমদা খনখি খোঙচৎ অদু ঐসু ফংলবনি। ইশাবু ইশানা কাওথোকনবা ৰাখলদা অহিং নুংথিল খায়দনা নুংঙাইবগী ইরাংতদা হকচাং অসি লুপহন্দুনা খোঙচৎ অদুদা লেপ্পা লৈতনা চত্থরম্মী। নোংমা জানুয়ারীগী অয়ুক অমদা সমালঙ্কাগী তেক কায়রবা শেমজিনবীদ্রবা চর্চ্চ অমগী মনুংদা চংলকপা নুমিৎকী মঙাল অদু ক্রোসকী মতৌগুম্না উখি। চর্চ্চ অদু বাইজেন্টাইন গোথিক অমসুং মুরগী কল্পনা শক্তি অহুম্না তিল্লদুনা শাখিবনি। মদুগী মনুংদা ক্রোস অমগী মমাংদা হিস্পানি লৈশাবী অমনা লাই খুরুমলম্বা ঐনা থেংনরম্মী-অদুদগী লোইখম নাইররোই খল্লমবা ঐগী খোঙচৎ সমালঙ্কাগী চর্চ্চ অদুদা পুন্সিগী ওইনা লোইশিনখরে।

Scanned with CamScanner

ৱা ঙাংবা লেপখরে।

মাগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদু মঙোন্দা হংদুনা খঙদোকপগী আশা অদুসু লৈত্রদুনা ঐসু তুমিন্না লৈরে। ঙহাক লৈরগা ঙাংলবা মীৎয়েংনা ঐবু মুননা য়েংলদুনা ফিরদৌসীনা হায়রকই, 'চৎলসি'। ফুরিৎখাওদগী মফম মরাং খংদনা নোট চবুন অমা পুথোকলকলগা বীল পীথোকখরে। অদুদগী বোইদা হল্লকপা শেল পূম্বা মশীং ইথি থিদনা টিপস ওইনা পীরমলে।

বোইদু ঙকনা য়েংহৌই।

ডিসেম্বরগী অহিংনি। অইংবা নুংশিৎ চেল্লবা অহিংদুদা কারগী গ্লাস পেন লোইনা হাংদোক্লগা থৌরগা চৎখ্রে। মাগা খুৎ শোকনবগী অশাবা খজিক্তংদি ইনিন ওইনা ফংহোই। ফিরদৌসী অমুক হননা ঐগা কায়নরে। মসিনা অনীরক শুবনি। করম্বা মহাদেশকী ৱারী পুরক্লগা করম্বা মতমদা উন্নখিগনি!

মদু ঈশ্বরনসু হায়বা ঙম্লরোই—। ❑

ঋতু, চেফোঙগী ফাইরেন-লমতা, ১৯৬৬ তা ফোঙখিবা ৱারীমচানি।

# সার্কাস

ঐগী লেঙ্গানি।

'জোকর' হায়রগা মাবু খঙনৈ। মমা-মপানা থোনবিবা অশেংবা মমিং অদুদি কয়া শীজিন্নদবনা নীংশিংবা থোক্তরে ।

ঙসি মাবু ঐনা চহী কয়ারোমগী মতুংদা নীংশিংলুবগী মরম হায়ববু য়ুমদগী শাগৈগী ইয়াম্বা অমনা মচা নিঙোল থাজবগী মতাঙদা ফোন তৌরকপদগীনি।

'অনিতা লুহোংবগী ৰা লোয়নরে। শুভদিন অদু লমতাগী তরানি পানবদা তাই। শিবগঞ্জা মচানি, এম এ নি, এন জি ও তৌই, মঙাল কৌই।'

'কনাগী মচানো ?'

'নঙ নীংশিংব্রা জোকরদো ? মাগী মচন নুপীগী মচানি, মপা লৈখিদবা কুইরে।'

মীৎতা শং-শংনা উরকই মতমদুগী জোকরগী মায়থোঙদু। মাগা তিন্ন-লোয়নখিবা মতমগী স্মৃতিশিংদু।

মশা পায়, ঙৌরুনৈ, ফুট মরি ইঞ্চি তরুকলোম ৰাংবা মথিক নেম্বা মীনি। মখয়াৎ শাংই, লাউই। নোকপা মতমদা মমায়গী পার্টসশিংদু সাইজ পীকথখি, মরৈ লোম্মী। লোম্ন-লোম্না লেপ্তবীদা ৰা ভাংবা ঙম্মী। পূবা-শোৎ-নীবা য়াম্না হে। পূখিবা শেল শিংবগী মহুত্তা অমুক্তসু পূশিন্বা ঙম্মী।

অসুম্না থোকমোক কদর হৈবগীদমক মাবু চৈ-থাং তৌবিরবসু তাদমক তাশিলগা থৌ-ৰা শাদনা নোক্কুনা অদুম লৈথোকপা ঙম্মী। 'ঈশ্বর সাক্ষি, হয়েং শোয়দনা শিংগে নঙগীদো" হায়বসি মাগী দায়লোগতা অদুম থেৎলবনি। ঈশ্বরনা সাক্ষি পীবা লাক্কনি নঙগীদমক ?' অদু হায়দুনা চার্জ তৌরবসু হয়েং শিংগে হায়রিদনা মা'নদুম ওনখৎলক্কনি। মাগী হয়েংদু কৈদনুংদসু 'ঙসি' ওইনা থোরকখিদে, হয়েংনা লৈরিঙৈদি !

মীনা হায়রবসু ইকাইদবা শাউবসু হৈতবা খরসু চোইত্রি-চোইখৎ তৌবা মীওইনি। অদুবু কনামতনা মঙোন্দা চাননা শাউবা ঙমদে, অসিনি মাগী থোইদোক হেন্দোকপা মীবু পঙথহনবা ঙম্বা মগুণ, ঈশ্বরগী অঙকপা ধাতু অমনা শারকপা মানব সন্তান্নি।

সিলেট টাউনদগী ইন্ডিয়াগী বোর্দার দাউকি পাংনা চৎখিবা পাক চাউনা কয়লাস থাবা জাফলোং রোদতগী কি: মি: নিপাললোম চৎলগা ১৯২৫ তা শাখিবা এম, সি

Scanned with CamScanner

কোলেজ (মুরারীচাঁদ কোলেজ) লৈ। কোলেজদু য়ৌফাৎত্রিঙৈদা হায়জিনখিবা লৈরক্তু সেনপাড়াগী চংফমনি, জোকর সেনপাড়া মচানি।

মাবু পোকপা অহলদু অহানবদা উ শুরম্মী। মথংদা লাইয়েকপগী শিনফমদা ওনশিনখি। রিক্সোগী বোদিদা হিন্দি ফিল্মগী হিরো-হিরোইনশিংগী মওং তাদনা য়েকপা মূর্ত্তি, লৈরোং পোস্টরনচিংবা য়েকপনি। অজা-পূজা লাকপা মতমদা দেবদেবীশিংগী মূর্ত্তি য়েক্লগা য়োললি-। অদুবু মহাক্তি সনামহি লাইনীং চৎপা মীনি।

সেনপাড়া চঙফমগী মচীনমক্তদা সাইনবোর্দ থেৎতবা চাগী দুকান মচা অমা লৈ। 'লাল মিয়ার চা দোকান' হায়রগা খঙনৈ। মদুগা থংনবদা ক্বা-পানা-চুরুপ-বেরী, অথুম-অহাও, ফীরোল য়োনবগী দুকান অমদি ফার্মাসি, সাইকেল শেমফম, মোটোর ৱার্কশোপ মথং মথং পরেং শানা লৈখ্রে। চাগী দুকান মচা অদুনি মাগী ঠিকানা, মাগী ওবজরভেটরী।

কলেজ অকা-অকুম খুদিংগী মাগা উনদবা লৈতে। মখুৎ নামদা চা কপ অমা খুৎচা অনীদা বেরী নত্রগা অচাকপা চুরুপ মচৈ অমা চপ্লগা চা দুকানদুগী মপালদা থাবা মোৎখ্রবা ফানশাংদুদা ফম্লগা খঙনবা-খঙনদবা অচৎ-অওকশিংগী মরমদা রিসার্চ তৌদুনা লৈরমগনি। মীৱা ঙাংনবদসু মাসে মাইচৌ অমনি। মীওইবগী শাজৎ-লিচৎ-চালচিত্র, থৌদোক-ৱাথোক, ইমুংগী অরোনপা পাউ তানিং-খঙনিংবা লৈরবা মদু মাগী দিক্সনারি ফাক্লুবদা লৈরমদবা লৈতে।

ময়াম্না লক্নবিদুনা জোকর থোনবীরবসু মাসু লেমনা থাদে। লক্নরিবশিংদুগীসু চরিত্র য়েংলগা চান-চানবা মমিং অম্মম অদুম থোনবী। ঐঙোন্দা থোনবীবা মিংদি 'মকর' নি। হৈনা থোনখ্রবা মিংনি হায়বা য়াই।

পুরাণগী মতুং ইন্নদি মকরসি অঙকপা শা অমনি। মাঙ থংবা মখোঙ অনী অমসুং মকোক্না কৃষ্ণসার-শজি, মশা অমসুং মমৈনা মচি‧পান্বা সমুদ্রদা লৈবা চাউরবা হাঙ্গোর ঙাগী জাৎনি হায়না পললি। ঐগী হকচাং-চেংলৌগী শরুক্তা অশোয়বা খরা লৈখিবনা মকরদুগুম্বা শা ওইনা মানা ঐবু উখিবা জাৎনি।

অহল-লমনশিংগা ৱারী শানবা, খুনদিন্নবা, মান্ডব কাবা, ময়াংশিংগী মমাঙদা অরোন্বা ৱা ঙাংনবা অসিগুম্বা মতাংদা সিলেট কী-মৈতৈ মচাশিংনা মৈতৈলোন শীজিন্নে। অদু নত্তনদি মৈতৈলোন ঙাংবা হৈনদবগুম তৌই, সিলেটি লোনদা তাইনৈ। অদুসু অদুনি ঐখোয়না মৈতৈলোন্না ঙাংনবা মতমদা ইমান্নবা ময়াংশিংদা ফাগিগী মচাক ওইনা থোকই। 'ঈশিং গুরুম গুরুম তৌদ্রেনে, লাউ লাউনে, নমাগী!!! অদুনে।'

মখোয়না মৈতৈমচাদা লাকচবা ঙমদে। লমন খুন্মী, 'ক্বাক মচা ময়াং মচা—বাঙ্গাল কাঙ্গাল—। অদুবু কনাগুম্বগী আত্মাদা আঘাৎ তৌদবা অপরাধ লৈত্রবা লৌতুনবা ৱাহৈগী থৌরি চিংনবনি, লম লমগী চৎনবী হায়দুনি মসি।

কোলেজ কাবদা ঐগীদি বাহন অমা চংই, মাইল মরি-মঙামুক্কি শাংলবা লম্বীনি। রিক্সোদা চৎনৈ শেল লৈবা ইমুংগী ছাত্র-ছাত্রীশিং। ঐদি তেক-তেক শুরগা চাবা কং-কং

লাউবা ইমুংগী মচানি, উপাই লৈতে। পোৎথা পোৎথারগা দম লৌদুনা চৎপা টি বি থুংবা অহল ওইরবা সাইকেল অমা গুরুজনশিংনা ইঙুদম মামা জয়ন্তিসিংদগী হায়জ-খোৎচদুনা হোঙনা লৈবীখি। সাইকেলগী পার্টসশিংদু রেইলী-হম্বরগী রিসাইক্লিংনি। রানিং পীরমদনা নিঙায় তৌরকপা সাইকেলদুগী হোবীনি। ফাদরদা অনৌবা নত্রগা খরা অফবা অমা লৈবীয়ু হায়জরুবদা ক্লাসিক পাওখুমসি হজম তৌবা তাখি, 'অনীরক ফেল তৌরগা থার্ড দিভিসনদা পাস তৌবা ছাত্রনা সাইকেল অহন্বা তোংবা হৌনদে মী-না নোক্কনি!'

সাইকেলদুনা ঐবু য়ান্না ওৎপী-নৈবীখি। রিক্সোদা চৎপী ছাত্রী তানবদা নীং থুংহনখিদে। মখোঙ অনী পাম্বা জীব-যন্ত্র অমত্তা থাজবা য়াদে শক্রনি ঐনা খনখি।

নোংমা খোজারখোলাদা ক্লাশমেট আবু হেনাগা উনবা চৎলি। উদ্দেশ্যদি মচে লুহোংবগীদমক পীজবা প্রসাদি খুনবা। মুসলিমশিংনা থোংবা শাগী মহাউদি লম্বা লৈতে। শা চাদ্রিবা মী-না অমুক্তংবু মখোয়না থোংবা হালাল শা চারুরবা, বলিহারি, মহাউদুনা মখোঙ মরী পাম্বা ফমুং-চৌকী ফাওবা খাক্তে হাই।

খোজারখোলা, য়ৌদ্রি কীন্ ব্রিজগী মপাদুমক্তদা তুংগী টায়রদু বোম পোখায়বগুম পোখায়রকখি। হৌজিক্কি শান্তি লৈত্রবা নে-না তাদ্রবা মতমসি ওইরম্লবদি মীপাইথীবগী অরোয়বা থাক য়ৌরমগনি।

সিলেট সহরদা চেল্লিবা সুরমা তুরেল অসি মৈতৈগী মিৎতা বোরাক তুরেল ওইনা উই। অদুনা সুরমাগী ৰাংমদু বোরাক-ৰাং কৌই। খোজারখোলা বোরাক-ৰাংদা লৈবা খোজাশিংনা তাবা খুঙ্গংনি। মফমসিদগী সুলতানশিংগী হারেমদা খোজা নপুংসক চালান তৌই হায়বগী খোজারখোলা থোনখিবা ওইরমগনি হায়নৈ।

সাইকেল শেম্ফম লৈবা উদদুনা ইল-ইলগা চৎলি। কালেনগী চাকথেক্লবা নুংশাদা সাইকেল ইলগা চৎপসি নোরোক্কি অৰাবদু ফাওহল্লি। প্রসাদি খুল্লগা সেক্সি নীলুনা কুম্বা পাকিস্তানি ফিল্ম 'হন্টরৱালি' য়েংবগী আশাসু সুম সুম ময়েং তারকখি। ইমাদগী লাইরিক লৈগনি হায়জিন্নরগা সিনেমা য়েংবগীদমক লৌরকপা লূপা অনীদু ফুরিৎখাউ চপ্পনা চপ্পিখ্রবোয় খনলকই। 'লাইরবগী ফুরিৎখাউদা সিকি অমা তাবদা ফিনাত মরি তৎলি' হায়বদু থোক্লে।

'ওই মকর!!' কদোমদগীনো জোকরনা কৌরকই। মকর কৌরকপদু আকামপেৎ থেৎলি। মীওইবগী অরোৎপা অঙ্গদা থোম্বা য়ক লাউবা শব্দগী মেগজিনদগী কাপথোরকপা অকামপেৎকি বুলেটনি। মরৈ লোম্বদুনা মশিং নাইদে বুলেটশিংদুনা পাইথোরকপদু। চোপখ্রবা ঐ ফাওবদা ইকাইরপ তৌখি। ভদ্রলোক কনাদা পানখিবা য়াউব্রা নাক য়েৎ কোইয়েং য়েংই।

শোইনাইবা, মীৎতাঙবা, লায়ন-লাইথুং পকপা নহা-অহল-অঙাং চাকনিব-নীবিশিং, ফিঙৌনা কূপশিন্বা অশিবা মী অমগী দাফনাগীদমক্কি হায়রদুনা আগর ধুপ থারগা ভাব-গম্ভিরগা লোয়ননা শেল নীবা মীওই অমা, ঙকশমদা উপু য়ালগা কোয়চৎ-চৎত্তুনা য়োনবা

চানাচুরৱালা, ওক্তবী-বেপারী, বীর্যগী শক্তি হেঙ্গৎনবা অকংবা উহৈ-ৱাহৈ য়োনবা, বন্দরবাজারদা য়েন-ঙানু য়োন্দগী পুরকপা লৱায়গী লাইরবশিং, ঠেলাগাড়িৱালা, রিক্সাৱালা, অমম্বা-অপৎপা নোট শিন্দোকপগী কারবারৱালা, মখোয়দা উই। শান্তিদা শ্বোর হোনলগা হুমাং তৈথোকই।

'ঐ ইনগে ! চৎসি ঐগা' জোকরনা সাইকেল মুনখি। 'নঙ কায় চৎতৈনো ?

'চাকা পংচর ওইবদুদা টয়ার ফোৎফম থিরকপনিদা !'

লোৎলে আবুগী ময়ুমদা চৎপগী ৱাদুদি। প্রসাদি খুনবগী ইচ্ছাসু তৌরিবা সিটুয়েশনসিনা হনখিবা মতাংনি, মাগী তুং ইনলি।

'মকর, সিগ্রেট লৈব্রা ?

'থ্রি-ক্যেসেল' ব্র্যান্ডগী অশংবা চুরুপ উপুদগী মচৈ অমা লাললি- মতমদুগী ইজ্জৎ লৈবা অচৌ অশাং, মরল লৈবা মীতনা থকপা চুরুপনি। ফোরেনগী অতাংবা বস্তুনি। লাইরবা ঐনা লৈবা ঙমদবা চুরুপনি। অদুবু লাইবক্না চানরুবদগী চুরুপ উপু অদু ঐগী খুৎ চনখিবনি। মরু ওইনদি ময়াম্না খলিল ভাই কৌবা পাকিস্তানি ফিল্ম কুম্বা হেরোদুগীনি, মহাক সিলেট মচানি।

চুরুপ উপুদুগী শন্নপপা কহানি হায়ববু সিলেট গভর্মেন্ট গার্ল স্কুলগা তাইনবদা রেস্টুরেন্ট 'কল্পতরু' অমা লৈ। সিলেটতা থোরকপা খুদিংগী খলিল ভাই অয়াম্বা মতম কল্পতরুদা আড্ডা পীবা লাকই। সিলেটকি থিয়েটর-সিনেমা আর্টিস্ট, ফম্নাইবা ইমুংগী মচামশু অমদি ঐখোয়গুম্বা ছাত্র-গুন্ডাশিংগীসু আড্ডাগী কেন্দ্রনি স্কুলকাবী নুপীমচাশিং য়েংবগী খুদোংসু চাখ্রবা কেন্দ্রনি। বেলবোটম শেৎপা, স্পৃংগুম্বা শমবোংবীগী (পোম্পাদোর) হেয়ার স্টাইলদা শম হাৎপা, হিগুম্বা সেইপকি খোঙউপ উপ্পা কেজবদা মহি তোপ-তোপ তারবা পাখং মচাশিংগী শোডাউন তৌফমসুনি 'কল্পতরু'।

চা কপ অমা লৈরগা ইমান্নবা অমগা পিরিসতা (প্লেট) চা য়েন্নরগা থকমীন্নরি। খলিল ভাইসু চংলকই। অহনবা থ্রি-ক্যেসেল উপুদগী মহাক্না মচৈ অমা লৌথোক্লগা চমখিবা ঐ উহৌই। মীনা চুরুপ নীরক্তনবা উপুদু টেবল মখাদা থাদখি। মহাক্কী মমান্নবা অমনা কদোমদগীনো চংলক্লগা মাঙোন্দা চুরুপ নী। টেবল মখাদা তাবা চুরুপ উপুদা খুদোম্বী থিনলগা মহাক্না হায়, 'চুরুপ লোইখ্রে, খালি উপুসে য়েংউ।'

মবুক পীক থনবা 'থ্রি-ক্যেসেল' ব্র্যান্ডগী চুরুপ অদু ঐনা খুনলগা কল্পতরুদগী থোরকপা মতমদা মমান্নবদুগী মমাংদা করিমত্তা হায়বা ঙমদনা খলিল ভাই তঙক তঙক য়েংদুনা লৈহৌই।

পোৎফম ফম্বীগী লুকমায়দগী লাক্লকপা জেলাবদু ৱাকনা মমিৎ উইশিলগা কনানসু উররোয় খন্দুনা উথক্তা লোৎলম্বদু জ্ঞানেন্দ্রনা চাখিবগী গল্প হায়বদুনি !

চুরুপতুগী ফিল্টরগী তংখাই হেল্লে-জোকরনা চিংখিবা। 'অ—অস্ নঙ-নঙগী চু-চুরুপসি ক-কদাইগীনো ! চুচু-রুপসি মহাও অমনি হে!'

Scanned with CamScanner

থনুং য়ৌনা চিংখিবা চুরুপকি মুৎখ্রবা মৈখু অদু মানা ভিখারী অমগী মমায়দা কামশিলি। 'শলা-ভিখারী, জন্ম-জন্মাদা ঐনা ফাওবা থকপা ঙমদ্রবা চুরুপকি মহাও নঙসু তংউ! শালা-তংলসু মহাও খঙদবা অন্ধা মানুষনি নখোয়দি!' অদুগা আকাশতা য়েংলগা অঙাং মচাগুম নোক্লককই। শালা ঐশু পুন্সিগী মহাও খঙদবা ভিখারীনি।

মাগী মতৌদু উবদা ঐগী থম্মোয়নুংদগী করিগুম্বা ৱাখল অমগী অমূবা মৈখু অমা আকাশতা তিনখিবগুম তৌখি।

চুরুপ অমা ঐসু চম্মী, লেম্না ফংবা চুরুপ ওইবদুনা জোকরনা নীরক্তিঙৈ মাঙজৌননা মচৈ অমা লাল্লি-। সাইকেল ইনবদু ঙাহাক লেপ্লগা অশিবা মীদুগী দাফনগীদমক শেন নীরিবা মীদু য়েংলগা হায়রকই, 'মদারচোৎ নুপাসে ভিখারীশিংগী লিদরনি। অশিবসে মাগী মরিমতা কনাসু ওইরম্মোয়। মানা বিজনেস তৌবগীদমক য়োকপা ভিখারী অমগী অশিবা মশা ওইরমগনি।'

জোকরনা হায়বদু থাজে। ঐসু তাখি লমসিদা ভিখারী শাবগী ফেক্টোরী লৈ হায়বসি।

'জোকর নঙ কদোমদগীনো?' ঐনা হংই।

'খোজারখোলাদা, পীর অমা উন্নবা চৎলুবনি, অফাওবা পীরনি। মানা দোৱা আর্শীবাদ তৌরগদি লায়না-লাইথুং ফৈ হাই। উন্নবা ফংলকতরে, শিষ্য, মুরিদ ময়াম্না য়োমশিন্দুনা লৈরম্বদুদা!'

'নঙগী লায়নাদি করি?'

'হায়না কান্নদে, য়ামথ্রে, য়ামখ্রে, থম্মোয়গী লায়নাদগী হৌরদুনা!!' জোকর নোকনীংদনা নোক্লককই।

খরা চৎলগা ঐখোয় কোনুং (মনিপুরী রাজবাড়ি) য়ৌরে। কোনুং মমাংদা লৈবা ভেতেনরী হোসপিতালদুগী মমাংদা ছাটিন মরুমদা সাইকেল শেম্বগী খুৎশু-খুৎলাই থম্বা মফম অমা উই, মেকানিক লৈরমদে। ভেতেনরীদুগী শুমাঙদা মশা মউ ফবা সিঙ্কি ষণদগী চারা লৌনবগীদমক (হাসবেন্দরী) পুরকপা ষণবীনা ষণদুগা হোৎনবা লীলাদুগী ভাবোক মরক্তা মাসু তিলম্মী। জোকরনা সাইকেল শেম্বা কনা লৈ হায়দুনা কোইলাউ লাউবদগী চেহ্নোরকই।

'নঙ নতু থীদ্রিবা মী মানলি, মিয়া!'

'জী থীদ্রি' মমায় লুকথরগা নোলুক্তা খুম্মকই নহা সাইকেল মেকানিক অদুনা। মতাঙসিদা ঐখোয় মৈতৈলোন ঙাংনৈ। শা-ঙাগী পুন্সি-পথাপকি জৈবিক ওইবা বিষয়ঙাক্তনি।

সাইকেল ঐনা থৌই, মানা ফ্রেমদা ফম্মগা মখোঙ নামনা হেন্ডলদা য়াম্থরগা ফম্মী। ফম্বগী পোজ অসি সিলেটতা থোরকলম্বা মনিপুরগী মৈতৈমচাশিংদগী তমহৌবনি।

'বন্দরবজারদরো?'

'থৌদ-থৌ ঐ হায়রক্লে!'

ময়ুম য়ৌনা থৌহল্লি। কৈদৌঙেদসু জোকারগী ময়ুমদা ঐ লাকখিদ্রি, ঙসিনা অহান্বনি। ৰাথোক্তুনা মচা পোক্লুরবী মচলনুপী সাবিত্রীদা চান্স লৌবগী ৰাখলনা লীলা অমা শান্নে। মাঙহনবীরম্বা, ৰাথোকপীরম্বা নূপা লমজাসরাদুদি সনালৈবাক মনিপুরদা চেনখ্রে, মতু-মচা লৈখ্রে।

মীওইবগী ওন্থোকপা চৎনবী অমা লৈ—ময়ুম মকৈ পালহৌদনা সমাজ মমাঙদা খুদি থীরুরবা নুপীদুবু চীরোন্না 'ৰাথিবী' থোনবীবা অদুগা ৰাথোক অদুনা পাম্বৈ ওইরগা নুপানা চান্স লৌদৌগী দৃষ্টি হুনজিনবা—জোকরগী মচলগী মফমদসু চৎনবী অসিমক্ উৎপা লৈখি।

চান্স হায়বা ৰাহেসিং মীনা শাথিনা পান্নবা পোৎনি। ফংলবদি লৌনীংদবা কনা লৈ? ঐসু চান্সবু ফংলবদি অহোবা যাহা মখুল অমদা লিৎশিনবগী চান্স থিবা নুপানি।

চহী মরি-মঙারোম শুরবা নুপামচা অমনা য়োৎকি চেইন্না মখোঙ নামা ফাজিন্দুনা থম্বা অয়োকপা তেনৰাদুদা চৈতেক্লা থিন-থিন্দুনা জোকরগী ময়ুমগী মাঙ্গোন্দা শান্নরম্মী। তেনৰাদুনা শাউরক্তুনা থিদরকপা বচন অদু ঙসাইগী জোকরগী অকামপেৎকি বুলেট অদুমক্লি।

'মাম্মা তেনৰাসি মচিল থি!'

জোকর তাশিন্নদে, ঐসু তাশিন্নদে। মাগী লন্ডভন্ড শারবা কাদা ঐবু ফমহল্লগা চাকশঙদা চংখি। পাঙনদেম-নাচৈ-শুনা-তেম-তরেং, ৰাগী য়োংখম, মচু মচুগী লংনা য়ুমদু পিক থনলি।

মচলনুপীদি লৈরমদে, মা লৈরমদবদুদা ঐগী গেরান্টি লৈত্রবা রঙ্গলীলা শান্নবগী চান্স অমা মাংলে হায়বগী নুংনাংনবা ফিলিং অমা ফাওরকখি।

'মকর, চা থকসি হায়ববু চিনি লৈরমদ্রেনে! পৈসা কদাইদা থমখিবা!' মুরুম মুরুম শোনলগা ফুরিৎখাউ কোইমা মায়, চিনি লৈবগী পৈসা থিজিন্নদুনা।

'ওলৈ-পালৈ-হেক্রি-মেক্রি তৌনু লৈতবা বস্ত থিরগা ফংবা হৌনদে—সে—সে!'

টায়ার ফোৎপদা সিকি লৌখি। পৈসা অচোইবা লেমহৌবদুদগী চিনি লৈরুনবা সিকি অমা মঙোন্দা পী।

'মদুনা কোন্নরোইনে!' জোকর শিথ-শিথ নোক্লকই।

সিকিদো লৌশিল্লগা লুপা চপিদু হেক পীবগা জোকর পাইথোকখি। তুংদগী ঐনা লাউই, 'অচোইবা খুচরাদু হনলকউ।' কনানা তাবিনি অশিবা-আবেদননা লাউজবা ঐগী খোল্লাও।

Scanned with CamScanner

চা-চিনি, শঙ্গোম মকূপ, মুড়ি---শুরে মানা লৈরকপদু। মচলনুপীদুসু মাগী তুংদা শীং মপুল অমা কোনলগা চংলকই। কপ্পুনতা লৈবা মায়থোং মানলি। পোমলি-পোমলিবা মমিৎ অনীদুনা ঐঙোন্দা হায়ফেৎ য়েংলম্মগা চাকশঙদা চংখি।

মীনুংশি লৈত্রবা মূর্ত্তী থুগাইবা কনাগুম্বনা থুগায়বীরম্বা ভাস্কর্য হায়বদু মহাকসে ওইরেকো ঐনা খনখি।

লৈখিদ্রবা লাইরবা লাইয়েকপা অমগী পিতৎ-পাতৎপা লাইবকথিবী নিঙোলনি, মমাসু লৈখিদ্রে। থবক-ইনখাং শুদবা বেকার মৌপ্পা, লুহোংদনা পোকপা মচা, মখোয়বু ফি শারগা থাক্লবগী ওনথোক্লা ৱানা হোৎনরিবী অদুবু চান্স লৌবিদগী খনলম্বা ঐসে মোরেলিটি সুকলৈ-লৈতবা মীনি খনলুদবা ঙমদে। অদুবু মীওইবনা খনলুদবা অপরাধ চেন্দবা ৱাখল লৈতে। পুক্নীংদি মহাপাপকি ভগবাননি হায়নরিদনা।

ঐগী মুড়িগী শরুক্তগী খরা খাইদোক্লগা অঙাংদুদা পীজৈ, কয়া হরাউই। নাক্তগী চৎলু য়াদ্রে। জোকরনা তানবদগী চৎখি।

জোকরগী কাদুদা লৈরম্বা মোৎলবা মোন-মোম্পাক মফোল তারম্মে। ঐঙোন্দা ঙক্না থোকখিবদি, ফক্লাংদা থেৎলম্বা অয়েকপা লাই খরদুনি, লাইশিংদা মীৎ চিংশিলি। কনানা য়েকপনো হংলুবদা জোকরনা খূজিন্না মমায় খোৎলি, হাকৎচবা হোৎলি।

'উরৈরোম মরুদগী লৌবা মচুগা মৈতালগা য়ান্নরগা য়েকপনিদা।'

'জোকর!! লাইয়েকপসু হৈবোইরে?' ঐঙোন্দা চিংনবা পোকই অদুবু থাজদবদি ঙমখিদে।

ঐগী বুদ্ধিনা লাম্বা ফংদ্রবা থাজবা-থাজদবগী জগৎ অমগী থাক অমদা জোকরনা ঐবু থম্বীখি। মহা বৈমান, মহা কদরৱালা জোকর? লাইয়েকপা জোকর? করম্বনা অশেংবা জোকর? বুদ্ধি ভ্রম ওইখি।

রিক্সোগী বোডিদা মপানা য়েক্লম্বা বোম্বেগী ফিল্মস্টার নত্তে লাইশিংদু। নুপীগী খ্বাংকক্পি মূর্ত্তি 'বাস্ত' ঙাক্তনি। লাইশিংদুগী থবাক্কি শরুক্তি শারিনা মচেৎ খজিক্তং কুপ্পি। তোঙথোকপা থবাক্কি ফজবদু উবদা সেক্সকি মনম ফাওরকখি। স্বপ্নদা শান্ননীংদুনা ঐনা লাই অমখক পীয়ু হায়বদা 'না' হায়খিদে। তৌবতবু চুরুপ মচৈ অহুমগা শিন্নবা তাখি।

'লাইশিংদু লিকশিবা (হিন্দু) ধোবী অমগী মচা নুপীনি, লৈখিদ্রে, মানা হায়, মোম্পাক মখাদগী নুপীদুনা ইরকপা প্রেমপত্র য়েংহলি। 'প্রাণের প্রাণ' (থৱায়গী থৱায়), 'হৃদয়েশ্বর' (থম্মোয়গী ঈশ্বর) অসিনা হৌবা প্রেমপত্র ঙাক্তনি।

'চন্ডীদাস-রজকিনি-রামিগী ৱারীরো, জোকর?'

খুম্মক্তে।

জোকরগী নুংশিবী লৈরমগনি হায়বগী থাজবা বিন্দু অমত্তা লৈরমদে শেংনা হায়রবদা। প্রেমিকা লৈতবা পাখং ঐনা জোকরবু অমুক্তসু হেন্না মিহৌখি। প্রোক প্রোক চাকখি, খুদুম অমত্তা মাঙহনদনা লাইবক্তা শুনীংবা পোকখি।

টেবলদা ফমুংদা অমদা অমদা লাইরিক খরসু লৈরম্মী। ঐ ঙকখি! চা দুকান্দা মীচমশিংগা ফম্মিন্নদুনা চুরুপ-বেরী নীবা, লেমজা চাবা, ওইদবা ঙাঙবা ঠোগ অসি লাই য়েকপতা নত্তনা লাইরিকসু পাবোইরে।

আর্থার কোয়েসলরগী 'দ্য যোগী এ্যন্ড দ্য কোমিশার' কৌবা ইউনাইটেড স্টেটস ইনফোরমেসন সার্ভিস লাইব্রেরীনা শীন্দুনা বাংলাদা হন্দোকহন্বা লাইরিক অদু উই। লামায় অমা থেকচিনলি। থেকচিনলিবা লামায়দু লেখককি শম্মপ্পা পুন্সি ৱারীনি। আর্গনাইজেশন অসিনা ফোঙবা লাইরিকশিং ফ্রি মক নত্রবসু হোঙনা য়োনলি।

'হুরানলকপা লাইরিকলা?' ফাগী তৌই।

'নখোয়না ঐবু হেক্তা জাৎ-জাৎ খনলি। লাইরিক লাইশু তমহৌদবা ঐখোয় লাইরিক হৈনবা আমেরিকানা অহোংবা মমলদা য়োনবনি, মকর-রর।'

জোকরগুম্বা মীনা অসিগুম্বা লুরবা চিন্তাগী মচাক য়াউবা লাইরিক পারমগনি হায়বসে হিন্দি-উর্দ্দু খঙদবা ঐখোয় ইমাগী লোনগৈদা হায়রগা 'আশানোক' হায়বদুনি।

'রাইটারসিনা করি হায় খঙব্রা? শুনো সখা মকর, শিবদা কিন্নীংঙাইগী ৱাফম লৈতে। কিন্নীংঙাই ওইরিবদি শিবগী মওং-মতৌ অমদি প্রোসেস অদুনি!'

অসি হায়রম্মগা জোকর ফক্লাংরোমদা য়েংদুনা লৈখি।

জোকরগী ময়ুমদগী হলকখি, পুক্লীংনা শাগৎপা শকখঙদবা জোকর অমগী মূর্ত্তি পুরগা থিৎলি থিৎলি নোং চুই নুমিৎ অদো, কাংগী মতমনি।

কোলেজদগী হলকপদা জোকরনা মকর হায়না কন্না লাউরকত্রিঙৈ ঐ চা-দুকানদুগী মপা য়ৌরকপদা সাইকেলদগী কুমথৈ, মা লৈরমদে, ঙসি নুংথিল মানা লৈরমদবসিমসু 'আশানোক' নি।

কোলেজ কাবা মতমদা মাগা থেংনখিবনি। হরাওনা কিংস্টোর্ক চুরুপ মচৈ অমা লানলকখি। চা-সিংঙারা খিলাইখি।

'নঙ শেন পাইরেকো! গুড গুড!'

'মকর, নখোয়না ঐবু মী-মচা ওইনা খনলিবদু চুমদে। ঐ প্রমান পীরমগনি নোংমদি, ——!!!' চৈরকই, 'অদুগী মচা, মকর!!'

জোকর উদবদুদা সাইকেল থৌগে তৌই। চা দুকানগী মপু লাল মিয়ানা খঙলাউ লাউরকই, 'হুনছোনিবা! (তারব্রা) নঙগী মরুপ, জোকর থৌরী য়ান্দুনা শিরে। ময়ুমদা পুলিস লাক্লে! মাগী অঙাং পিশক ভাগিনাদুদা (মচনগী মচা) সার্কাসকি খেল উৎকে হায়রম্মগা মঙকশমদা থৌরী থুরগা সীলিংদগী চোংথরকই। অঙাং অদুনা পেন্ডুলামগুম হাইরিবা মাম্মবু য়েংলগা খুবাক খুই হায়!'

লালমিয়ানা তম্বা পাওদো তাবদা! উন্‌গুম্না ইংলবা নুংশিৎ অমদি ঐগী থম্মোয় ফাওরগা চৎখি। ফনা শাংনা সাইকেল ইনলা ইনলগা লাকখি।

খনলি-পুন্সিগী আশানোক সার্কাস-কুম্মৈগী জোকার ঙাক্তনি হিংলিবা ঐখোয়সু! ❑

Scanned with CamScanner

# লূকমায়দা য়েবা নুমিৎকি মঙাল

'নঙগা অমুক হন্না উন্নগনি থাজদ্রে, নঙগী মঙ্গোল ঈশ্বরদা নীজরি।—ইতি!!!'

চিঠিগী মরু ওইবা অরোইবা পরেংসি পারগা অঙাওবী বিধুমুখিদৌনা মশম ফোয়। ব্রেং ব্রেং ঙাংই। 'ঈশ্বরদা ঐগীদমক মঙ্গোল নীরিবা নঙ কনানো?' হায়রগা পংনোক্তসু নোকই। অদুগা কপতি কপনীং কপ্পদি ঙমদবা খোইরাং-খোইশাউনবা, শাউনিংবা পোকপা ৰাখল অমা, অমম্বদা লুমহাৎ-হাৎপা মী অমগুম লুমদুনা লৈবোই খনলি, তু চুংলকই।

'ইতি' হায়বা ৰাহৈনা চৈখৈ চিংদুনা চিঠি লোইশিনবগুম পুন্সিসি লোয়শিনবিখ্রবা, শান্তিগী সংসার অমদা লৈজগদবনি। আত্মঘাৎ তৌদুনা শিবসু ঙমদে। ৰাইদা, অশিগুম্বা পুন্সিসে। থম্মোয় হায়বসে ঐগী থম্মোয়দা লৈরমদ্রবা ঐ য়াম্না নুংঙাইনা হিংজরমগদবনি, থম্মোয়নুংদা শোঞ্জে।

প্রেমনা পংথহনলিঙৈদা মহা খদ্রক নুপা (মমিং পননীংদে) অমনা খুদোংচাবা লৌবিরবা তুংদা হাকুম য়াউশং মৈথাবা নুমিত্তা চেমনদা ইরকপা চিঠিনি। অমনবগী জাৎতা ফজফম অমত্তা লৈতে মীদগী হৌরদুনা । শুপতেক-নাতেকপা, অখুইবা, অপূম্বা অসিঙাক্তনি, নুমিৎদুমক্তদা মৈ থাদোক্কে তৌরম্মী। অদুবু নীংবা কায়বগী দলিল ওইনা থমগে খনলুবনা মৈ থাদোকখিদে।

চিঠি ইরকখিবগী নুমিৎ খরনি লৈরগা লুহোঙখি, মফূৎ মফূৎ লাংবা লিনগী জাৎকি নুপাদো। শেল পাইবা লাইরিক হৈবা মোয়-মশেল লুহোংনবনি, কলক হেক পেনলি, অনীরক চিংলুরবা ফারুরবা নুপীনি মতুদো, মা নোকফেৎ তৌই।

মাবু কোয়বা মতমদা মমানদি শোন্থাংননা হায়খি, 'শকফা, চেকশিল্লু, নুপাদু মশক মতৌ ফজে, নঙগা লাম্বা চানদে। মীনা হাই, শখীতোম্বীগসু কোয়নৈ। চুম্বা-চুমদবা ইমাদি খঙদে। পোৎফমফম্বী বোরায়োম্বিগী মচাদা নুংশিবগী লাং থাকপা ওইরমগনিকো, নঙদি লৈশাবীনি, হঙোই লৈশাবী ফাউবদা নুপানা তান্নরিবা জাৎনি।'

ইমাদু মাইবীগুম্না খেন য়েংবা হৈবী মী ওইরমগদ্রা হায়দুনসু খনলি। তম্মক্তদবা নোংদমগী ৰা মরিক চুন্না হায়রম্মিবা মমাবু অমুক্তসু হেন্না নুংশিরকই। মতাঙসিদা পি তাখিবা খঙহৌদে। মমা শিবা অদুগা শোরাৎ নুমিত্তা কপখিবদুগা ঙসি কপ্পসিগা খেন্নবা লৈব্রা? ৰাখলদা ৰাহংসে থম্মি, পাওখুম ফংদে। লৈখিদ্রবা মমাগী স্মৃতিশিংদুগী মরক্তা

Scanned with CamScanner

মশাগী ওইবা স্মৃতি খরসু লান্না চঙশিনলকপদু পাপনি খন্না খন্না থিংবা ঙমদবা অৱাবগী শাফু কন্বা নুংশিৎ অমা হুমলকই, ফেৎ ফেৎ হাইনা খাঙই।

ৱাখল-চিন্তাবু থিংবগী শক্তি কনাগী লৈবগে? পূণ্যগী শাসন্না ৱারক ঙমদ্রবা থম্মোয় খুদিংদা লাই শাদুনা লৈবা অথোইবা লাইনি ৱাখল-চিন্তা।

খঙদে করম্বা ভাবতগী চিঠিসি ঙসি মানা অমুক হন্না পারিবসি। মতম খরা স্কুল কারুবদগী ইবা-পাবা হৈখিবসে অভিশাপ অমনি, পূণ্য লূপখ্রবা পাপনি খনলকই।

ইবা-পাবা হৈতবা হাজিরা শুবা মপাবু নীংশিংলকই। মহাক্তি আৱাবসি ফংখিদ্রবনি মরাইবক ফবা মীনি খনলি।

মমানা মাবু নাউপুরিঙৈদা শিখিবা মপাগী মশক কল্পনাদা শাগৎলি। অনুভবনা শাগৎপা খম্বগী মশক্নি। মমানা হায়খি, 'নপাদো লিংজেল খায়, মশা মউ মরৈ-মরৈ তাই। কুচু খরা লৈথৈ, য়াম্না সরলনি, মীনুংশি লৈবা মীনি। কোহিমাদা নাগা লালহৌগী থৌদোক অমদা অচম্বা মী খরা শিখিবদা নপাসু য়াউখি।'

মাবু থম্মোয় শেংনা কোইতান তান্নবা লবঙ্গবু মতাঙসিদা নীংশিলকই। মাসু লিংজেল খায়, মশা মউ মরৈ-মরৈ তাই, কুচু খরা লৈথৈ, য়াম্না সরলনি, মীনুংশি লৈবা মীনি।

হায়রম্মী, 'শকফা, করিগুম্বা দরকার লৈবা মতাঙদা নঙনা লবঙ্গবু নীংশিংলকপদা লবঙ্গ নঙগী ননাক্তা শোয়দনা লাক্কনি, নীংবা কায়হনলোই। লবঙ্গগী ৱাশক্নি। ঈশ্বরগী মতিক লৈতে ঐগী ৱাশক থুগাইবগী।'

লাইগা শীংনবা মী অদুবু ঙসিদি চরোং চরোং পাম্বা আশাগী উ পাম্বী ওইনা উরকখি। লৈশিন লৈশিন হঞ্জিন হঞ্জিন লবঙ্গগী মমি চোংথোরকই, হিংলিবা মীগী মমিনি। মমিদো উবদা মখুৎ অনীনা মায়, মাগী মপোপ কায়দ্রিবা তগৎ তগৎ তেকপা লৈশা-হকচাং।

লবঙ্গ হোরায়-খায়বা মীনি। নোংমা কালেনগী শাখ্রবা নুংশাদা হুমাং জিরি জিরি কাংনা হোরায় খায়রম্মি, মাগী হরিহরা বন্ধু পুখ্রম্বম সেলিম মৌবানি। শেগ্রাক ককপি অমোৎপা মুজা ফূরিৎ অমা লিৎলি। ফ্রা ফ্রা লাউবা খাকি হাফ পেন্ট শেৎলি। অনীমক্কি ফিজোলসু অমত্তনি। মতাঙ অদুদা মখোয় অনীদুনা মাবু উবদা ইকাইরদুনা উনা উনা উশিন্নদবা শাখিবদু ঙসিসু কাউবা ঙমদে। নোকসু নোকনীংখি অদুবু অৱা-নুংঙাই য়ান্নবা মীনুংশি পোকপা ৱাখল অমনা নোকপা ঙমখিদে।

লবঙ্গ মশক থিবা মীনি। মশম খোইজুগুম উরু উরু তাশিলি। হন্দোকপা ঙম্দ্রবা পূনখ্রবা অমুবা লংবুলগুম্মি। মীনা হায়নৈ, ব্রিটিশকি অমুবা লাম্মী অমগী ধারা নালানি। অদুবু মরক মরক্তা মথন্তা ঈশৈ ঙংদুনা মাগী য়ুমগা শন্নবা লৈরক অদু ফাওরগা লবঙ্গনা চৎখিবা মতমদা শকথিবা লবঙ্গগী মশক অদো থম্মোয়গী নীংথিরবা মায়খুম অমনা কুপশিনবীখি।

সেলিম লিলোংদগীনি, পোকমিন্নবা মচিল-মনাউদগী হেন্না নুংশি-চাননা চরু-লৈখোমনা শাবা মপা-মপুনা দান তৌরম্বা খাঙপোকশঙদুদা লৈমিন্নবা মরুপনি। লবঙ্গগী

Scanned with CamScanner

সেলিম নত্তনা কনা লৈতে, লাই নত্তনা অনীমক্কিসু কনা লৈজদে। লৈকায়না চংহনদবা অনীনি।

চয়োল অনীরোম হায়বদুনি মথন্তা তুম্বা চাবা খঙদমখৈ সুম তৌনা লৈরক্লিবসি। অয়াম্বা মতমদা চরা হেন্বনা মখোয় ইমুংগী চৎনবী ওইরম্বদো ঙসিদি শোরাৎকি নুংদাংদা ঙাতংখিবগী লেমহৌবা চাক-এনছাং পিক থন্না লৈ। অবোক কৌজবা খা লৈকাইগী নাতেক সনানা 'নশাদো শোননি খরা চারো' হায়দুনা য়াম্না তক্লম্মি, চানীং-থক্লীংবা পোক্তে। চাবা-চাদবা নোংমদি শিদৌরিবনি খনলকই, থৌশারুবগী করিসু মরম লৈতে। ওইবা য়াবা, পুন্সিগী ওইনা লৈখিগদৌবা চড়াং খোইরাংনবা রাখলগী লায়নানি। যাহাসু ওইজরসনু থোকঅবা অমা লাকপা হায়বদুনি, অশিবা মীগী মথক্তা লৈবাক কিলো অমনা ননবগা কিলো কোটি কোটিনা ননবগা অমহানি, হায়না খনদোক্লবা হোৎনৈ।

অহিংগী থেংলবা তাংলৌনি। হরিনোংনাং শঙ্গু শঙ্গুনা শাউনিংবা পোকহন্বা সুর অমত্তদা খোংবগুম হায়ফম খঙদবা রাখল অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন নৈশিন্দুনা লৈরম্বদগী ফুক হৌগৎলগা মমাগী লূকমায় থিরকই। থিরি থিরিঙৈ অশোমদা নোংঙালমদায়গী নুমিৎ থোরক্লে। উই, শম্থি-লৈঙোই তৈবা ফক্লাংগী অহোবদগী চংলকপা নুমিৎকি মঙালনা লূকমায়দা য়েরবদো। উই, নিক্ নিক্ লাউবা অথেনপোৎশিং, চাক চানীংলমদবদুসু চানীংবা পোকলে। লাদা চাক চজিক অদু থিদোক্লগা হুকই। চেং চংবা চগৃংনি। মমানা নোংমা হায়খি, 'চেং চংলগদি মহৈ-মরোং চুম্মী, নুঙাই য়াইফনা পানলি-হায়বগীসু থাজনবী লৈ।' ❑

# ইনেহন

ইনেহনগী মখোল তাবগা ঐখোয় হয়িং খোংয়াম্বীদৌনা মনাক্তা পাইশিনলি। ইনেহন্না পুরকপা অচাপোৎ অদুনি চাদৌগী পাইশিনবদু। অরাকপা খুদিংগী কবোক মুড়ি-খোইবাক, চমু কবোক্কী খোইদুম, কাংশুবী অমা নত্রগা অমা পুরকপসি ইনেহনগী অকক্লবা অভ্যাস অমনি হায়বা য়াই। 'তায়েমা'গীনি হায়দুনসু নিরামিষ চাবা ঐবু পোকপা অহনগীদমক লৈবাক্কী চফু মচা অমদা যোতোন তৌনা য়োল্লগা দোই-মা, ঠাসু পুরকই। চিনি থাক্তনা শেন্বা দোই-মাঠাদু শীনলি হায়দুনা ঐদি চাদে মানশু পীজদে। পুখ্রিদগী ঈন্ খোল্লগা ফাবা ঙা য়াইথোক্লগসু পুরকই। খ্বাঙচেৎতা য়েপ্তুনা থম্বা ক্বা মতপ মতপশিংদুনা ইমাগী। চরা হেল্লসু পানা চাবা ইমানি।

ঐদি চক্রি ফত্তবা অঙাংনি হায়দুনা অচাপোৎকি পোৎয়োম থোকপগা ইনেহন্না ঐঙোন্দা হান্না পী। অদু লৌনা লৌনা অমমুক মীহৌদুনা খুনুখ্রংদৌনা লাকই। ঐগা চহী অমা মখায়রোমতং কান্নবা ইচে অমা লৈ। পোৎ লাক্তুনা চাবগী ঐগী স্বভাব অসি মা পামদে। শম লাক্তুনা চিংথোকই। নাবা ফাওহন্দনা খুপাক্লা শেৎ শেৎ থাই। ইচেদুগী মমিং রূপো কোই, মশক মতৌ ফজে। মদুনসু ইমা-ইপানা মাগী মিং রূপো থোনবীবা ওইরমগনি খনলি। ইচে রূপোনা ঐবু শেৎ শেৎ থাবদুদা ইনেহন্না খামই, 'রূ-পো!! বাবুদি অঙাংনি ফূবীনু, ফূবীনু।"

থোইনমক চানীংবা লৈরবসু ঙসাই ঐনা লাকখিবা খোইদূম খঙ্দে অমা খঙ্দে ইচে রূপোদা অমুক পীথোকই। ইচেদা পীথোকখিবদু ফুবা কিবগী নত্তে অদুবু করি মরমগী মঙোন্দা চাউ হায়দুনা অমুক পীথোকখিবনো, ঐ খঙদে! ইচে রূপোনা, য়ারে য়ারে, চাজরোদা' হায়রগা মাগী শরুক্তগী খরা খায়রগসু অমুক পীথোরকই। মানা ঐবু ফু চৈবীরবসু য়াম্নসু নুংশিনা তৌবী হায়বসে অঙাং ওইরবসু অনুভব তৌবা ঙম্মী। মৌপ্মা অতৈ লৈজদে, ঐগীসু ইচে'সিমতনি। ইমা-ইপাগী সংসারদা মচাশিং হায়ববু ঐখোয় অনীনা লোইরে।

চাবা থকপদা ঐ য়াম্না করাম চাউই, চোপসু চোপই। অরাম খৌরাংবা ঐগীতা ওইনা তৌই হায়বসে ময়াম্নসু খঙই। অদুনা অচাপোৎ লাকতুনা চারবসু ইনেহন শাউ-লাক্তে। থৌ-ৰা শাদে। 'বালকৃষ্ণ ফাওবা লাকতুনা-হুরান্দুনা অহাউ-অথুম চারিবনিদা!' হায়রগা ফাক ফাক নোকই। ইনেহনগী খুনোক অদুগী সাউন্ড, লাওনা কাথোরকপা মচীন,

Scanned with CamScanner

নোকপা মতমদা থৌরবা কনম পয়ানা য়াৎলগা ফাৎপা মান্না খুজিল্লকপা মমিৎ অনীদুগী সাইজ; কেবোলো ঐগী ইপানি।

চাবদা জাৎ জাৎ য়াম্না তৌরবনি, ওইনম্বা লৈবাক চেনবাক্ ফাওবা খাক্তে। লাইদা কৎত্রিবা লাইপ্রসাদ হুরালগসু চাই। থেংনরুবা মতমদা 'তৌহৈদে তৌহৈদে পাপী নঙবু' হায়রগা ফুদগী ইমানা কোইতান তান্নে। পাখত্তুনা চেনবদা খুদি থীদুনা তুশিনবসু কয়ানি। ইমানা হীগা য়েৈবী, তুশিনফমদুদগী ফনেক্না ফিগাও শারগা পোৎ অমা পুরকপগী অভিনয় তৌরগা মুরুম মুরুম মন্ত্র শোন্দুনা কল্পনাগী পোৎশক অমা চিনদা কুক্ কুক্ ইনবী। ঐদি মদু ঐবু শাস্তি পীবা ওইরবোইতা খনলি। ইমানা ইনবীবা কল্পনাগী পোৎ অদু ঐগী থৱায়-মিনি, কোনথংদা ভাব তারকখি। চাবা হেনমম্বদগী হজম ৱাৎতুনা তীল হৌদুনা ওবসু কোঙ্গায়নি। ইমানা চৈনা চৈনা নুংদাংদা থাউ-থুম পুক্তা নোইবী। থুম ঈশিংদা নৈরগা পীথকই। "চাদনা থন্না চখোমজাউ য়েংদা শন্না মীৎলাউবী। ছাতক্কী মীদৌনা ফুগাম থুংবা, পৈ তাবা, চাখাউসু খূ য়ৌনা চোন্থবা, থীবোঙ লাও অঙাং" নি হায়দুনা ময়াম্না লক্লবী।

সিলেটকি ছাতক কৌবা মফম অমা লৈ, মফমদুগী অয়াম্বা মীশিং পৈ তায়। ফুগাম থুংই, হৱা-নুংশিৎ ঈশিংননি হায়নৈ। অসিমসু হায়নৈ, ছাতক মচাদি ফুরিৎকি কুদাম ফাবদা লৈবাক্তা হিপহল্লগা মী অমনা মবুক্তা নেত্থবা তায়, মতমদুগী ৱানি।

ঐগী শরু লীৎথোকপা থবাক্কী মখাদা পৈ তাবদু ঐসু উই। অদুবু মীনা ঐবু লক্লবা মতমদা ইচে রূপোনা ময়ামদু ফুদৌগী কোইতান তান্নে। ইচেদু মনুং মতম চাদনা লৈখিদে ঐনা চহী মাপলরোম শুরকপদা। ইচেনা লৈখিদবা মতুংদা হান্নদৌনা ইনেহনগী মনাক্তা পাইশিল্লগা লাক্তুনা চাবগী ঐগী হৈনবীদু খংমাঙ মাঙখি। ইনেহন্না পুরকপা অচাপোৎ উরগা মাবু হেক্তা নীংশিংলকই, ইনাক্তা লৈবোইতা খনলি। ইনেহননা পীরবসু মায় ওনথোক্তুনা ঐ তুমিন্না লৈথোকই, তপ্না তপ্না হন্দোরকই। ঐনা তৌরিবদু ইনেহননা ওইনরিনি লৌখি। সে সে হায়দুনা লৌনবা ঐবু থেম্বদু পুন্সিগী ওইনা ওইনদুনা চৎখিবা ইচেদা ওইরবোইতা খন্লি।

ইচেগীদমক ইমানা মথৱায় য়াম্না নুংঙাইখিদে, ঙামু-অরৌবগী কারুম কারুম তৌবা মকোক চাগে চাগে য়াম্না হায়জরম্মী হায়।

থোঙজিনদা তাইরেন মনা থেৎলিঙৈ, ঙামু-ঙরাং লৌবা, থাউ চাবা য়াদ্রিঙৈ মতমদা অনাবনা ঙামু মকোক চাগে হায়বদুদা ইমা য়াম্না নুংশা থিখি, পীজখিদে, ইমাসু কৈদৌনুংদা অমুক হন্না ঙামু চাখিদে।

ঙসিসু ইচে রূপোবু নীংশিংলুরগা থম্মোয় হুক্তুনা অইংবা নুংশিৎ অমা হুমজিল্লকপগুম তৌই কপনীংবা অমসু হেক্তা নপশিল্লকই, নুংশা স্বর থিংই। ঐনা ঈশ্বর ওইরম্লবদি মাবু কনবিবা য়ারম্বনি হায়বগী ওইথোক্তবা ৱাহং অমনসু ঐবু চাকহন্খি।

ইনেহন লাইরবী লুখ্রাবীনি।

সিলেটকি লুখ্রাবীদি অঙৌবা ফি শেৎনৈ। ইচু তাবা অঙৌবা ফনেক ইন্নফি লুনা, নান্না শেৎপদুনা লাইরবীনি হায়বদু কনানসু থাজদে। ফিঙৌ শেৎপী, ঙৌনা রাশি লৈবী, অমুবা চন্দন থিনবী, নোকমি-নোকমি-তৌবী, শাউজদবী, পীশুম পানা হৌজরবসু মায়থোং নুংশিবী, তরু তরুবী, মপুন্সিগী খোঙউপ তোংলক্তবী, খুনিং কায়দবী মীওই অসিনি ঐনা জ্ঞান তারকপদগী উরক-খংলকপা ঐগী ইনেহন।

ইনেহনগী মকু-মনেমনচিংবা কনা লৈজদে, মামবুঙোতনি, ঐ মামবুঙো উহৌদে। ইমাখোয়না হায়নবদগী সুম তাববু মহাক য়ুমকৈ শাবগী ঠিকাদারনি। পীৎ পীৎ, তীক তীক লাউবা, দিল চাউবা, পীজ- পীথক ফজবা মীশক্লি। মহাক্না হিংলিঙৈদদি অৰাৎ-অপা থোইনা লৈরমদে, লিংনা পাল্লম্মী। খৌরিগী অপোম্বা লায়না অমনা চাব-থকপা ঙমদদুনা লৈখিদে। ইমানা তত্তনা নুংঙাইতনা শোনলি, 'ইপ্পাদু লৈজরল্লবদি করিসু লাঞ্জদবী, কনাদসু মিৎ কন্না য়েংবা ফাওবা য়েংজদবী ইচলসি সুক থীনা ৰারম্লোইকো, হে ঈশ্বর নঙগী করম্বা লীলানো?

ঈশ্বরগী কৃপাদগী পৃথিবীদা মচা অহুমদি থল্লম্মী মামবুঙোনা, লালা সিংনা অহলনি। মাদি ঙন্তানা মচা লৈবা তুমন অমগা লুহোংলগা য়াওং ইন্দুনা ইন্দিয়াদা চৎখিবদগী মচীল-মনাও-মমা হন্না তুনা য়েংলকখিদে। মাগী মিং পনদনা মাবু ইনেহননা 'তু-পামদা লৈবা' কৌই।

মথংদা লীলাবতী, অখৎপী অপাইবী লাইহোরিনি। ফনেক নীঙগ্রী তাখৎলগা উতোন য়ৌনা কাদুনা উহৈ-ৰাহৈ হেকপা ঙম্মী। মানা উথক কাবদু নূপামচাশিংনা মমিৎ কুপ্তবমখৈ মখাদগী য়েংদুনা লৈ হায়। মানী কাবক কাবক লৈশাবী ফারকপগা মপাগী য়ুমকৈ শাবগী থবক্তা মিস্ত্রি ওইরম্বা কাছাড়গী মৈতৈমচা অমদা চেনখি হায়, কদায়দা চেনদুনা লৈখ্রবা পত্তা লৈতে।

অতোম্বদুদি পরিবারগী মিংচৎ থীহন্বগী কারবার তৌই। মপু পান্দবা, কৈথেলদা থাদোকপা কাওদৌনা কোয়চৎ চৎলি হায়নৈ। অশেংবা মমিং করি কৌই হায়বা ঙমদে। 'লফংগা' হায়রগা খংনৈ। মিংদাসে লমচৎ ফবা মীগী মিং ওইরমগনি থাজদে। মা ঐখোয়দা ইনেহনগা লোয়ননা নোংমতা লাকপা উখিদে, মশক্তি খংঙি। ফরসু ফৎত্রসু ইনেহনগী মচানি। ঐনা স্কুল কাবা হৌবা মতমদা মরক মরক্তা লম্বী-লমখাংদা থেংনরগা হাই-হেলো তৌনৈ। নীংবা-থুংদবগী মকশিল্লবা ছাপা ময়েক অমা মাগী মায়থোংদা থেৎপগুম তৌই। ফন্নমক মদু মানা পৃথিবীদগী লোৎতুনা থন্নবা হোৎনরবসু লোৎপা ঙমদনা মায়কৈ শলাই খঙদবা মায়কৈরোমদা মমায় লৈথোক-লৈথোকলগা লৈবদুসু ঐগী ইন্দ্রিদা ফাউই।

মচা অহুম্মক শিদে লৈরি অসি ইনেহনগী সাধনানা ওইরম্বা য়াই অদুবু অৰাবা খাঙবগী অহকপা মমি অমা ইনেহনগী পোমলি পোমলিবা মমিৎ অনীদা মতমপুম্বা লৈবগুম তৌই হায়বসিসু ঐগী ইন্দ্রিদা ফাউই।

ইনেহননা তোয়না তোয়না লাক্লিবমখৈ ঐখোয় হরাউজে। তোয়না তোয়না লাক্লবা লাই খুরুম্মী। ইনেহন্না লাকপদসু ছুটি নুমিৎকি অয়ুক্তা ওইগনলি। অদুনা ঐখোয় পরিবারগী

Scanned with CamScanner

মী লোয়নমক পুনবা মতাঙ ওইনতা থোকই। ঐখোয়বু পোকপা অহল অনীমকসু য়াম্না নুংশিনা তৌবী। তোয়না লাকমনখ্রেদা হায়দুনা কনামত্তনসু পাওহোম খোহম্বা তৌদে।

অরাকপা খুদিংগী ইমানা বোরাখাও মচা অমদা হৰাই-চেংৰাই, ইংখোলদা পানবা মনামশীং থন্নবা হাপ্পী। পাবুংনসু 'সে সে' হায়দুনা করিগুম্বা পোৎ অমসু অরাকখুদিংগী মখুৎতা হাপ্পী। অঙৌবা ইন্নফিগী ফিজিদা পোৎ অদু পাম্মুনা কিশি কির-কিরগা মপি তৈথোকই। মপি তৈথোক তৈথোক্লা পাবুংগী খোঙ শোক্লগা খুরুম্মী।

নোংমদি ইনেহননা ময়ুম হনবদা ঐসু লম্বী মতেক খরা মাগা লোয়ননা চৎলি। ঙাইহৌরিবা ইমান্নবশিংগা শান্নদগী চৎপনি। ইমান্নবশিং উবদগী ঐনা লৈথহৌগে তৌবা মতমদুদা খুৎ পায়দুনা চিংই ইনেহন্না। য়াম্না নুংঙাইতনা তকসি শোনবগুম হায়, 'ইচা অমত্তা মী ওইদ্রে, লাইরিক্‌সু ওইদ্রে, নঙনা শান্নবদা থৰায় য়াউরিবসিগুম লাইরিক্তসু থৰায় য়াউগদবনিকো, মী ওইরকউকো, ইনেহন্না আর্শীবাদ পীরি, বাবু।'

অদুদগী মপুন্সিগী খোঙউপ তোংলক্তবা শোনলবা মখোঙ অনীদু লূম্না লূম্না থাংলগা তপ্না তপ্না চৎখি। ইনেহন্না চৎখিবা মাইকৈ তন্না ভাব অমদা ঙহাক য়েংদুনা লৈখি। অরাপ্পদগী উই, লফংগানা কদোমদগীনো লঙজাগুম্ পাইশিল্লক্তুনা ইনেহন্‌গী অঙৌবা ইন্নফিগী ফিজিগী কিশি থোক্তৌগী ইনেহন্‌গা লাক্লবদো।

মতম খরগী মতুংদা তোয়না তোয়না লাকলম্বা ইনেহন্ লাকখিদ্রে। অহলশিংনা ঙাঙনবদগী নোংমা খঙবা ঙমখি, ময়ুম মকৈ য়োম্থোক্তুনা ইন্ডিয়াদা ললিতনা ইনেহনবু পুরগা চৎখ্রে। অদুদতা খঙই লফঙ্গাগী মমিং ললিত কৌই হায়বদু। পুন্সিগী রুল মতুং ইন্না ঐবু পোকপা অহল অনীমকসু মথং মথং লৈখিদ্রে। ইচে, ইনেহনসু মাগী মাগী লম্বীদা চৎখ্রে। ঐগী পুন্সিসে পুমহাঙ হাঙলবোই খনখি। অদুবু মতমগী নিয়ম মতুং ইন্না কাওথোকপগী শরুক্না সুম সুম হেঞ্জিলকপনা অহাঙবদু মেল্লকখি। ইচে, ইনেহনগী ৰাসু অদুমঙাই।

হৌজিক ঐ চাউরে, অঙাং ওইরিঙৈগী পৈ তাবা অবয়ব অদু উবা ফংদ্রে, অরাম-খৌরাংবদুসু থিংবা ঙমলে, ইপুজেং পুবা ঙমলে। ইথন্তা হিংবগী উপযুক্ত ওইরে। লাইরিক্‌সু তমহৌরে, প্রাইভেট স্কুল অমদা ওজাসু ওইরে। পেনদবা খরা লৈরবসু 'পেনদব' না ঐবু ক্রক ক্রক চিক্তুনা শায়বা ঙম্লক্তরবা মতাঙনি।

অসুম্না লৈরিঙৈ মতমদা নোংমা মৰূপ অমনা হৌবদগী পরপ পরপ পাসপোর্ট লৌথোক্লগা মেঘালয়গী শিলোংদা কোইবা চংলি। সিলেট সহরদগী মফমসি নোংমগী লম্বী নত্তে। অয়ুক অঙন্বদা খোঙশানলগা নুমিৎ লৈরিঙৈদা য়ৌবা য়াই। ট্রফিক্কী বেরা লৈতবনা ঐখোয় নুংথিল পোবোবতা থুংই। বরবাজারগী হোটেল অমদা ঙহাক রেস্ট লৌদুনা ফ্রেস ওইথোকঅগা শিলোংগী ময়োল ওইরিবা পুলিসবাজার য়েংলুসি হায়দুনা চৎলি।

ঐনা অমুক্তা লাকত্রিবা মফমনি, খাসিশিংগী লোল লি খঙদে। লম্বী-থোংসু অমুক ৱাংখৎ অমুক নেমথ তৌই, রিক্সা চেনদবা লমনি। কাথোক-কাশিন তৌবদা ৱারদুনা ঐখোয় অনী চা-দুকান অমদা চংই। মথংদা করি তৌসিগে মদুগী প্লান তৌরিঙৈ মতমদুদা অথাপ্পদা উই, মখোঙদা ফেনাৎ, মখুত্তা পর্স পায়দুনা অঙাং নূপামচা অমগা নূপীমচা অমগা লোয়ননা লম্বীগী মতায়দা লেপ্তুনা লৈবী, পুঙৌ ফনেক শেৎপী, পুলোভারগী মথক্তা অঙৌবদা মোইরাংফি কুহি মচুনা হৎপা ইন্নফিনা মকোক কুপ্পী অহল ওইরবী মীওই অমা। ময়াং শক্তা তাবা খাসিশিংগী মরক্তা লংফৈদা মৈতৈমচা উবসি থম্মোয়দা ইজাতি থেংনবগী নুংশিবা অমা ফাওরকই। ঐনা মনাক্তা চৎলগা ৱারী-ৱাতাই শান্নরুশিরা খনলি। সুম মুন্না য়েংশিল্লুবদা শেংনা ঙৌবীদগী নাখাংদা থীনবা লেক চারবা অমুবা চন্দোন, য়েরুমদা হামুক তৈবগুম তৌবা মায়থোংদু উই।

যুগ অমদগী হেনবা মতম্না মরক থৎখ্রবা মতমগী মতুংদা ইনেহনগী ৱা নীংশিংহলকখি। মখোঙদা ফেনাৎ, মখুত্তা পর্স? অদুবু অবিকল ইনেহনগী মওং মতৌনি। মীওইবগী পুন্সিদা অহোংবা লাকপসি মশানা তারবনি। ঐগী ইনেহনগী পুন্সিদসু করিগী অহোংবা লাকলোই? মহাকসে ঐগী ইনেহন ওইরম্বা শোইদ্রে চপ য়ুংনা খনখি। ঐনা ফুম্বংননা লৈরিঙৈ তাঞ্জাদুমক্তদা কার অমা লাক্তুনা খাল্লে। থৌরিবদু লফংগা-ললিত মানলি। অহুমমক কারদুদা কাখৎখি।

দিসেম্বর থানি। অৱাংবা ওল্টিচুদতা লৈবা অইংবা সহরনি শিলোং। অশাবা লমদগী লাকপদুনরা, অইংবদু ঐঙোন্দা অমুক্তসু হেন্না পান্লি। ইশাসে ইংবনা পংথগে তৌই। ❑

# লন্দনদগী ইরকপা

দিয়ার থোইবী,

ঐনা লৈরিবা মফম অসি লন্দনগী ২৬৫ কিংসলেন্দ কৌবা লৈকায় অমনি। যূম খূদিংমক্কী নম্বর লৈ। য়ুরোপকী মফম খূদিংমক্তা যূমগী নম্বরনা এদ্রেস ওইনৈ। হোতেলগী মমিং ফাওবা ইচম চম্বা নম্বরগা কোন্ননা লম্বীগী মিংদা চৎলি। খূদম ওইনা হায়রগা ৱেস্ত জর্মনীগী ফ্রাঙ্ক ফুর্তদা লৈরিঙৈদা ঐনা থুংলুবা হোতেল অদুগী মিং 'স্পাইজরত্রাসি ফিয়র' কৌই। 'ফিয়র' হায়বদি ৪ নি । ৪০ রুা, দ্য লিলি কৌবা যূমগী নম্বর নিফু, ঐনা লৈরম্বা পেরিসকী হোতেল অমগী মিংশুনি।

২৬৫ কিংসলেন্দগী লন্দনগী ময়োল (হার্ত ওব লন্দন) য়ৌবদা মিনিত ১৫ চংঙি। অন্দরগ্রাউন্দ ত্রেন্না নত্রগা বসনা চৎলবসু মতমগী চাং অমত্তনি। পিকাদিলি, ত্রাফলগরস্কোয়ার, অক্সফোর্দ সার্কাস, বকিংহাম পেলেস অসিনি হার্ত ওব লন্দন। ঐদি অয়াম্বা বসনা লিবরপুল স্ত্রিত য়ৌনা চৎলগা অন্দরগ্রাউন্দ ত্রেন্না পিকাদিলি চৎলি। পিকাদিলিগী প্যান্তন স্ত্রিততনি ঐগী স্কুল।

চয়োল অমদা নুমিৎ মঙানি ক্লাস তৌই, থাংজ, নোংমাইজিং হোলিদেনি। ওফিস, দুকান, ফেক্তরীনচিংবা লোইনমক নুমিৎ মঙানিনা চয়োল অমগী ৱার্কিং দে ওইনা লৌনৈ। অহানবদদি থোইনা জ্ঞান তারমদে য়ুরোপকী পুন্সি। স্কুল খঙদে, কোফী হাউস, পব্লিক বার, নাইত ক্লব খঙদে অহানবদা সেক্সনি মথংদা মতম অমসুং পৈশা; অহুম অসিদগী ঙমজবমখে নুংঙাইবা ফংবা য়ুরোপগী মীওই খূদিংমক্না খল্লিবা, ৱাখলনি। তেলিবিজন্দসু অসিদনি ঊৎলিবা, করম্বা মওংদা ফিজিকেল প্লেজর ফংবা য়াই মদুগীদমক রিসার্চকিসু অরোয়বা লৈতে।

পিকাদিলি সার্কাস লন্দনরশিংগী স্বর্গনি। মখল-মথেলগী মীনা ক্রিক-ক্রিক ইন্নৈ। শেলবু লৈরবদি কৈ মমীৎসু ফংঙি, চাউনা কোকাকোলাগী ইলেকত্রিক সাইনবোর্দকী মখাদা লৈবা 'হার্মোনী সেন্তর' গী দুকান অসিদা য়োল্লিবা পোৎশিং ইন্দিয়ানশিংগী ৱাখলগী ৱাংমনি। মরমদি সেক্সকী হীরমদা করিমত্তা চীৎথদ্রে। এক্সনগা লোয়ননা লোইনমক উৎলি। অঙকপদি য়োল্লিবীশিংসি নুপী ঙাক্তনি। পিকাদিলি লন্দনগী খোমজিন নাম্মনি হায়নৈ। অসিদগী মিনিত ১০ রোম খোঙনা অৱাং পাংনা চৎলগা লৈরে সোহো, ফজখ্রবা পোমশাৎনবী কয়া কয়াগী থোৎনৌরবা হকচাংগী কয়াৎ য়োনফম। নুমিদাংদা মায়কৈ

Scanned with CamScanner

অসিদি ঙাঙলৈনে। লম্বী লম্বীদা লেপ্পুনা লৈ নুমিদাংগী যাত্রী ঙাইরদুনা। নুপীনা চাননা নুপা ফাবসি দেশ অসিদা অনৌবা ৱারী নত্তে। ত্রেন্দা, বসতা নুপীনা পাইশিন্দুনা বোয়ফ্রেন্দবু কোনশিন্দুনা চুপ্পসি মীকুপ খুদিংগী উই।

লন্দন শহরগী লৈবাক মনুংদা মীকুপ খুদিংগী চেল্লিবা ত্রেন্দা অসুম্না ময়েক লানা ইদুনা লৈ- The underground keeps the heart beating of London শন্না হায়রবদা লন্দনগী মফম খুদিংমক্তা অন্দরগ্রাউন্দনা শমজিন্দুনা মিহুলগুম্না মতম লৈবা খিবিক্তা পুন্সিগী খুদম ঊৎলি। অহাঙবা লৈতে, অতৎপা লৈতে। ঘড়ীগুম্না মতম চানা চানা চেল্লি। নুমিৎ খুদিংগী ঐহাকসু মাগা লোয়ননা পিকাদিলি য়ৌনবা চেল্লি। লন্দনদা নত্তে, য়ুরোপকী মফম খুদিংমক অসিনি। জুম্বো জেৎকী মতৌদা মাঙ থানবা নুংশাস্বর হোনদুনা চেল্লি।

কিংসলেন্দ রোদতগী, ত্রাফালগরস্কোয়ার অন্দরগ্রাউন্দদা চৎলগা লৈ, মিনিত ১৭ চঙঙি। মিনিত ১৭ অসি ত্রেন্দা ফম্না ফম্না ঐনা ইথন্দ্রা নুমিৎ খুদিংগী শোঞ্জে,'অন্দরগ্রাউন্দ অসিনা ইবেম্মা লন্দন নহাক্কী হার্ত বিতিং ওইরি, হে অন্দরগ্রাউন্দ, নহাকপু শাবদা ভারতকী চহী চনী চংনা চুপখিবা লায়রবা ময়ামগী ঈ য়াওরিবনিকো।' অন্দরগ্রাউন্দগী অঙকপদা নৎত্রি, য়েংলু য়েংলুবা মায়কৈদা অঙকপগী অঙকপা ঙাক্তনি।

লৱায় লৈতে, শহর লৈতে কার, তেলিবিজন য়ুম খুদিংগী লৈ। মফম অসিগী মী খুদিংগী লিবিং ষ্টেন্দর্দ ভারতকী মরল লৈখ্রবা মী অমত্তনসু চপ চানা থম্বা ঙল্লোই। ফজবা নীংথিবা, অথোইবা অহেনবা মখোয়তগীনি হায়না খন্দবা ঙমদে। ঐ ঙসি ফাওবা চাক্লিবা, লায়থুং পকপা অমসুং শিরুম-নারুম তৌবা, খোঙতেক মীৎতাঙ উদ্রি হায়বা য়াই। ব্যাঙ্ক কৌবা অন্দরগ্রাউন্দগী শাংলবা লৈবাকনুংগী তোংজে মরীলদৌনা থেক্লা-খোয়না চৎপা লম্বীদা চৎলগা ঈশৈ শক্তুনা লৈবা, শেল নিবা 'হিপ্পি' দি থেংনরে। অদুবু কয়ামুক লেম-না শেল নি হায়ববু হায়নীংঙাই লৈতে। লন্দনগী অন্দরগ্রাউন্দগী ৱারীদতা এনসাইক্লোপেদিয়া অমা ইবা য়াই, ঐনা হায়বসিদি ৱাহৌদোক্তনি।

"মফম অসিগী অঙ্গং-অশাগী চাংগা লৌনম হৈবী নুপীগী পুক্নীংগা চপ মান্নে।" কন্তিনেন্ত অতৈগী ৱেদরদি থোইদোক্লা হোংদে। অঙ্গংবা নুমিৎতা ঈংঙি অশাবা নুমিৎতা শাই। বৃতেনগী মতৌগুম্না মীকুপ খুদিংগী হোংদে। নুংশা শানা শানা ত্রৎ ত্রৎ ঈংবসু লৈ, নোং মংনা মংনা ওলাংবসু লৈ। অদুনা খঙহৌদনা অঙ্গং-অশাগী চাং কয়ামুক শাথীনা হোংঙি হায়বদা লেপ্পুনা লৈরিবা, গার্দ ওবরকোত লিৎলি। ঐখোয়না কোতনচিংবগা লোয়ননা চৎত্রবদি লোক থুংবা শোয়দ্রে। মরম অসিনা ৱার্ল্ডগী অয়াম্বা মীনা বৃতেনবু নুপীগী পুক্নীংগা চাংদম্নে। শেংনা হায়রবদা য়ুরোপকী নুপীশিংগী মপুক্নীংসু অসিমক্তি। ঙসি জোনগা নুংশিনরমগনি হয়েংনা জোসেফ, জেফারস, জেফ্রি মথং-মথং চৎথনি। য়েংবদদি অমদি এক্তিবিতিদদি হায়বা ঙল্লোই। কয়াদা নুংশিখ্রবা জেনি অসিবু কৈদৌনুংদসু থাদোকপা ঙল্লোই।

সেন্দৱিইচ মসি বৃতেনগী মীনা য়াম্না পামজবা চীঞ্জাক মখল অমনি। সেন্দৱিইচ করিসু নত্তে, লোর্দ সেন্দৱিইচ কৌবা জুৱারী অমনা জ্বার শান্নরিঁঙদা মতম মাঙহন্দনা অমদি শন্না চাবা য়ানবা হায়দুনা ব্রেদ অনীনা শা অতাওবা য়েরুম অমদি চাবা য়াবা যাহা অমা য়োন্নগা চাবা তম্বিখি। লোর্দ য়াবা সেন্দৱিইচ জ্বারগী গুরুনি, মহাক্না মতম মাঙহন্দনা চাবগী পুথোক্নম্বা প্রোসেস অসিবু সেন্দৱিইচ হায়না থোনখি। মসি ঐবু ইংলিস তাকপিবা মিস্তর ব্রেয়রনা লীবা অচুম্বা ৱারীনি। হৌজিক লোর্দ সেন্দৱিইচ লৈখিদ্রে, সেন্দৱিইচতি লৈহৌরে অদুগা নুপীশিংনসু ঐবু লন্দনদা সেন্দৱিইচ শেম্বীরে।

মফম অসিগী চৎনবী অমনা নুপানা য়াম্না এগ্রেসিব ওইদ্রবদি নুপীনা পামগন্দে। অদুগা অসুন্না ৱারী শানরগা খূৎকা খূৎকা অমদি লেংজুমদা খূৎ থমদ্রবদি নুপীশিংনা ৱারৌই, মসি য়ুরোপকী ফেসননি। নৎত্রবদি আউতদেতেদ ওইরিয়েন্তেল মীওইনি হায়দুনা খল্লি। নুংঙাইবা অমনা ফিজেৎকী বেরা লৈতে, কনানা করি শেৎলিবা, চারিবা কনামত্তনা হন্নসু য়েংনদে, থৌসু থৌশাদে। অদুনা মোৎলবা খোংগ্রাউ ফূরিৎ লীৎতুনা চৎলবসু স্তাইল মখল অমা ওই। মসি ঐখোয়গী লায়রবা দেশতা ওইফম থোকপনি অদুবু লায়রবা ঐখোয়দি হঙ্গোইনা খল্লি।

'উইম্পীবার' হায়বদুদগী খ্রিচন্তলগা থোক্লগা হাইদ পার্ক তন্না চৎলি। কুইন্স গেৎকী নীংথিখ্রবা নাপীগী কার্পেত্তা ফল্লগা পলেম শক্লবা মণিপুরবু মীৎতা উই। লন্দনগী নাক্তা ঐগী নুংশিরবা ইম্ফাল তোল্লবা লুখ্রাবীগুম উই, মীৎতগী পিরাং শীন্থখিবা খঙহৌদে।

তেমস মথক্তা থোং অমত্তা নত্তে। ত্রাফলারস্কোয়ারদগী চুন্না নোংপোক পাংনা চৎলগা ব্রীজ কৌবা মফম অদুদতা চেকশীন্না অমদি পাক -শন্না লৈরিবা মথং-মথং থোং মরিদি উরে। মায়কৈ অতৈদসু লৈরি। মীৎ উইশিল্লগা উই নম্বুল মথক্তা লৈরিবা থোংশিং। অদুবু নম্বুলগী নুংশিবনা কয়াদা কনখ্রবা। থোং লৈবা লৈত্তবা ইরোইদুনা ৱাংমদা চৎলবসু কাইদে খল্লি, ফরে অসিদা লোইশিল্লগে। মিস খ্রিষ্টেল ষ্টিভেন্সকি ৱা কোন্না ইরক্কে।

ইয়োরস

.....................

মানা ইরক্লিবা চিঠিশি পাবা লোইরগা থোইবীনা থোংনাওরোমদা শেগাইরগা লংশেকখি। ❑



Scanned with CamScanner

# ঐবু লৌশিনবীরো, ঐবু থাদোকপীরো

ঙসি চহী নিফু শুরে ঐনা য়ুম থাদোরকপা। ১৯৭২, এপ্রিল, ২৬, য়ুমশকৈশা নুমিৎকি মন্নি মন্নিবা নোং কন্না চুবা অয়ুক্কি, ঐ কাউদ্রি। সন্ন্যাসিগুম য়ুমগী মায়া ত্যাগ তৌদুনা য়ুম থাদোকখিবা নত্তে। নুংঙাইবগী অমৃত থকলুরনি হায়বগী হেলোয়-মঙ অমনা আনন্দ-শক্তমগী মফি থোংদবা ইরোটিক শাথেক কয়া উৎলগা কৌথোরকপদগী থোরকখিবনি য়ুরোপ অমেরিকা তন্না। মঙ অদু ঐবু শুমহৎপীরম্লগা উন-উনা অদুম লাপ্না লৈখ্রবা ঐগী পুন্সিগী চহী নিফু মাঙহনবীখ্রবা মায়া মরিচীকানি! ঐ খঙলে। ঙসি ২০১২ গী এপ্রিল ২৬, শগোলশেননি। থা কয়া উন্না কুপশিন্দুনা লৈরবা তুংদা লাকপা অৰাং অমেরিকাগী বসন্ত ঋতুগী নুমিৎ অমনি। য়েংখি য়েংখিবা মায়কৈদা উ-ৱানা য়েনীং হুল্লদুনা, পোমশাৎনবা ল্যেবর্নম, লাইল্যাক, ট্যুলিপ লৈনা ফুগায়না শাৎলক্তুনা ফজব-নীংথিবগী শক্তম লৌবা ঋতুনি। অদুবু পৃথিবীগী মায়কৈ অমরোমদা বসন্ত নত্তে শজিবু বৈশাখকি অখাক-অরাউ-নোংলৈ নুংশিৎনা প্রলয়গী রূপ লৌবা ঋতুসুনি। পৃথিবীগী খেন্নবা রূপ অনীমক ঐগী থম্মোয়দা তিল্লরে ঙসিদি। অনুভব তৌই নীঙমদবা পুন্সিগী মোন্তাজগা লোয়নবা রবীন্দ্রনাথকি ঈশৈগী সুর অমা মতাঙসিদা। রোদন ভরা এ বসন্ত...... সখী কখনো আসেনি বুঝিয়া আগে...মোর বিরহবেদনা রাঙালো কিংশু করক্তিম রাগে' (পিরাংনা থল্লবা বসন্তনি খঙলদুনা লাকখিদ্রে, ইতা......... কিংশুক লৈগী ঙাংলবা মচুগী রাগনা শঙবীরে ঐগী কায়নমৈশা)।

মন্ট্রিয়াল সহরগী এটৱাটর কৌবা মফমদগী মেট্রোগা নাকওইনবা চিল্লবা পার্ক মচা অমগী বেঞ্চ অমদা ফমদুনা লবাট বিয়ার চিংলি, ৱাখলগী মচু শংলি। হৌখিবা মতমগী ফ্লাসবেক য়েংলি। মশীং থীবা ঙল্লরোইদবা শক্তম মখল মখলনি হৌখিবা মতমগী। শক্তমশিংদু পুলপ্না পুনশিনখিদুনা অমত্তা ওইখিবগুম তৌই। ঋতুগী নিয়ম মতুং ইন্না পার্ককি লমপাক অসিদা নৌনা ময়োল চোংখৎলিবা অশংবা নাপিথক্তা চরোয়, শেন্দাং খুনু শঙ্গু শঙ্গু চাক্তাররি। মেপল পাম্বিগী মশাদা তোংদুনা নুংশা য়াইদুনা লৈবসু য়াউই। তুনবসু য়াউই, য়াউই নুংশি নুংঙোল চীলোক্লবসু। চাক্তাররিবা জীবশিংদগী মতৌ য়েংগে হায়দুনা আলু চীপসু খরা চানবা থায়। ঈগলগী মমীৎ পানবরা খঙদে চীপস্ অদু অরাপ্পদগী উখি, মদু চাগদবগী কিনা-কিনা কদোমদগীনো সীগল খরা ক্বাক্কি অয়াকপা মখোলগুম খোং খোংদুনা পাইশিলকই, মখোয় মশেল চীক্লে।

চীপমঙ্ক হায়বা মমায়-মনগন্দা অঙৌব-অমুবা মচুগী লৈয়ী চীংবা অপিকপা খৈরোয় খরসু চাগদবগী চেনশিনলকই। চীপমঙ্কনা চাদবা পোৎ লৈতে ওমনিভোরসনি। শা-ঙা তীনকাং উহৈ-ৱাহৈ অমত্তা খাক্তে। পামজনা চাবদি ঔক্ পাম্বীগী লৈবাকহৱাইদৌনা তৌবা মহৈ একোর্ননি।

চীপমঙ্ক নত্তবা ঐখোয়না উন্নরিবা খৈরোয় অমদি ঐগী ইমাঙমক্তদা মমৈদু ৱাহোংখুদমগী মওংদা থাঙ্গৎলগা তুংগী মখোঙ অনীনা লেপ্লগা মখুৎ জোর তৌবগী মওং দা লৈ।

চাক্তারিবা জীবশিংদুগী মরক্তা খৈরোয়না মপাঙ্গল কনবা হেনলি, মনাক চঙহন্দে। মপাঙ্গল কনবদনতা চাখি। অশোনবশিংদুনা তঙক তঙক মীহৌনা য়েংদুনা তাঞ্জা ঙাই। অঙম অঙম্বনা চানৈ হায়বদুগী প্রিমিটিভ দৃশ্যনি।

অমরোমদা নামিবা মলয়াদা শংলি-মালিবা উনাশিংনা হাইহুম্লদুনা বসন্তগী হৱাউ জগোই শারি। মহৌশা লাইরেম্বীগী লীলাসি য়েংনা য়েংনা ইশাগী মরমদা খনলি, ঐগী জগত্তা ঐনা শারিবা জগোইদি নীংবা থুংদবা অকায়বা তানগী তান্ডব জগোয় হায়বদু ওইরেকো।

পার্কসি নেটিভ ইন্দিয়ান য়ুঙাওবশিংগী পোথাফমনি, তোপ-তোপ্পা জগৎ অমনি। নেটিভশিংনা য়ু-ঙাওরবসু পুলিশনা থোইনা য়েংশিনদে। আইন থুগাইবনি হায়না সীরিয়াসলি লৌদে। মখোয়গী সমাজিক লায়নানি হায়না লৌই। মৈতৈমচা ঐগী মায়থোং মখোয়গা মান্নবদুনা মখোয়গী মরক তিনখিবদা ঐবু খন্দোকপা ঙমদে। অদুনা য়ুগী বোটল য়েপশিল্লগা অয়াম্বা মতমদা মফমসিদা ঐ ইথন্তা ইংনা ইশাগা ৱারী শান্নবা লাকই। ধর্ম্ম খরনা অমৃত-লাইজনি হায়না চংন-থোক্না য়াদনা থাজনরিবা বস্তুসি ঐগী মতমলৈবখিবিক্কী সঙ্গীনি।

ঐগী লেম্না মাঙখ্রবা মঙগী মিয়াদ অসি চহী নিফুনি, ইশাগী চহীসু হুমফুতরা শুরে। পাম্মুরবা পুন্সি অসি খম্বগী মিয়াদসু য়ৌরে। পুক্নীংদা ফাওরক-ফাওরকপা হৌখিবা মতমগী মেমোরী খোমজিন্দুনা চৎলমদাইগী শাজোন তৌবসু হৌরে। পুক্নিং-পেলহন্নবা-ৱাখলনা খন্নীংবতা খনবদা বেরা লৈতবনা মঙ অমদা আশাগী চিত্র অমা শাগৎলি।

"করিগুম্বা ঐগী মাঙখ্রবা চহী নিফুসিনা মিনিট নিফু ওইরম্লবা, মতু মমান শিনবা য়াররোইদবা মীওইবগী পুন্সি ওইজরবসু হৌজিকসু মতম লৈরি হায়দুনা কয়াদা নুংঙাইজরমগদৌবা!!"

কোলেজ তম্লিঙৈ লোজিক্কী ওজা আমির আলিনা ফ্যালাসি তম্বীবদা হায়খিবদু নীংশিংলকখি, If wishes were horses, beggars could ride! (অপাম্বা অনীংবা হায়বসিনা করিগুম্বা শগোল ওইরম্লবা, চাক্নিবশিংসু শগোল তোংবা ফংলমগনি!)

শিবা নাইদবা অপাম্বগী অমর-শগোলদি গ্রীক পুরাণগী অরিয়োননি। তাইবং মীনা তান্ন-ঙমদবা স্বর্গগী শানি। কদাইদগী মদুবু ঐনা তোংবা ফংলুনি, ? অদুবু ৱাখলদি নিয়মদা চত্তে, আইন ইন্দে। মহা পাপীনি! অদুনা ৱাখলগী অরিয়োনদি ঐ তোংই তোংনিংবা মতমদা!

হৌজিক পুন্সি মতোল লোমলে, কেমলে, কেনগদৌত-মঙাইরে। লমজা ঐনা কেনখ্রবদা ঐবু নীংশিংবীনবা মী থোরক্কনি থাজদ্রে। ঐবুদি ময়াম্না কাউথোকপীখিবা কুইরবনি। অকেলা ওইরবা ঐগী হৌজিক্কি স্টেজ অসি ট্রেজিকদ্রামাদা কুম্বা হিরোগী অরোয়বা সীননি।

ঙসিদি ঐ শাথিনা সেনটিমেন্টল ওইরে, থকপা-চাবারোমদা থোইনা পুক্নীং চংদ্রে। করুণাগা লোয়নবা ৰাখলগী সমদ্রুদা তাউরি।

অপাম্বগী অৰাৎপদু মেম্ব ওইনা পুন্সি-মতাংসিদা ৰাখলগী অসিগুম্বা মশান্নসি তোইনা তোইনা ৰাখলদা ফেনজিলকপা উরে। মসিসু মতম লেনবগী মন্ত্র অমনি হায়বসে পোলোয়দা খঙলক্লিবসিনি।

হন্দক মরক ওলট-পালট ৰাখল খনবগী অভ্যাস য়াম্না তোয়শিল্লক্লে। অভ্যাস'সি পোক হৌরবা, পুন্সি মতোল লোম্লবা ঐগীতমকঙাইরে।

মমাংঙৈ খরা খরা মথোৎ কারকপা মতমদা ইপানা তত্তনা ইমাদা হায়বা তায়, 'নচাসে মওং অমা ইতৌ তৌই। লমচৎ চুমদে, মথোঙ চাদে, মাঙখিবা য়াই। মতম লৈরিঙৈদা চুমথোকহৌসি! মতম লৈরি!'

মতমদুদা ইনভিজিবল 'মতম' গী শকয়েক অমা কন্না শাগৎনবা হোৎনখি। মতম হায়বসে লৈ-লৈতে, লৈরবসু করন্না হৌখি, করম্না মালঙদা মাঙখি মদুসু ঐঙোন্দা অঙকপা ৰাহং অমগুম লৈখি, ঙসিসু পাওখুম ফংদ্রি।

মঙাও থীনা হৌরকপা মচাদুগী চিন্তাদা কয়াদা ৰানা তাইবং থাদোক্লমগনি ঐগী ইপা-ইমা!!!

মীরমদমদা নুংঙাইরুরনি খনদুনা য়ুম থাদোক্তুনা থোরকখিবা ঐ'সিনা হন্না য়েংলুবদা অশেংবা নুংঙাইবগী শরুক্তি ইরৈ লৈরমদ্রে। নকলি সনাদা মিনার তৌবা মঙগী লৈতেং ওইরমলে।

মারিয়ানা হায়খি, 'যৌবনগী যোনিদগী থোরকপা নত্তে অশেংবা নুংঙাইবা হায়বসি। যৌবন্না অস্তগামী ওইখ্রগা খঙলক্কনি, ইবুঙো!'

মতম কুইনা খঙনা-চান্নবা দিপেনরদা (খুদক্কী দরকার ওইবা য়ুদগী হৌরদনা পোৎশিং য়োম্বা দুকান) থবক তৌবী অহল ওইরবী স্পেনগী লাইরবা খুঙ্গং অমদগী ঐগুম নুংঙাইবগী খোঙ্গুল লিবা লাকপা নুপীনি মারিয়া।

মফমসিদা মাগী কনা কনা লৈবা ঐ খঙদে, হংসু হংলুদে, মহাক লৈখিদ্রে। অমুক হন্না অতলান্তিক সমুদ্রু লানদুনা ময়ুম হন্বা ঙমখিদনা। মা'গুম অমুক হন্না অতলান্তিকতা নত্তনা মেদিটরেনিয়ন সমুদ্রু অনিমক লানবা ঙম্লররোই ঐসু!

সমাজ সেবা তৌবা সংস্থান অমনা শীন্বা মাগী ফিউনরলদা ঐ চৎলি, মী খরতনি তিনবদু অমুবা স্যুটটাই শেৎপা (?) চৈশু পায়বা অহল অমনা মাগী কফিনদা লৈগী বুকে

অমা থম্নলগা পরপ পরপ থোকখি। মতাংদুদা অনুভব তৌখি খঙহৌদবা পুক্নীংগী ঈথক ঈপোম অমা। ঐগীদমক লৈগী বুকে থম্বীরম্নবা কনা লৈ!!!! শোরাৎ শোম্বীনবা কনা লৈ!! জ্ঞান মাঙখি। অমুবা মচুগী ফিরোই-ফি অমনা ঐবু কুপশিনখিবোয় খনখি। মমশিনখি ঐগী তাইবং।

ঐ, আধুনিক যুগকি চাউখৎলবা লমদা লৈ। হিংবগী মরু ওইবা পোৎকি অৱাৎপা লৈতে। মেতেরিয়েল ৱার্ল্ডগী মরেক কাবা বুফে চাই। নীংতম্না কন্যাশিংগা কলংকিনী-কুম্মে শান্নে। অসিমঙাই মফমসিদা লৈবগী নুংঙাইবমগী চুমদ্রিং চুম্বা ট্রান্সলেশন।

মসিগীদমক ঐনা বলিদান তৌখি ইমা-ইপা-ইচিল-ইনাও, ইরমদম! হৌমিন্নরকপা ইমান্নবা, নুংশিবী!

ইচম চম্বা মমল লৈতবা অহোংবা পোৎ অমগীদমক মমল নাইদ্রবা পোৎশকশিং শিন্নদুনা কারবার তৌরিবা ঐসে ইদিওট সাভানত হায়বদু ওইরেকো! খল্লি। তকশিশোল্লি।

পার্ক অসিদা ভদ্রলোক কয়া লাক্তে। সংসার থৌশাদবা 'বম্'শিং লাকই। চুরূপ মতেক খুল্লগা থকই। মখোঙ শাংনা তিংথোক্লগা তুম্মী। মশাদগী য়ুনম-য়ুঙনম থোরকই। ঐদৌনা য়ুমায় মায়থোঙনি।

নেটিভ নূপীমচা অমনা হাইরং তুরং চংলক্লগা য়ু নীরকই। চহী কুনদগী কুনমঙাগী ময়াদা লৈবী মশক অদু আশা মাঙখ্রবা জগত্তগী আশা অমবু মাদুনা শান্নবা মীতা ওইনা উই।

ৱাহৌদোক য়াউদনা ঈশ্বরনা পীবা ফ্রি পোৎ অমা ঐঙোন্দগী দাবী তানবগী মওংদা মানা য়ু নীরকপদু ঐঙোন্দা শাউনীংবা, হৈনদবা, তৌফম খঙদবা অদুগুম্বা করিগুম্বা ৱাখল অমত্তা ফাওখিদে। বে-খেয়ালদা পৱার কন্বা ১.১৮ লিতরগী তংখায় চল্লবা লবাট বিয়ারগী বোটল অদু পী। খঙনা চান্নবা মীগুম থৌৱা শাদনা নাক্তা ফমথৈ।

নোকখি নোকখি ঐঙোন্দা হায়ফেৎ য়েংই অদুদগী বোটলদু মখুৎ অনীনা থাঙ্গৎলগা চিংবা হৌই। মরু-দেশকি মীনা খৌরাংনা থকপা ঈশিংগুম মরিক অমত্তা মাঙহন্দনা। দানগী পোৎ নুংশিনা শিজিন্নবদু উবদা থম্মোয় পেনখি।

ঙৈহাক লৈরগা ফুরিৎকি খুদাংদা মচিন তৈথোক তৈথোক্লা চাক্তাররিবা উচেকশিংদা য়েংলগা ঐঙোন্দা হংবগুম ফ্রিস্টাইলদা মুরুম মুরুম শোললি, 'উচেকশিংগী দৃশ্যসি উরগা থম্মোয়দা করি ফাউই? থম্মোয়না নুংঙাইনা শান্তিদা হিংবগী নুংঙাইবা থিরকত্রা? মদু মঙ নত্তনা করিসু নত্তে হায়বগী ৱাখলসু শোয়দনা ফাওরমগনি নত্রা? অদুবু রিয়েলিটিদি লাননি, অরাম-খৌরাংবনি, অহল ওইরকপগী অৱাবনি! অদুবু অদুবু আশাগী অরোরা অমদি থম্মোয়গী কাচিন অমদা ঙানদবদি নত্তে।

পঙতক শুতক তৌবা য়ু পাল্লবা নুপীমচাদুগী মচিন্দগী অসিগুম্বা মোনোলোগ থেৎপা ৱাহং অসি থোরক্কনি থাজরুদে। য়ু ঙাউরগা অমগা অমগা শন্নদবা পংহং হংবা, পংঙাং ঙাংবা অদুমক্কি হায়না খনলুই অহান্বদা। অদুবু নুপীমচাদুনা হায়রিবদু ফিলোজফিক্যেল

ভাব লৈবগুম তৌই। ঐনা অর্থ লৌনবা হোৎনৈ। ঐ অর্থ লৌবা ঙমদে। মঙোন্দগীসু হেন্না অপংবনি ঐসে হায়বগী হন্থবা থাক্কী কমপেক্সকা লোয়ননা, ঐনা মুন্না য়েংলগা লৈ, মাঙখ্রবা জগত্তগী আশা অমবু মাদুনা শান্নবা অৱা-নুংঙাইববু থৌশাদবা মীশক্তুগী মায়থোঙদা। খঙহৌদনা নীংশিংলকই মতম অমদা পুৱৗীংদা মথুম-মরাং হৌহনখিবী, থম্মোয়গী শকয়েন মিংশেলদা লৈহাও লৈরেনগুম শাৎকায়না শাৎলম্বী, কাউথোক্নবা হোৎনবদা মরক-মরক্তা নীংশিংলকপা মীং অমা। মধুমতি! ওহ! কুইরবা ৱানিকো।

নূপীমচাদু বেঞ্চদা ঙাথদুনা মমীৎ উইশিলগা তুমিন্না লৈ। স্বোর শাংনা শাংনা হোল্লি। য়ুগী বোটল নান নান্দুনা শান্নে। ঐগা ৱারী শান্নবা তনলে ঐ খঙই, মাগী মরমদা ঐনা খল্লি, মাসে ৱাখলগী তরংদা তাউরমগনি শোয়দনা। মাগী পংশাং শাংদ্রিবা অতীতকিদি ওইরম্লোয়। মাঙদা লৈরিবা শাংলবা ভবিষ্যদুগী ওইরমগনি!

তশেংনমক্কী মাগা শান্নগদৌবা ৱারীসু লৈতে, হংনীংবা ৱাহংসু লৈতে। যৌবন্না লৈতেংবা মশাদু য়েংদুনা কামগী ওইবা কল্পনাগী কেমিস্ট্রি থোরকহন্বসু ঙমদে। ফুম্বংনবা চিন্তা্ অমনা ফুমদুনা থম্বী ঐবু। নুংঙাইবা মঙ পুন্নমক মাঙখ্রে। খল্লি, থাউ লোয়শিলক্লবা নোংঙানদ্রিঙেনা মুৎকদৌরবা থাউমৈনি ঐসে!

মিনিট নিফুরোম হায়বদুনি ঐখোয় অনীনা মওং'সুন্না তুমিন্না লৈরকপা। থিৎলি থিৎলি নোং চুবা হৌরে। অইংবা নুংশিৎ লিরি লিরি শিৎপা হৌরে। অদুদগী খঙহৌদনা বিয়ার বোটলদা তপ্পা তান থানা থানা— *'লেসে মোৱা মৌরী (ঐবু লৌশিনবীরো), লেসে মোৱা পাখতী (ঐবু থাদোকপীরো)।'*

পরেং অনীসিতং হঞ্জিন হঞ্জিন ঙং ঙংদুনা ফুক হৌগৎলগা চৎখি। ঐঙোন্দা হন্নসু য়েংলমদে। করিমত্তসু হায়রমদে। ঐ য়েংদুনা লৈহৌই, কূংনা হৌরিবা মেপল পাম্বীশিংগী মরুমদা নূপীমচাদুগী ফেইদ-আউট ওইখিবা মূর্ত্তীদু। ❑

Scanned with CamScanner

# দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকস্ অমসুং

লন্ডনগী টোটেনহম কোর্ট রোড অন্দরগ্রাউন্দ ট্রেন স্টেশন অদুগী হেক মায়োক্নবদা লৈবা 'জো লায়ন' কৌবা রেস্তোরেন্তা দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকসকা অহান্বা উন্নখি। পুন্সিগী অথুম-অয়াক কয়াগী অভিজ্ঞতনা ইক্রুবা মীনি।

'ইংলিশ স্কুল অব লন্ডন'দা ইংলিশ লোন তম্মীন্নবী কেরোল লুইসনা, হায়খিবা মতুং ইন্না রেস্তোরেন্ত অদুদা থবক থিবা লাকখিবদা উন্নখিবনি। 'লন্ডনগুম্বা সহরদা হিংনবা থবক ফংগে হায়রগদি 'জো লায়ন' রেস্তোরেন্তা চৎলু' অসিনি কেরোলনা হায়খিবদু।

ইংলিশ স্কুল অব লন্ডন'দা ইংলিশ লোন তম্নব'সিমক্তবু মপাল লমদগী লাকপা ঐখোয়গুম্বা মীশিংনা ইংল্যেন্ডদা চোঙ্খনা লৈথবা য়ানবগী লৌ মখল অমনি মরু ওইনদি। অদুবু ফুলটাইম ছাত্রদি ওইবা মাগী মাগী সুবিধা মতুং ইন্না ক্লাশ লৌনৈ। অয়ুক্কি পুং মাপলদগী হৌরগা বারো তাবদা লোইশিন্বা সেশন অদুগী ছাত্রনি ঐখোয় অনী।

কেরোল মশামক অহান্বা লন্ডনদা লাকপা মতমদা হিংনবগীদমক 'জো লায়ন' রেস্তোরেন্তা দিশৱাশরগী (কোনফেংবা) থবক তৌরম্মী। কেরোল লুইস, ক্যেরিবিয়ান সমুদ্রগা শন্নবা লায়রবা ঈথৎ হাইতিদগী লাকপী নিগ্রো নূপীমচানি। ঐসু লায়রবা বাংলাদেশতগী লাকপা মৈতৈ মচানি। লায়রবা মশেলগী লাইববকশা তিন্নরুবগুম থোকখি। ঐখোয় অনী কোইনদনা অৱা-নুঙাই শেয়ার তৌমিন্নৈ। লৈত-লায়র অমদি অপাম-নুংশিগী ৱারী অরোৎপা থম্নদনা শানৈ। বোয়ফ্রেন্ড অমনা মাবু বিট্রে তৌরম্বা মানসু নপা কয়া বিট্রে তৌখিবা অমদি মশাদা থোকখিবা নুপানুপীগী রস লৈরবা ৱা ধং ধং হায়দোকই। 'অসিনি পুন্সিগী মহাও, মানা হায়।

'মহাও থিবদা মহাশয় ঐসু খিৎকি নত্তে! ঐনা হায়বদা মা হা হা নোকই!

বাংলাদেশতা পোকপা ঐনা বাংলা হৈবগুম মাসু ফ্রেঞ্চ হৈ। ফ্রেঞ্চ, স্পেনিশ, ইংলিশ পুনশিল্লগা ঙাংনবা মমারোলদি 'ক্রেয়োল'নি।

ক্লাস লোইবগা মাদি খবর, সিগরেট, লাইটর, কেন্ডি-চকলেট অসিদা য়োন্বা কিওস্ক অমদা থবক তৌবা চৎলি। ছুটি নুমিত্তা লন্ডন সহরগী ময়াম্না পান্নবা কোয়থোকফম কয়াদা মতম লেনমীন্নৈ। পার্কতা ফমদুনা য়ুমদগী পুরকপা লাঞ্চ চামিন্নৈ।

নোংমতা কাংদনা ক্লাস কারম্বা কেরোল নোংমদি স্কুল কারকখিদ্রে। অমুক হন্নসু মাগা উন্নখিদ্রে। চিকমাঙ মাঙখি ঐগী পুন্সিদগী। মানা স্কুল কারকখিবদগী মরম ঙসি ফাউবা ভাবনা লাম্বা ফংদ্রি। মরক মরক্তা কাউরুবদগী নীংশিংলুবা মতমদা কুচু মুরং

লংবী, মশম খোইজু তাবী, মিৎ-লাউবী, কেরোলগী কোরোক কোয়বা মায়থোংদো স্মৃতিগী মিংশেলদা উই, অরাপ্পদা লৈখ্রবা অমম্বা অহিংদা মুশি-মুশি ঙান্বা থরানমিচাক্কুম।

পুন্সিগী অহান্বা লন্ডনদা লাকপা মতমদা স্কুল-কোলেজ অমত্তদা তম্মীন্নরকপা লুনা-নুংশিনসু তিন্নরকপা মহম্মদ ইউসুফ খাননা লৈবা ভাড়াগী য়ুমদা থুংই। মমানা পীরকপা মোরাব্বাদু (তোর্বোতিকী হৈঙান), হরাউ হরাউ ঐঙোন্দগী মুল্লগা চানা চানা হায়রকই, লৈনীংবমখে লৈয়ু, ভাড়া নো প্রোব্লেম, ঐ লৈরি।'

মপুক ইং তপচবা পুকচেল চাউবা জুনাগড়ি মচানি মহম্মদ ইউসুফ খান। মপা-মপু গুজরাতগী লাক্লবসু মাদি সিলেটতা পোকই।

ইউসুফনা ময়ুমদা থা অনী লেম্না লৈহল্লবা মতুং লাইবক থীবা হায়গদ্রা খঙহৌদনা নোংমা মমা মশা ঙমদে হায়না পাও লাকপদগী ময়ুমদা চৎপা তাখি। থুনমক হল্লক্কনি মানা ফনমক হায়জরবসু, পূক্নীং নিংকোক নিংকোক তৌখি। চহী মরি ময়ুম হনদ্রিবা মীনি, মমাদুগীদমক ময়ুম চৎলিবনি। ময়ুমদুসু মালেমগী লাপখ্রবা কোনা অমদনি। চৎলমদায়দুবুদি মানা থা অমগী এদভান্স ভাড়া থমলম্মী। থনম্লবসু মখা তাবা দায়দি ঐগীনি শোয়দ্রে, হায়বসিমা ঐ ইশানা খঙজরে।

নামৈশেল লোইশিল্লকপগী চিরবা চৈরক্তুদা ভাড়াগী সমস্যা অমা থেৎচিলকপদু ঐঙোন্দা করোংচাক য়ুংএ হায়বমক য়ারবা ফীভমনি, লৱাই শাৎখি। ভাড়াদু য়ক লাউদ্রবসু লৈতবা ঐঙোন্দদি থোনম্বি-থোনম্বনি।

থবক থীবা থোরকখিবা নুমিৎ অদো নোং থিৎলি থিৎলি চুই। নোং চুবা নোংমতা কাংদবা লন্ডননি। পারাসোল (ছাতিন মচা, পে) লোয়নদবা য়াবা সহর নত্তে হায়নৈ। অদুবু লন্ডনগী হাল চাল খঙফাৎত্রিঙৈ মতাঙ থোকখিবনা ঐ পারাসোল য়াউদনা থোরকখি। 'জো লায়ন'গী খোঙজিল য়ৌরকপকান্দদি ঐগী রূপ নোংনংবা উচি মচামক্লি।

কেরোলনা হায়খি থবক থিবা চৎপসে য়ারিমখৈ ঙল্লিঙৈদা চৎপা ফৈ। অয়ুক অঙন্বদা 'জো লায়ন' রেস্তোরেন্ত হাংবগা ঐ চংই। কেশ-রেজিস্টারদা লৈরম্বা মীওই অমদা 'ঐ থবক থিবা লাকপনি' হায়রুবদা রেস্তোরেন্ত অদুগী মীয়াই চল্লবী নুপী মহাক্না উন্নহল্লি। মহাক মেনেজরনি, মিসেস শীল কৌই। ঐবু খুদক্তা হয়ার তৌবীরে। থবক্তি কিচেনদা কুক্কী (চাকথোংবা মী) হেলপরনি। কুক অদুগী মমিংনি দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকস। ওকশাগী কেপস্যুল শ্লাইস তৌরগা ককপা বেকোনশিংদু চাউরবা তৱা অমদা চেগপ্না ওনথোক-ওনশিন তৌদুনা লৈরম্মী। মিসেস শীলনা শক খঙনহন্বা মতমদা অঙৌবা এপ্রোনদা মখুৎ তৈথোকপোয় তৈথোক্তবোয় মাগী লিংলবা হৈজিল্লবা খুবাক অদুনা ঐগী মতোং য়াওদ্রবা খুবাক তাপ পায়রগা ইন্ট্রোদিউস তৌই, 'দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকস।'

দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকসনা পায়রকপা খুৎপায়দু রেঞ্চনা চপ্লবোয় খনখি। ঐগী মিং হায়বদুদি তারম তফাৎতনা মানা তৌরম্বা থবক মায় ওনশিনখি। ঐ চিংনবগা লোয়ননা শাউনিং শাউনিং ঙাইদুনা লৈখি, করি করম্বা অৱাবা থবক্কি ফরমাইশ পীরকপা!

মখুৎতি লেপ্তে। ঙৈহাক লৈরগা হেন্দ্রিকসনা হংলকই, 'কিচেনদা থবক তৌরকপগী এক্সপেরিয়েন্সকা লৈব্রা?'

থবক্তগী তানথোকপিরক্কদ্রা হায়বগী অকিবনা তফিং তফাই শোনোদৌনা ঐনা খুম্মি, ‘লৈ ! ইমানা চাক থোংবদা মতেং পাংবীবা ওইনা এনছাং নাপি শোইরকই, ঙা শেম্বা হৈ। শা’দি ককপা হৈতে, ঐখোয় বৈষ্ণবনি শা চাদে, অদুগা অসিগুম্বা কিচেনদা থবক তৌবগী এক্সপেরিয়েন্সতি লৈজদে। তাকপীরবদি ঙম্নবা হোৎনজগনি !’

ঐগী পাওখুম অদু হেন্দ্রিকসতা য়াম্না নোকনীংনা থোক্লুরমাল্লে, ‘পৃথিবীগী ফাওর-ফাওরবা কুকশিং মমা-মবেলদগী চাক থোংবগী অহাম্বা পারা লৌরকপা ঙাক্তনি’ অসি হায়রগা হৌনা হৌনা নোক্লকখি। অঙৌবা এপ্রোন্না কুপলিবা মাগী মবুক অদু ঈথক মচা মচা হৌহন্বা খুনোক্নি।

‘নঙ ঐগী হেলপারতা নত্তে ঙসিদগী মরূপসু ওইরবনি’, অদুদগী খূজেং শীজিন্নদনা মপাম্বোমতনা ইথা থাজদনা ঐবু কোনশিল্লকই। মপাম্বোম অনীদু দেবশিল্পী বিশ্বকর্মানা বিষ্ণুমূর্তী শাবদা খূজেং পালহৌদনা লোইশিনখিবা ‘হাতকাটা (খুৎ-কক্‌পা) জগন্নাথ’কি মপাম্বোম মাল্লি। অচৌবা চেগপ্পা অরুম্বা কোর্ফূ চপ্পদা ফুদোকপা শক্তিদুমক্নি। অদুবু নাবা ফাওখিদে। নুংশিবা অমগা লোয়নবা শক্তি ওইরমাল্লে।

নুংশিবা হায়বসে শন্দোকন্বা লায়নানি, ঐঙোন্দা লায়নাদু মানা শন্দোকলম্মী। মঙদা মঙদা অচৌবা ঙা উবসি শেল থুম লাকপগী খুদমনি হায়। খনলি, ঐনা ঙরাং মঙদা চাঁদপুরগী ঈলিশা উখিবদুনা ওইরম্বা য়ায় শেল-থুম, ধনদৌলতমক নত্রবসু ঐবু নুংশিবিবা অসিগুম্বা মরূপ অমা ঙসি ফংজরিবসে।

ঐনা ‘জো লায়ন’ রেস্তোরেন্তা থবক তৌবা হৌখিবদু খৃ:১৯৭৫, ৩ মার্চ, নিংথৌকাবা নুমিৎনি। পাঙ্গল ফুদোক্লগা লন্ডনদা হিংনবগী অহাম্বা পাম্বৈ থিরকপা নুমিৎসুনি। নুমিৎ অসি ঐনা কাউদবগী মরম অমসু লৈ। থবক লোইশিল্লগা রেস্তোরেন্তগী থোরক্লমদায়দা মেনেজরেস মিসেস শীলনা হেন্দ্রিকসপু কৌশিল্লগা ‘হেপি বার্থ ডে, হেন্দ্রিকস’ হায়রগা এনভেলপ অমা পীরকখি। হেন্দ্রিকসনা হাংদোক্লুনা য়েংলুবদা এনভেলপকি মনুংদা বার্থ ডে কার্ডগা কোন্ননা পাউন্ড তরা চৎপি নোট অমা য়াউরম্মী। ‘থেঙ্ক য়্যু মিসেস শীল’ হায়রগা মখজাই চুপ্পি।

অদুদগী ঙসাইগী শক্তি লৈরবা মখুত্তুনা ঐগী লেংজুম তাপ কোনশিল্লগা হৌই, ‘পব ক্রোল তৌরুসি !’

মথংশিৎনা পব (য়ু য়োনফম) অমদগী পব অমদা য়ু থকপা চৎপগী বার্তননি। ‘চার্চতগী পবনা মশীং হেন্বা লন্ডননি। পবতা বার্থডে সেলেব্রেট তৌবনা ব্লেশিংগী মশীংসু হেনফম থোকই !’ করেম্নবা ৰাহৈ অসি মিসেস শীলসু তাহৌই। নোক্তুনা লৈহৌই।

নুমিদাংগী পুং তরামাথোইগী মতুংদা লন্ডনগী পবশিংদা য়ু য়োম্বা আইন্না থিংই। অদুগী মিনিট তরামঙা মমাংদা কস্টমরশিংদা ‘টাইমকোল’ তৌদুনা খঙহল্লি। অকক্নবা মতম অসিগী মতুংদা পবতা য়ু য়োম্বা থিংলবসু থকপদি নোংয়াই ফাওবা বেরা লৈতে। সিনেমা হোল মনুংদা, অন্ডরগ্রউন্দগী ট্রেনদা য়ু-চুরুপসু থকপা চান্ননা থিংদ্রিবা মতমনি।

পাউন্ড অনীতং য়াউজরকপদু 'টাইমকোল' লাউথোকপগা ঈকাইখাঙ হায়গদ্রা ঐনা ঐখোয় অনীগী গীনিস বিয়ার পাইন্ট অনী লৈরগা মাগী বার্থডেগী খুদোল ওইনা লাল্লি। তাঞ্জাদুমক্তুদা কদোমদগীনো মশক ফজবী নূপী অমা পাইশিল্লক্তুনা মাগী তম্বাক্তা চোংশিল্লে। ইয়ারিং না'মা তাখিবদু খঙদে। ঐনা খুল্লগা পীবদু খুৎ না'মা তিংথোক্লগা লৌখি। হেন্দ্রিকসনা ঐঙোন্দা 'ফ্রোরা' তং হায়বা তাহৌই। নূপীদুনা চুপ চুপ চুপ্পদুদা মখা তাবা ঙমখিদে। মরাইবক্তা থম্বাল শাৎপা মীনি ঐনা শোন্থাংননা শোল্লি। লৈথবদি ফজররোই শীংচেপ ওইনা থোক্লনি খল্লক্তুনা বাই বাই হায়রম্লগা মিতা মিতানা থোরকই। নোংয়াই হেল্লে হাইরং হাইরং ঐগী লৈফম য়ৌরকপদা।

দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকস্, খা আফ্রিকাগী খোইখোই কৌবা আদিবাসি নূপী অমগা ককেসীয়ান অঙৌবা নূপা অমগা লুহোংদনা 'মেলাঞ্জে' ওইরগা পোকপা ইচম চম্বা মুকসন মচানি। মপা মশক খঙহৌদে। অঙাং ওইরিঙৈ ভাব তাদ্রিঙৈ মপানা মমাবু নোয়হৎপীরম্লগা লংশেকপীরম্লবসু দাচ লোল ঙাংবা মপাগী মিংদা তোপশিনবিরম্মী। মতম খরা কেপ টাউনগী মোৎখ্রবা শ্লম (বস্তি) অমদা ৱানা লেনখি।

শ্লমগী-পুন্সিদা মাসে পোৎলাকপা, হুরান-চীনথি, ট্যুরিস্টতা দ্রগ হাবা, বেশ্যাগী পিম্প, স্কুল লৈথোকপা অসি লোয়নমক হৈখি। মরাইবক ফবা হায়গদ্রা চার্চকি ফাদর অমনা চানবিদুনা মখোয়বু ইংল্যেন্ডদা পুবীরকখি। ফাদরগা মাগী মমাগা লৈনবা অথুপ্পা মরী, মাগী মিংদা থেৎলিবা অঙৌবা মপাদুগী শাগৈগী তকমান মদুনসু ইংল্যেন্ড য়ৌরকপগী পাসপোর্টলা হায়নসু খল্লি।

ভিক নমখাইবা ফাদর অদুনা মমাগা ফমুং অমত্তদা মফি থোংদনা তুন্মীন্নবদু হেন্দ্রিকস উহৌই। 'হিয়েরো গেমোস্'নি হায়রবদি দেব-দেবীশিংগী স্যেক্সচুয়েল রিচুয়েল অদু ধর্মগী প্রথা মতুং ইন্না মীওইবনা খুদম ওইনা পুজা তৌবতনিদা!' মশা কন্নবা বাইবলদা য়াউদবা পৌরানিক প্রথাসি ফাদরনা ধর্ম্ম কর্ম্মগী জ্ঞান লৈত্রিবা হেন্দ্রিকসতা অসুন্না ব্যাখ্যা তৌরম্মী হায়। অদুনা সেক্স, ঈশ্বর অমত্তা ওইনা লৌখি, মতমদুদা মহাক চহী তরাগী অঙাংনি।

নোংমা বেদবাক্য'সিমসু ঐঙোন্দা তাহল্লি' লেম্না ফংলে হায়বা পোৎ লৈতে, কৃপা-থৌজাল-মীনুংশি হায়রিবশিংসিগীসু এক্সচেঞ্জ রেট লৈকো, হে মরূপ! ইমানা মাগী যৌবন বলিদান তৌরমদ্রগদি মীনুংশি চেন্বা ফাদরনা ঐখোয়বু মফম অসিদা পুবীরক্রমগনি থাজদে। অমরোমদদি লাইবক ফরে হায়না লৌবা য়াই, নত্রবা ঐখোয় ঙসিসু বস্তিবাসী ওইদুনা অমম্বা জগৎতুদগী থোরকপা ঙম্লমম্লোই, ফাদরদি ফাদরনিদনা! ঐবু নুংশিনা তৌবী খৃস্টমাসকি কেরোল ঈশৈগা লোয়ননা চেলো, পিয়ানো তম্বী। স্কুলগী পারা খঙদ্রগা তাকপী। ফাদর লৈখিদবা কুইরে।'

অসি হায়বা মতমদা মমিৎ অনীদু ঙাংলপ তৌই। কপ্পীংবা লৈরবসু কপ্পা ঙমদনা লৈখিবা মমিৎনি। কেরোল লুইসকি থাক য়ৌদ্রবসু হেন্দ্রিকস্ ফ্রেঞ্চ খঙই। মানা পনখিবা 'মেলাঞ্জে' ফ্রেঞ্চ ৱাহৈনি, অর্থদি তোৎশিন-য়ানশিনবা, মশাগী মরমদা সুন্না লোৎত্তনা শেংনা হায়দোকপদুদা ঐঙোন্দসু শব্দ অসিনা পুক্নীংদা নুংশি-কায়নবা, সিমপ্যেথি অসিগুম্বগী 'মেলাঞ্জে' ওইবা ভাব অমা লাকখি।

Scanned with CamScanner

পংৱাং ৱাংবা, পংনেম নেম্বা মীনি হায়বা য়াদে, চাংচৎনি। য়াম্না ঙৌবসু নত্তে মুবসু নত্তে কুলৈ কুচুদগী খরা লৈশিল্লি। মমা-মপা অনীমক্কি ‘মেলাঞ্জে কুচুনি। চহী কুনথ্রাগী মথক ওইব্রমগদবা মীদি মানদে অদুবু অহল ওইব্রবী ঐখোয় ইমানা উপ্পা অথাবা পওয়ারফুল লেন্সকি আনোক অদুগুম্বা অমা উপ্পি। ইমানা অথাবা পৱারফুল আনোক্কী মরুমদগী তরাও তরাওবা মমিৎ অনীদুনা ঐগী চরিত্রগী শক্তম ফোটো লৌরগা ঐবু নুংশিনা ৱারক-ৱাতেমদুনা চুমথোক্লবা হোৎনখিবদু নীংশিংলকই, ঐগী চরিত্র ঐ খঙই। মীনা তাথিবা, তুকৎচবা, কিন্নীংঙাই ওইবা শরুক্না য়েকপা শকথিবা শক্তমনি। ইমানা ঐবু উখিবা অদুম্না শোয়দনা ঐবুসু মানা উরমগনি হায়বগী থাজবা লৈখি। মরমদি নোংমা তুমিন্না মাগী নুংশিজবী ফ্লোরাগী তুং ইনলুই। ফ্লোরাদি প্রেমগী ঈফুৎনি। মাগা লোয়ননা কামগী ঈফুৎত্তা ঈরাক্লরিঙে মতমদা ঐগী শকথিবা চরিত্রদু উখিবনি।

হেন্দ্রিকস সংসারগী কাচিন-কোয়া উরবা মীনি। মীওইবগী চরিত্রগী মওং মতৌ পোরম শুনা খঙবা অমদি থম্মোয়গী এজলাসতা অপরাধীবু বিচার তৌবা ঙম্বা মীনি হায়বদুসু ঐ খঙবা ঙমখি। অদুনা ফ্লোরাগী মতাঙদা ফাদরদুগী ‘হিয়েরো গেমোস’ ওইনা লৌথ্রিবা হায়নসু খল্লি। মাগী থম্মোয়নুংদা নুংঙাইতবা ৱারৌবা-ৱাকৎপা লৈরবসু মদুগী ঈথক-ঈপোমগী শঊম ঐঙোন্দা ফংহল্লকখিদে।

টেমস তুরেল তোর্ববানগী শিড়িদা ফমদুনা ঐখোয় অনী মরক মরক্তা জগৎকি জাৎ জাৎ ৱারী শামিন্নৈ। সেক্সতা মিতাগন্বা ঐগী ওইনদি নুপীনহাগী মরমদা ৱারী শান্নবনা পর্সেন্টেজনা খিৎ হেল্লি। মাদি নুপীনহাগা লোয়নবদি পাম্মী অদুবু নুপীগা ফমদিন্নবদি পামদে মদুগী করি কারণ লৈবা মাসু খঙদে। হায় ‘নুপীনহা য়াম্না তিন্নরবসু নঙোন্দতনি ঐনা ফোংনা ঐগী পর্সোন্যেল ৱা তমথোক্লিবসে। ঐ প্যেনজি নত্তে, (প্যেনইজ লৈ জাৎ অমনি অদুবু ইংল্যেন্ডদা হোমোগী অর্থ ওইনা শিজিন্নৈ মতমদুদা) ‘তশেংনমক্কি ঐগী মরূপ লৈতে বাংলাদেশ মচা নঙ নত্তনা।’ অদু হায়রগা ইংলবা ইংলেন্ডদা মাগী ফোং ফোং শাবা মখুৎ লাম্হোরকখি।

পাপকি অমাংবা বিন্দু অমত্তা পক্তরবা অঙাং অমনা মাগী মরূপতা হায়বা ৱাহৈ অসুম্না ওইরমগনি, ঐনা খল্লি। নুংশিনা মরূপ অমনা ঐঙোন্দা তমলকপা নীংথিরবা ফ্রেন্ডশিপকি খুদোলনি হায়নসু খনখি।

নোংমা সন্ধ্যা অমদা ঐ মঙোন্দগী অরোইবা বিদায় লৌখি। অদুসু টেমস তুরেল তোর্ববানগী শিড়িদা ফমদুনা ঐখোয় অনীনা মরক মরক্তা ৱারী শান্নখিবা মফমদনি। চাউবদা পৃথিবীগী অহুম শুবা ঘড়ি ‘বিগ বেন’ দগী মিটর চহুমরোমতা লাপ্পা মফমনি। ঘড়িদুনা অরোইবা পুংজা মশীং তাকপগুম ঐগী চীন্দগী অরোইবা ৱাহৈসে থোকখি।

‘ইংল্যেন্ডগী ভিসা লোইরে ঐ য়ুমদা হন্বা তারে হেন্দ্রিকস!’

দেরিক দানিয়েল হেন্দ্রিকস তুমিন্না টেমস য়েংদুনা লৈখি। থাসিগী অমম্বা সন্ধ্যানা কুপথ্রবা টেমস ঐ উখিদে। ❑

# বোকুল পাম্বী

ইন্ডিয়া-পাকিস্তানগী রেফরেন্দামদা সিলেটনা পাকিস্তানদা তিনখিবগী চহী খরা মতুংদা ঐখোয় য়ুম হোংদুনা ইম্ফালদা লাকখি। অদুদগী সিটেতা অমুক হন্দ্রে অদুবু পোক্লফমগী স্মৃতিদি মতম লৈবা খিবিক্তা থম্মোয়না অদুম য়োক্তুনা থমখি।

কেনাদাদগী ইন্ডিয়া থোরকপদা মতাং চাদুনা স্মৃতিগী খোঙ্গুল লীবনি সিলেটতা চৎলিবসি ঙসি। সিলেটতা চৎলিবনি হায়বতনি ঐগী য়ুম লৈত্রে। খঙন-চান্নবা কনা লৈরমগনি মদুসু হায়বা ঙমদ্রে। অদুবু য়ুমদা হল্লি হায়বগী হায়ঙমদ্রবা নুংঙাইবা অমদি ফাওই। নীংশিংলকই, মালেম শাৎনা ফাওরবা জোন হৱার্দ পাইনগী ঈশৈ, 'হোম, সুইট হোম...... দেয়'র্স নো প্লেস লাইক হোম', বি, জয়ন্তকুমার শর্ম্মগী 'হো ইমা পোক্লফম ইমা নঙগুম্বী লৈতে ইমা কোয়না থিদুনা থাপ্না চত্তুনা নঙগুম্বী ফংলোই ইমা'!

খল্লুরগা কপনীংবা পোকই। 'কপনীংবা' হায়বসি অতীতকি স্মৃতি খুদিংদা লৈরমদবা লৈতে।

ঈদকি ছুটি মতমদা মাঙজৌননা বস-ট্রেন-লোঞ্চকি টিকেট কক্তুনা রেদি তৌহৌদ্রবা মেগাসিটি ধাকাদগী মফম অতৈদা খুদক্তা টিকেট কক্তুনা চৎপগী আশা অরেম্বনি।

বাংলাদেশকি কোনুং ওইবদুনসু জিলা জিলাগী লৱায়-থৱায়, চীং-মানদগী মীয়াম থোমজিলক্তুনা ধাকা সহর জনতানা পাথোকখৈ পিক থল্লি। মখোয়না মাঙজৌননা ঈদকি হরাও-কুম্মৈ অসি ইমুংগী মীশিংগা পুন্না পালন তৌনবাময়ুম হন্বগীদমক টিকেট রিজার্ভ তৌনখিবদুনা খুদক্তা টিকেট ককপা ফংদবনি। অদুবু কালাবাজারদদি মফংই য়ক য়ৌবা মমলদা।

ঙসি ঈদ নুমিৎকি নোংমা মমাংনি ঐসু ধাকাদগী সিলেটতা চৎলি কালাবাজারদৈ টিকেট কক্লগা। ঐগী বাহনদি অয়ুক অঙম্বদা থাবা পারাবত কৌবা ট্রেন্নি। মনুংদু হয়িং-তোংফম লৈতে। মথক্কি খোলা শরক্তি টিকেট কক্তবা পেসেঞ্জরনা অভর-ফুলনি। ফুটবোর্দতনা মীনা চরোং চরোংনি য়াল্লিবা।

যুগ কয়াগী তুংদা ইস্ত পাকিস্তানদগী বাংলাদেশ ওনখিবা ঐগী পোকফমদা হল্লকপনি। হান্না উখি খঙখিবা দৃশ্য পুন্নমক ওনলম্লে। লোয়নমক অঙকপা ওইনতা থোক্লে। মিৎতা মীগী সমুদ্রদমক উই।

Scanned with CamScanner

মী ময়াম্না ময়াংশেকপীগুম্না য়াল্লিবা ট্রেন অদু উবদসু জ্ঞান মমখি। শ্বায়-শ্বায় লাউই তোংলিবা ট্রেন অসি করমকান্দা লোংথোকখিগদ্রা হায়দুনা।

মী মরী ফস্বা য়াবা সিট অমদা চিন্না-চিন্না বিচিত্র চরিত্রগী ঐখোয় মী মঙা ফস্মীন্নৈ। ওইদা মীয়াই চল্লবী হিজাব উপ্পী নুপী অমা চহী তরেৎ নিপালমুক শুরবী নূপীমচা অমা কোল্লগা ফস্মী। মানা ঐঙোন্দা হুরান মীৎয়েংনা য়েংবসি ফনা ময়াম্মে। ঐসে কনানো, কদাইদগী লাকপনো অদুগুম্বা করিগুম্বা-অমা খঙনীংনা তৌবা মীৎয়েংনি।

য়েৎতা জোন জোন লাউবা আলখালাগুম্বা আরবী-ফিজেৎ শেৎপা অহল অমা, থংননা চরাংনবা পাখং চোইহা অনী। অনীদুগী মরক্তা অমদি নমফুদা সিট মুল্লগা ফম্বা পেসেঞ্জরনি। মখোয়না ঙাইহাক লৈতনা চপশিলকপদু ঐবু ফি শুস্বমক্কি, হৌদুনা চেন্নীংখি। পুং নিপাল-মাপলরোমগী জর্নী অসুন্না করম্না লেনগদৌগে খল্লুবদা লৱাই শাৎখি।

ইস্লামিক কেলেন্দর মতুং ইন্না হন্দক্কি ঈদসি নভেম্বর থাদা তায়। অয়ুক্কি অইংবা মেংলবা ৱেদার ওইৱনা মীয়ামগী সমুদ্রুসিনা ঐঙোন্দা থোইদোকপা অনকর্ফোটেবলদি ওইহনখিদে, লাইবক ফবা হায়গদ্রা। ওলাংথা ওইরল্লবদি মতৌসিদা ঐ ঙসাইনা গত্ত ওইরমগনি।

মীয়াই চল্লবী বাঙ্গালি নুপীদুনা কোল্লিবা অঙাংদু পশোৎলৈগুম ঙৌই। মাদি মুই। মুরসু মুস্নানি। লৈশারিঙৈদদি কয়াম ফজরমগনি।

ঙৌশোক-ঙৌবা অঙাংদু অমুবী মানা পোকপা মচানি হায়বগী মেদিক্যেল সাইন্সনা শাক্কি পীবা ঙমগনি থাজদে। অদুবু কনানা খঙনি ঈশ্বরগী লীলা।

ঐগী ওইদা ফম্বা অহলদুসু থাথাগী ওইরমদ্রে। খূনিংনা থিনদুনা ঐবু ইন্ট্রেক্রগা আরাম তৌদুনা ফম্নবা হোৎনৈ। বাংলাদেশকি মেজোরিটি মীয়ামগা মান্নদবা মায়থোংনি ঐগী, বাংলাদেশকি আদিবাসী উপজাতিগুম খল্লুরৱা খঙদে 'হে-রা শক্তাসি'বু হায়বগুম থৌ-ৱা শাবিদবা জাৎকি খূনিং-খুথিননি। ব্রাজিলদা বাস কৌবা রেইন ফোরেস্টকি আদিম মী অমনি খল্লমবসু ময়াই লাইরিক লাইশু পাবা মী ওইরল্লবদি, অদুসু মানদে, ভদ্রলোকসু মানদে, মখদাংদা পানামহি চেম্থে। খুদোম্বীদা শুনুগী পর্মামেন্ত দাগ লৈ, মখয়াৎ চফাৎলি। মেহেন্দি শঙবা মকোইদু নাল্লগা নাক্তা ফস্বী মীয়াই চল্লবী নূপীদুদা মীৎচিনা য়েংদুনা শৈতানগী খুনোক নোকই। লিবিডোগী শাথিবা লায়না পকপা ৱাখলনা নূপীগী মুর্তী শাগৎলগা নুংঙাইবা-মঙ মঙবা মীতা ওইরমলোই হায়বদু থাজবদা ৱায়। পাখং চোইহা অনীদুসু জাৎ অমনি, মখোয়সু নূপীনহা রোমদতা মমায় ওনশিল্লগতা লৈ, এক্স-রে লৌই, মীতা-নাতা চুমদে, ফিজেৎ-চাকচা ফজদে। পোকেটতা চেইন মরোং মরোং য়াম্থবা মরাং-তুরাংবা খোঙগ্রাউ শেৎলি।

চুরূপ থকপা য়াদে খঙনা চুরূপ চমখৎলি, ফিল্মগী হিরোশিংগী স্টাইলদা। খাল্লুরগা করি হায়বীরকপা করিবু তৌবিরকপা কিদুনা তোক্লে।

শাজৎ-লিচৎসু খা-রাই খঙদবা কৈ কিদবা শন্নাউ লাবদৌনা তৌই। নৌনা মথোৎ কারক্লিবা নহানা অরোম্বা-মফমদা অহান্বা মতুমরাং অমা-অনী হৌরকপদু মা-মাদুনতা শান্নৈ হায়নবা সিলেট পাউরৌসু মখোয় অনীদা পানশিন্বদা মতিক চায়।

মতম কুইনা থাদোরকপনা পোক্লফমগী মীশিংগা ঐগা য়ান্না গ্যেপ লৈনরে। ভাব তানদ্রে। ইথন্তবু অতোপ্পা গ্রহদগী লাকপা এলিয়েন ওইনা খল্লে। স্টেশন অনী-হুম লাল্লবা মতুংদা পাখং অনীদো নূপীনহা য়ান্না লৈবা কাদা চংখি। খরা ৱায় শংনা ফমজরনি খল্লুবদু, অঙাং নূপীমচাদুবু কারক্তা ফমহনবীখ্রে। মাবু ফমহনখিবদ ঐ শাউনীংদে। নূপীমচাদো য়ান্না ক্যিউটনি। চাক লামলগা চানবা এয়ারপোর্টকি দিউটি-ফ্রি দুকানদগী লৈরকপা চকোলেটকি বার অমা সাইদ বেগতগী লৌথোক্লগা পী।

'থ্যেংকীউ' হায়রগা হরাউনা নোকফেৎ তৌরগা ঙৌশোক-ঙৌবা মখুৎমচাদুনা লৌখি। পুন্সিদা অমুক্তা উন্নদ্রিবা অঙাংদুগী মওং মতৌদুনা জর্নিগী অৱা-অনা পুন্নমক কাউথোকখি। ঐগী পুন্সিদা অসুন্না ফংখিদবা তাঙলবা তাঞ্জানি। পেনমনখিদুনা অঙাংদুদা অতৈ করি অমুক পীসিগে খনখি।

'থ্যেংকীউ' ইন্ডিয়া-বাংলাদেশকি মী অম-অনী নত্তনা সুকহাই হায়নদবা থাগৎ ৱাহৈদু তাবদা ঐ ঙকখি। নুংশিবগী থোং ওইখি। মীয়াই চল্লবা ময়াং অমুবী নুপীদুনসু অঙাংদুগী তরফতা 'থ্যেংকীউ' হায়রকপদুসু চান্ননা ঙকনীংঙাই ওইখি। মঙোন্দা অমুক য়েং অঙাংদুদা অমুক য়েং তিঙক মায়ঙক্লদুনা লৈখি। মখোয় অনীসে ঐগুন্না করম্বা গ্রহদগী লাকপনো খঙনীংখি।

মীয়াই চল্লবী বাঙ্গালি নুপীদু অঙাং নূপীমচাদুদা চোকোলেট পীজরুবদগী মীতোপ ওইরবসু ঐবু কোইরক্তরে। খরা নীংজিং মাংজিংননা নেমথবা শোরদা গ্রামার পক্তবা ইংলিশনা হংলকই,

'কদাইদগী লাকপীবনো ? সিলেটতা কোইবা লাকপীরিব্রা ?'

ঐ থাজরুদে মহাক্না সুন্না সাহস তৌদুনা ৱারী শান্নবা হৌরক্কনি।

'য়ুমদা হল্লকপনি।'

পক্কা সিলেটি লোন্দা ঐনা খুম্মী, মতম কুইনা শো লোন্দুনা উপুদা থমখিবা সিলেট বাংলানি। মপোপ কায়দনা লৈরম্মী উপু হাংদোক্লুবদা।

ঐঙোনলোমদা ঙাইহাক ওনশিলগা মুন্না য়েংলম্মী অদুদগী অঙাংদুদা চকোলেট, লোয়না চাদনবা ৱার্নিং মচা অমা পীরম্লগা ৱাখলদা তাওদুনা তুমিন্না লৈখি। মানা খল্লমগদৌবা ৱাখলদু ঐগী চিনদগী থাজদনা পক্কা সিলেট লোল থোরকপদু ওইরমগনি শোয়দনা ! নৎত্রগা করি ?

হয়েংগী ঈদসি বকরা ঈদনি চাকহেন থা রমদানগী ঈদতু নত্তে। চাবা থকপা লোয়নমক য়াই। বারো তারমদাই অদুৱাইদা টিফিন বোক্স পুথোরক্লরকে। চাবা মতমদা চাকশায় মখোল নত্তনা করিমত্তা থোরক্তে !

অহলদুদি মখুৎ হামদনা মাগী ওভরসাইজ এল্যমিনিয়ম চফুদগী ( !) খুবাম লৌরগা চাখৎলি। জোন জোন লাউবা অকোমবা আলখাল্লাদু চিন্নবা হোৎনবা মাললি।

চাবা লোয়নরে, ক্বা পানাগী কৌটা পুথোক্করে। অহল অদুদি ক্বা শাইনা শাইনা উইথখি।

কাফকাগী মেটামোরফোসিস্ কৌবা ৱারী মচাদু পারম্বনি। ৱারীমচাগী নায়ক গ্রেগোর সামসানা তূম্বদগী হৌগৎলকপদা মাসে কিনীংঙাই ওইরবা তিনগী রূপ লৌখিবদগী নুংঙাইবা মতাঙ য়ৌরকপদা ঐঙোন্দা ঙাথরকই, লাইরিক থুপচিল্লে, অহলনি তৌজরসনু খন্দোকই।

তৌফম খঙদনা লৈরিঙৈসিদা মীয়াই চল্লবী বাঙ্গালি নুপীদুগী মরমদা খঙনীংবগী নিউরোননা ঐগী কোক্তা সিগন্যেল তৌরকখি।

'নুপীমচাসে নচারা?' সিলেটি লোন্দা সুম চৎথনরে।

'মানি, জুলিয়েট ঐগী ইচানি।'

ঐ কোক খোৎলি! ইমোননুংদা খল্লি, মূর্ত্তী অনীসে মমা-মচা ওইরেকো! ঈশ্বরগী খূৎসেম হায়বদু সি ওইরেকো।

ঐসে চমন্নরে হায়বসে মা ভাব তাখি, মখা চৎথরকই।

'জুলিয়েট, ঐনা পোকপা ইচা নত্তে। ঐগী লৈখিদবা নুপানা লৌরম্বা আইরিশ নূপীনা পোকপা, হেক ইচামক্নি খন্না য়োকচবা অঙাংনি। ঈদকি নুংঙাইরবা হ্রাউ-কুম্মৈসে উহন্নীংদুনা অদুগা সিলেটতা লৈরিবা শাগৈগী মীশিংগসু খঙনা চান্নসনু হায়দুনা লন্ডনদগী য়ুমদা থোরকপনি, ঐখোয় অনীতনি।'

বাক্য খরসিনা মাগী পুন্সিৱারীগী প্রিফেসনি। অৱা-নুংঙাইগী ক্যেমিকল খরা য়াউবদুদা মাগী মরমদা অতৈসু খঙনীংবগী সিনড্রোম লাক্লে ঐঙোন্দা।

সোরি, হায়দুনা মাগী নুপা লৈখিদবগী নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লগা ঐনা হংই, 'নহাক লন্ডনবাসী লন্ডনিনি অদুবু হৌরকফমদি সিলেটকি করম্বা মফমনো?'

'সিলেট সহরগী লালারদিঘীরপার কৌবা লৈকায়দগীনি।'

লালারদিঘীরপার হায়রকপদুদা ঐ লৈবা ঙমখিদে। ঐসু লালারদিঘীরপারদগীনি! পোকফমসুনি! ঐগী মথোৎ কারকপা পুন্সিগী লৈকোল অমগী মীংনি। মাঙখ্রবা স্মৃতি অমম্বদগী চোংথোরকই কাউরুরবা মুর্ত্তী মচা মচা বোকুলগী নুংশিরবা মনমগা লোয়ননা। কাঙখুল মুৎখ্রবা থৌদোক কয়াসু নীংশিংলকখি।

'হাজি আলমগীর আলীগী ময়ুম মনাক্তরা?'

হাজি আলমগীর আলিগী মিং খঙদবা মী লৈকায়দদা লৈরমদে। ময়াম্না সম্মান তৌবা মওলানাসুনি। মিংসি পল্লুবদগী মহাক করিনো'মা তৌখি। কামিজকি খুদাংদা মপি তৈথোকপগুম তৌখি। ঐঙোন্দগী মমায় লৈথোকপগা ফাজিনবা খোঞ্জেলনা খুল্লকখি।

'মহাক ঐগী ইপানি!'

হাজি আলমগীর আলীখোয়গী ময়ুমদা চাউরবা বোকুল পাম্বী অমা হৌই। ঐখোয়গী ইংখোলরোমদা চাউরবা মশা খরা হাইথরকই। মশাদুদা তেকথখৈ লৈ শাৎলি। মনমনা

লৈকায় শাৎলি, মশাদুদগী কেল্লকপা লৈ খুল্লি, মহৈ খুল্লি। কোমলা মচুগী মহৈদু মুল্লকান্দা থুমই, হাউই, কাংচেপ মচুগী মরুদুনা মরুম-কোনবী শান্নৈ ইমান্নবশিংগা।

ঝুলোনগী মতমদা লাইসেবাগীনি হায়দনা লৈকায়গী নূপীমচাশিং ঐখোয়গী মায়কৈদা হাইথরকপা মশাদগী কেল্লকপা বোকুল খুনবা লাকই। তিংথৌদা লেংদুনা নাচোম শায়, পরেং লেংলগসু লাইদা কৎলি। বোকুল পাম্বীদা লাইসু তোংই হায়নৈ।

মতম পুম্বদা ইশং শংদনতা লৈবা হিদাক্কীসু, ফনিচর শাবগীসু মীনা পান্নখ্রবা উ পাম্বীনি। বোকুল্লৈদগী শুংবা মহিনা হার্টকি লায়নাসু কোকই হায়নৈ। অদুবু ঐগী হার্টকি লায়না অমুবদি বোকুলৈগী হিদাক্না ফহম্বা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লৈরি।

ৱাচেৎনা শম্বল খাজিল্লি হাজি আলমগীর আলিখোয়গী ময়ুম। ৱাচেৎ অদু কুংনা ফেল্লি অদুনা শম্বল ৱাংমগী মী অমত্তা ঐখোয়না শেংনা উবা ফংদে। ইমুংদু মী য়াম্না লৈবসু মানদে, ইচিক চিকই।

নোংমা অয়ুক অমা ইমান্নবশিংগা বোকুল মরু খুল্লিঙৈদা শম্বল ৱাংমদগী বোকুলগী পরেং অমা কনানো অমনা লংশিল্লকই।

লৈ পরেং লংশিনলক্লিবা মীদু কনানো খঙনীংদুনা য়েতুম মনামুক পিকপা শম্বলগী মখুল অমদগী য়েংই। মশক লাকপা ঙমদ্রবসু মশেং মরাং উই, হিজাব কুপ্পা খূদাং শাংবা সলৱার-কামিজ শেৎপী, লৈশাবী পুংকক ফারবী মুরংনবী নুপীমচা অমা।

ইমান্নবা অমনা তফিং তফিং হংখি,

‘লৈ পরেংসে লাইবক ফবা কনাগীনো?’

‘পাজামা শেৎপদুগীনিনে!!! মীনা তাখিদনবা শোন্থাংননা অনীরক রিপিট তৌরগা খুল্লকই।

অনুমানদা ফাওরকখি, মসি খোঞ্জেলনা প্রেমগী তেন কাপ্লকপনি!

ইমান্নবা কনা পাজামা শেৎকে কোয়য়েং য়েংই। হাফপেন্ট, লুঙ্গি শেৎপঙাক্তনি। পাজামা শেৎপদি ইথন্তা ওইরম্লে।

লৈ পরেং অসি ঐগী তারে খল্লুবদা মথুম মরাঙ হৌম্বা রোমান্তিক ৱাখল অমা পুন্সিদা অহান্বগী ওইনা ফাওরকখি, হরাওবনা লৈফম খঙখিদে।

ইমান্নবশিংনা ফাগি তৌই, ‘ফরহাদগীদমক শিরিন্না খুদোল্লকপা লৈ পরেংনি। অভি অভি ঙকশমদা হুকচিনলোনে ভাই!!!’

মরক মরক্তা তাঞ্জা তাঞ্জাদা লৈ পরেং লংশিল্লকই নূপীমচাদুনা। নুংশিনা লৈ পরেংদু খুল্লগা স্টদি তৌনবা টেবলদা থম্মী। সমাজগী অফা-অপুন্না মসিদগী হেন্না ঐগী তৌফম করিসু লৈখিদে।

মানদি ঐবু উরমগনি! ঐনা মাগী মমিং খঙদনা মমীতনি উখিবা!!! মতম খরা লৈরগা ঐখোয় ইম্ফালদা য়ুম হোংদুনা চৎলে। লৈ পরেংগী ৱা মতম্না কুপশিনবীখ্রে। বোকুল পাম্বীদুসু য়াউনা। অনুতাপকা লোয়ননা।

মীয়াই চল্লবী বাঙ্গালি নুপীদুগী মায়থোংদু মুন্না কুপ্পা য়েংলগা ঐনা নহা ওইরিঙৈদা উখিবা মাগী মমিদুদা পানশিল্লগা শাগৎলি হৌখ্রবা মতমগী নুংশিরবা মপুং ফাবা মীওই অমগী মায়থোং অমা।

মপুং ফারবা মীওইদুনা লংশিল্লকই কাওখ্রবা মতমগী শম্বল ৱাংমদগী, বোকুল পরেং অমা।

নখোয়গী বোকুল পাম্বীদা হৌজিকসু লৈ শাৎলিব্রা?

'শাৎত্রে। বোকুল পাম্বীদু ঐনা লন্ডনদা লাক্লবা তুংদা ইখুড়া অমগা লম য়েন্নবদা মাগী শরুক্তা তাখিদুনা য়ান্থৎখিবা কুইরে।'

থম্মোয়দা তাশোন্না থিম্বগুম তৌখি। অদুবু খল্লি, বোকুলনা লৈমন চনখ্রগসু লৈনমদি মাঙদে, বাদামী মচু কারকপতনি। ❑

# কুতুবুদ্দিনগী খোঙগাও!

১

লামাবাজারদগী ভাতালিগী গলি হেক হাইজিনফম মচিনদা ঐনা তোংলিবা রিক্সোগী ড্রাইভরদা 'অই রিক্সা খারাউ' (রিক্সো খাম্মু) হায়দুনা মী অমনা খংলাউ লাউরকই। মমায়দু পুমঙৌ ঙৌরবা মকোইহ্না পুমকুপ কুপশিনখিবনা মশক, বয়স লাকশিনবা ঙমদ্রে। মকোইদুসু মথবাক য়ৌনা শাংনা খাকই। অঙৌবা টুপি উপশিনবনা মকোক্তু তাঙই তাঙদে, পোক হৌই হৌদে মদু খঙবগী উপাই লৈতে। করি মরম লৈদুনা রিক্সোদু খাম্মু হায়রিবা ঐ হায়রপ ঙকলপ চাখি।

খোল্লাওদুদা ড্রাইভরদু কিবোই খংবোই খংপ্রেক খংনা ব্রেক খংফা ফাই। ফিবম চাদনা ফমলল্লবদি ব্রেক খুৎফাদু রিক্সোদগী ওনথদুনা থরো মারো ওল্লমগনি। সাবধান ওইহৌদবদগী কয়ারকসু রিক্সোদগী তারুরবনি। চহী লৈশিল্লকপনা আজকালশিদা ঐ য়াম্না খুউ-শেন্না রিক্সো তোংই, মহাক রিক্সো তম্না চেনশিল্লকই। তফিং তফিং চেনশিলকপগী মাগী স্পিদদুসু খুতা অমনি, রিক্সোগী হ্যেন্দল ঙাক্তুনা মশাবু ব্রেক ফারমদ্রবা কোইলাসতা তুশিন্দুনা মমায় কোপলমগনি।

শোর থবেৎ থবেৎ হোনলগা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংই, 'বীরেননি?' (বীরেন নত্রো?)

ঐসু মঙোন্দা মুন্না মীৎ কুপ্তবমখৈ য়েংই। মকোই মরাংনা য়োমশিনবা মায়থোংদু নহা ওইরিঙৈগী কুতুবুদ্দিন খরা খরা মাল্লকপগুম তৌই।

'কুতুবুদ্দিননি?'( কুতুবুদ্দিন নত্রা?)

'ওয়বে! ইয়াল্লাহ কতদিন পরে বীরেন তোর লগে দেখা!' (হোয়নে, ইয়াল্লাহ মতম কয়াগী মতুংদনো! বীরেন নঙগা উন্নরিবসে!)। অদুদগী ঐবু রিক্সোদগী কুমথহল্লগা চেচেৎনা কোনশিল্লি। নঙ্গনদা খূবাক্সা পোপ পোপ থায়, অদুগা হন্না হন্না শোনলি, 'ইয়াল্লাহ মতম কয়াগী মতুংদনো! বীরেন নঙগা উন্নরিবসে!'

ঐসু মাবু চেচেৎনা কোনশিল্লি, কোন্না কোন্না খনলি, শিবু শিদ্রবদি অসিনিকো!

নম্ফুদা ভাড়া পীরগা মানা রিক্সো ড্রাইভরদু থাদোকখ্রে। লামাবাজারগী অফবা রেস্তোরেন অমদা পুশিল্লি। মুগলাই খানা অর্দার তৌই। অতাঙবা ব্র্যান্দগী চুরুপ মচৈ অমা লাল্লগা অমুক্তা পুলপ্না খঙনীংনা হংই,

Scanned with CamScanner

'বীরেন তুমি কিলা আছো, কিতা কররাই, কই আছো, কয়টা বাচ্চা?' (বীরেন নঙ করম পানলি, করি তৌরি, কদাইদা লৈ, অঙাং কয়া শুরে?)

'ওনে আমি বিলাইতি। পড়ার লাগি লন্ডনো গেছলাম, ঔ রই গেছি। ইমিগ্রেশন দিপার্টমেন্তো ইন্টরপ্রিটরোর কাম করি। তিন বাচ্চাইন বড় ওই গেছে। তারা-তারার বুজ করিলাইছে। ওখন তারা যার যার পথো। বাবা নাই এর লাগি দেশো আইলাম। তোমার খবর কিতা? বাচ্চা কাচ্চা, কাম কাজ?

(ঐ বিলাইতি ওল্লে, লন্দনদা লাইরিক তম্বা চৎখিবদগী লৈথখিবনি। ইমিগ্রেশন দিপার্টম্যেন্ততা ইন্টরপ্রিটরগী থবক তৌই। অঙাং অহুম্মক মপুজেং পুবা ঙমদুনা মাগী মাগী লম্বীদা চৎনখ্রে। পাবুং লৈখিদবদুগী য়ুমদা লাকপনি, নঙগীদি করি পাও লৈ? নচা-নশু, থবক-ইনখাংদি?'

কুতুবুদ্দিন ঙকপা মাল্লি ঐ লন্দনদা লাইরিক তম্বা চৎখি হায়বদুদা।

'হাছানি! তুই লন্দনো পড়ার লাগি গেছলাই! তে তো তুই বহুৎ শিক্ষিত!' (অওইবমক্কি নঙ লন্দনদা লাইরিক তম্বা চৎপ্রনে! অদু ওইরদি নঙসে য়াম্না লাইরিক হৈবা মী ওইরে)

চুম্মী কুতুবুদ্দিননা ঙক্কা খনলিবদু, ঐ লাইরিক হৈবা মী অমা ওইরক্কনি হায়বদু মানা থাজফম থোক্কে মানা উখিবা খঙখিবা ঐগী চরিত্রগী মতুং ইন্না! অদুদগী মখা চৎথরকই। 'তুমার-আমার কতো মিল দেখলাইনি! মুইও ওনে সৌদিবাসি। মনো আছেনি তোর লোগে যে লাস্ট দেখার কথা? তারপর সৌদি আরব রওয়ানা! মা'র ইনতেকালোর খবর পাইয়া ঘরো আইলাম। কইয়া লাভ নাই বাচ্চা বহুত্তা! তোর লোগে যে লাস্ট দেখার কথা মনো পরলে আমারে গুনাহগার ছাড়া কুম্মা ভাবতাম পারিনা। বীরেন তুই আমারে মাফ করিদিসরেবা!' (নঙগা-ঐগা কয়াদা মান্নখ্রবনো! ঐসু সৌদি ওনলে। নঙগা লাস্ট উন্নখিবদু নীংশিংব্রা? অদুদগী অদুম ঐ সৌদি আরবতা চৎলে। ঐসু ইমা লৈখিদবগী পাও তাদুনা য়ুমদা লাকপনি! হায়দুনা কান্নদে ইচাগী মশীংদি য়াম্মী!' নঙগা লাস্ট উন্নখিবদু নীংশিংলুরগা ঐসে গুনাহগার অমনি খনলুদবা ঙমদে। বীরেন নঙ ঐবু মাফ তৌবীয়ুকো) 'মাফ করবার কিতা আছে! গুনাহর জন্য মাফী চাইবাই আল্লাহর কাছেরেবা! চিন্বা করলে মনে হয় তুমিই আমারে মাফ করতাই কারণ তোমার প্রতি আমার প্রতিশোধ নেয়ার যে ভুল চিন্তা ছিল তার জন্য। তুই তো আমার ফরিস্তা!' (মাফ তৌনীংঙাই করিসু মরম লৈতে। লৈরবসু আলাহ্‌দতনি ঙাকপীয়ু হায়জগবদি! তশেংনদি ঐনা নঙোন্দা লমন খুমগে খল্লুবা অরান্বা ৱাখল লৈখিদবদুগী নঙনা ঐবু মাফ তৌবীগদবনি, নঙদি ঐগী দেবদূত ফরিস্তানি!')

ঐনা অসি হায়বদুদা কুতুবুদ্দিনগী মমীৎ অনীদো লাওথোরকই কেমেরাগী লেন্সকি এপাচারনা লাউথোরকপগুম। মমীৎ অনীদুনা মথক্তা য়েংলগা চিন্তা তৌদুনা লৈখি, মকোয় নান্দুনা শান্নে। মাগী মশক অদু মিস্তিক কনাগুম্বা অমনা আধ্যাত্মিক জগৎতা লৈখিবগী মতৌদুনি! ঐখোয় অনীনা সুম্না মতেক মতেক ৱারী শান্নরিঙৈ কুতুবুদ্দিনবু

সালাম তৌদুনা ফি নান্না শেৎপা মী অমা চংশিলকই, অচৌ-অশাং মানলি। য়াম্না সম্মানগা লোয়ননা মীদুনা তপ্না তপ্না হায়,

'স্কুলোর লাগি আপনে যে দুই লাখ টাকা দিছইন তা ছাত্র্যম্বোর বই আর খেলাধুলার সরঞ্জাম কিনা ওইবো হুনিয়া স্কুলোর ছাত্ররা বড় খুশি ওইয়া কাইল তারা মিলাদোর আয়োজন করছে। আপানার দাওয়াৎ আপনে আইতা মেহেরবানি করিয়া।' (অদোম্না স্কুলগীদমক্তা লুপা লাখ অনী দান তৌবীবদা স্কুলগী ছাত্রশিংনা হরাওদুনা মিলাদগীদমক শিন লাংলি। অদোমবু বার্তন তৌরি চানবীদুনা লাকপীয়ু।

'আলহামদু লিল্লা-হি আল্লাযী বিনি' মাতিহী ওয়া তুতিম্মুছ ছালিহাতি!' (থাগৎ-ৱাহে পুন্নমক আলাহগী ফংফমনি মহাক্কী থৌজালনা অশেংবা নুংঙাইবা হায়বদু মপুং ফাহনলি!!) নুংঙাইবা পাউ অদু তারগা শোনবা লাইশোনসে শোল্লগা মীদুদা হায়, 'কাইল আমি সৌদি আরব যাইমুগিয়া। দেখি সময় পাইলে আইমু!' (হয়েং সৌদিদা হল্লনি অদুবু মতম কাইথোকপা ঙম্লবদি লাক্কনি।)

মফি নান্না শেৎপা নুপাদু থোকখিবগা কুতুবুদ্দিননা ঐঙোন্দা হায়, 'কাইলয়ু সৌদি আরব যাইমুগিয়া। আর কুনদিন দেখা ওইবো আল্লাই জানে। তোমার লোগে আইজকু দেখাটা আল্লার মেহেরবানি।' (ঐ হয়েংমক সৌদি আরবতা হনলনি, কৈদৌঙৈ অমুক উন্নবা আলাহনা খঙই! নঙগা ঙসি উন্নবসি আলাহগী মেহেরবানিনি!)। অদুদগী মাগা-ঐগা লাস্ট উন্নখিবদুগী ৱাদু হৌদোক্কদবগী তৌই। মতাঙসিদা ঐখোয় অনীগী অমাঙবা-অমম্বা পুন্সিগী অধ্যায় অদু হাংদোক্কুনা ৱারী শান্নবা পামখিদে, ঐনা অতৈ নুংঙাইবা ৱারীদা থৈদোক্লবা, 'সৌদি আরবোর কিৎছা হুনিরেবা!' (সৌদি আরবকি ৱারী খরা তাগে লিউ), ঐনা হায়। 'আমি আনপড়, সৌদি আরবোর ইতিহাস ওতোটা জানিনা। যতটুকু জানি, ইসলামের সর্বশেষ্ঠ দইটা মসজিদের দেশ সৌদি আরব। আল্লার মেহেরবানিতে তেল আছে, গরীব মানুষ নাই। গরীব মিশকিন আমরার পয়সা কামাইবার দেশ সৌদি, ইতা ছাড়াও হজ্জ করার লাগি সৌদি আরব গেছি আর থাকিগেছি! (ঐদি লাইরিক হৈতবা মীনি সৌদি আরবকী ইতিহাস ফজনা খঙদে। সুম তাজবা খঙজবদা ইসলাম ধর্ম্মগী শেংলবা মসজিদ অনীগী দেশনি সৌদি আরব। আলাহগী থৌজালদগী থাও য়াম্না থোকই, লাইরবা মী লৈতে, লাইরবা চাক্লি-ফিনিবা ঐখোয়গী শেন তানফমনি। অদুগীসু মথক্তা হজ্জগীদমক সৌদি আরবতা লাকখিবদগী সুম লৈথখিবনি।)

'তুমার দাড়ি-মুছ, বেশবাস দেখিয়া পয়লা মনে ওইছিলো তুমি একটা মিদল ইস্টোর মানুষ, কিন্ত তুমার হাউক হুনিয়া বুঝিলাইছি তুমি দেশি বান্দা।' (নঙগী নকোয়নরাং ফিজেৎ লাকচেৎ উবদা অহানবদা খনলি নঙসে মিদল ইস্টকি মীনি অদুবু নঙনা লাউরকপদু তাবদগী ভাব তারে নঙসে দেশি মচানি হায়বদো।)

'আমি কিন্ত দেখিয়াউ চিনিলাইছি তুমি বীরেন। তুমি ওতো গুড়িয়ানা আর ওতো উচা মানুষ, তমারে একবার দেখলে কেউ ভুলেনা, বজছোনি! তার উপরে তুমি ওইলাই

নাকপেচা মনিপুরি! হা হা হা!' (ঐদি নঙবু হেক উবদা বীরেননি খঙলে। ঙৌখ্রবা-ৰাং চাওখ্রবা নঙগুম্বা মীবু অমুক্তং উখিবদা কাউখিগদৌবা মী লৈতে, খঙব্রা? অদুগীসু মথক্তা নঙদি নাতোন নম্বা মৈতৈমচানি! হা হা!)

মোগলাই খানা চানা চানা মতম অমগী খঙন-চান্নখিবা মীওইশিংগী মরমদা পাউ হংদোক হংজিন তৌনৈ। বাংলাদেশকি হৌজিক্কী রাজনীতিগী মরমদা ৱারী শানৈ। মা শাউরপ তৌই, 'আফসুস, লেমটন জালাইয়া খুজিয়াও একটা ভালা সৎ রাজনীতি ওয়ালা পাইতাই নাই! পাইবাই বেইমান, মুনাফাখুর, ফক্কিকার, ঠোগচুর! এর লাগি আম্মা'র কুলখানির পরই ভাগতেছি। বেশিদিন থাকলে পাগল ওই যাইমু!! (নুংঙাইতবদি, থাউমৈ চমখৎতুনা থিরবসু পুকচেল তিংবা, অফবা রাজনীতিৱালা অমত্তা থিবা ফংলোয়, ফংগনি, হুরান-চিন্থিবা, শেন্দোই চাবা, ফক্কিকার!! অদুনসু ইমাগী সোরাৎ লোইবগা হৌদুনা চেনলিবসিনি, কুইনা লৈরদি ঙাওদুনা চৎকনি!)

গ্রীস লৈবাক্কী আলেকজন্দার দ্য গ্রেটকি মতমদা দায়োজিনিস কৌবা সিনিক ফিলোজোফরদুনা নুংথিন পোবোপতা থাউমৈ থান্দুনা লমচৎ ফবা, পুন্য লৈবা কনাগুম্বা অমা ফংগদ্রা হায়দুনা ঙাওচৎননা থিবদু কুতুবুদ্দিনগী ৱাহৈশিংসে তাবদা নীংশিংলকখি।

চাবা থকপা লোইরগা আল্লাহনা থৌজানবিনবা দো'আ অমা শোল্লগা ঘড়ি য়েংই।

'নামাজোর সময় ওইগেছে। গুসশা করিওনা বীরেন! দো'আ করিস্ আবার দেখা যেনো ওই! (নামাজগী মতম য়ৌরে, শাউনু বীরেন, প্রার্থনা তৌ অমুক উন্ননবা) হায়রগা বিদায় লৌখি।

ঐনা পুন্সিদা কাউবা ঙম্লরোইদবা মীশক অমনি কুতুবুদ্দিন। আলহাজ মোহাম্মদ কুতুবুদ্দিন!!

জ্বারগী নিশা তমথীনা চুরবা, নুপীনহাদা ওক্তবা, লোনচোপ ঙাংবদা মপা লৈত্রবা, ফুনা চৈনবদা মকোক থংবা কুতুবুদ্দিননি। লৈকায়নসু, মমা-মপানসু কয়ারক তাম্থোক্লবনি লীদুনা-তমদুনা লোইবা নাইররোয় মাগী ৱারী।

মানা চৎখবদা ঐনা খনলি, মসিনা সুক য়ৌনা দানধর্ম্ম চেনবা লাইনীংবা মী অমা ওইরক্কনি হায়বদু হৌখিবা মতমগী কুতুবুদ্দিনদা মমি মচেৎ অমা ফাওবা উবা ফংখিদে! অদুবু মীওইবগী পুন্সিবু খঙবা ঙমবগী শক্তি ভগবান ফাওবদা লৈরমগনি থাজদে!! মাগা-ঐগা লাস্ট উন্নখিবদু নীংশিংলি। মানা মাফ তৌবীয়ু ঙাকপীয়ু মা পাপী গুনাহগারনি হায়বদু ঐঙোন্দা তৌখিবা অন্যায় অমগী প্রায়শ্চিৎ তৌবগা লোয়ননা মশাবু চুমথোক্লবা হোৎনবনি খনলি।

ভাতালিদগী নোংপোক পাংনা খরা চৎলগা নরসিংটিলা কৌবা উ-ৱা কূংনা হৌবা চীং মচা অমা লৈ। নোংমা চীংদুদা ঐখোয় জুৱার শান্নৈ। মী অশিবা ফুম্ফম কবরনি হায়দুনা কিনরিবা মফমনি। অদুবু ঐখোয়গীদি তত্তনা জুৱার শান্নফমনি। অকি তুজুংবা লৈতনা মফমসিদা মীনা-শানা উদনবা জুৱারদা হৈজিল্লবা জুৱারী ঐখোয় নিয়ম নাইনা

হৌনরগা জুৰার শান্নবা লাকই। নোংমা ঐখোয় মী তরেৎ নিপাললোম চীংদুমদুগী তেমথোকপা লৈমায়থক্তা ফমদুনা জুৰার শান্নে। ঐগা খঙনবদি জুৰারী খরতনি, অতৈনা জুৰারী অমনা অমগী খঙনবা জুৰারী পুশিন্নরকপা জুৰারী ঙাক্তনি। মতমদু মেট্রিক পরীক্ষা হৌদৌরে।

পরীক্ষা পুন্নমক্তগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পরীক্ষানি মেট্রিক পরীক্ষা। অদুনা ছাত্রশিংনা লাইরিক পাবদা দিস্টার্ব ওইদনবা সিলেট সহরদা রিক্সোগী মন্দিলা খীংবা ফাওবা থিংলম্মী, পুমচিক চিকপজাৎনি !

ঐসু অমুক ফেল ওইরবা মতুংদা অমুক হন্না মেট্রিক পরীক্ষা থাদৌগী তৌরি। তৌরি হায়বতনি লাইরিক পাদুনা পরীক্ষাগী প্রেপরেশন লৌবদা পুকনীং চঙবা সুকঙম ঙমদে জুৰারগী নিশানা, নুমিৎতু পরীক্ষা হৌবগী নোংমা মমাংনি, কন্না জুৰার শান্নরি। শান্ন শান্ননা হয়েংগী পরীক্ষাগী ৰাখলসু খনলি। ইমানা হায়, ‘হন্দক্কা অমুক ফেল ওইরবদি টেক্নিক্যেল স্কুলদা থাগনি। য়োৎতেক থাংতেক শুবগী বিদ্যা তমহনগনি !’ অদুবু নিশাদি নিশানি। পুক্লিং নুঙনাংনরবসু শেন মাঙলবসু অদুম জুৰার শান্নে। পরীক্ষা লৈকো হায়দুনা ফুক হৌগৎলগা লাকপসু ঙমদে। ঙমদবদুদা ইথন্তা মরুম মরুম শোল্লি, ‘গুল্লি মার তোর পরীক্ষা !!’ (থোকঅবা অমা থোক্লসনু, পরীক্ষাকা নৰা লৌদে !)

নাক্তা ফম্বা কুতুবুদ্দিন ঐনা মুরুম মুরুম শোন্বদু তাখি। মখা চিকলগা খানা খানা য়েংলকই। ‘কাইল তোর পরীক্ষানি ?’ (হয়েং নঙগী পরীক্ষারা ?)

‘ওয়বে !? (মানি !)

‘যাগীরেবা ! যাগীরেবা ! (চৎখ্রো, চৎখ্রো !) ফন্না হায়জে, তাশিন্নদে ঐনা। শেন মাঙবগী মাথা শারিঙে মানা চৎখ্রো, চৎখ্রো হায়রকপদো শাউনীংখি। ‘উবাউ, যাইমুনে, বেশী মাতিসনা, চুপ বেটা !’ (ঙাইখো, চৎকনি, ৰা য়াম্না ঙাংগনু, তুমিন, লৈয়ু !)

অদুদগী লুঙ্গী তাখৎলগা অরোয়বা থাক্কি আকামপেৎ ঙাংল ঙাংলদুনা ঐগী থবাক্তা খোঙপাক্লা কাওথরগা তাস মুনখি। ঐ থরো মারো ওনলি, য়াম্না ফোর্স লৈবা খোঙগাওনি মতা চারমদ্রবদি চীংথক্তগী ওস্থরমগনি।

থবাক নানদুনা ঙাইহাক স্বোর শান্নে, খুৎ হনগে খল্লমবনি অদুবু মাগী ফি ফি লাউবা ফিবমদু বিশ্বামিত্রগী মর্ত্তি ওইনা উখি। ‘ওনো যদি তোরে আর দেখি, জানে মারিলাইমু ! (মফমসিদা নঙবু অমুক উরবা, নথৰায় লৌনি !)

মাসে শাথিবা, ওক্তবা গুড্ডানি ময়াম্না খঙই। মাবু কিবদগী ঐগী মীচং চংবীনবা কনা অমত্তা থোরকখিদে। ময়াংশিংগী মরক্তা ইথন্তনি মৈতৈমচাসু। পোরোক পোরোক চাক্তুনা তকশি শোন্দুনা লৈখি, নঙবু অমুক্তংদি শোয়দনা লমন খুমগনি য়েংউ হায়দুনা ৰাশকখি ঐনা লাই খুরুমখি, মসিতা শিখ্রসনু কুষ্ঠি থুংদুনা, মীনা হাতোকপীদুনা, এক্সিদেন্ত থোক্তুনা। য়ুমদা হল্লক্লগা তৌনীংঙাই, মতম লেন্নীংঙাই করিমত্তা লৈতবদুদা লাইরিক ফাক্তুনা শান্নখি। ইমানা য়াম্না মথৰাই নুংঙাইজনা লৈখিবা নুমিৎনি।

Scanned with CamScanner

ঘৌনাদুদগী জুবার শাকুবা চৎত্রে, কুতুবুদ্দিনগা অমুক হন্না উন্নখিদ্রে, ঐগী পুন্সিদা অহোংবা অমা লাকএ। জুবারগী নিশা লৈনা লৈনা জুবার শান্নখিদ্রে, লাইরিক পানীংবা গোম্মলে। লাইরিকলোমদা মায় লৈশিনদুনা অনৌবা জগৎ অমা শাগৎখি। অদুদগী কলেজ লোইশিল্লগা নোংমা বিলাত য়ৌখি।

ময়ক ময়ক্তা কুতুবুদ্দিনগী রা নীংশিংনুরগা মাগী খোঙপাক্কী তমথীবা মকাওদু অদু অনুভব তৌই। চৈনাখোল খাওদে! হনলি, ঐগী ইথবাক্তা য়েক্লম্বা মাগী পদচিহ্নদু ভৃগুমনিগী পদচিহ্নগী অহেম্বা চিহ্ন অমনি। পদচিহ্নদু নাল-নালগা শোনলি, ঐগী পুন্সি খোঙচৎতা ওকবা-ওনাহ চেম্বা লেনদুত, ফরিস্তা কুতুবুদ্দিনগী দো-আ-আশীর্বাদনি!!! ❑

Scanned with CamScanner

# কা-ইতেনগী মমা

‘অহল লমন লঙনবা, লাইবু লঙনবনি, কপ্পসু নংই, খঙউ অঙাংশা ! লাইরিক খরা তম্লুরগা ঐ মঙাইরে হায়দুনা অপরাধ ওইবা ৱা পংহায় হায়বদু হায়হৈদেকো ! নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক-সন্ধ্যাদা খুরুমজরিবা লাইনে, হে পাপী হৌনদেনে !’

অসি হায়রগা ঙৌদোং পকপা মমিৎ জোরাদুনা খানা-খানা য়েংলকই কা-ইতেনগী মমানা (কাকা জীতেনবু ঐখোয়না ‘সুম হায়না কৌই)। অদুদগী ঐখোয়বু থোমগদৌবগী মাগী লিরবা লীগী চৈশুদু মারকই। ফম্মাঙদা লৈবা চৈশুদু শিংলিতা ঙাইরবা শোল্লবা মখুৎতুনা মাৱক্লবসু লাম্বা ফংখিদে। মশামক্তা ওইনবগুম খুবাকমুক পাকপা উনশাদা খামদেকপা চহীগী অমুবা দাগনা পীক থল্লবা মমায়দু লৈথোক্লগা ফুঙ্গা লাইরুদা য়েংদুনা লৈখি।

খোইদৌ থিৎনা শাউবা মানলি, সুক শাথিনা শাউনি থাজরুদে। মমিৎ জোরাদু ঙৌদোং পক্লমদ্রবা, মাগী মীৎয়েংদুনা ঐখোয়বু ফাওরেং লেংলমগনি !

কা-ইতেনগী মমা শাথিনা হনুরে। ফমেনদা কৌনা ফক্কী মথক্তা অমোৎপা ফনেক খোংদাইনা তূবা মোম্পাক্তা কূন্দুনা লৈরকপসু কুইরে, মশাসু পৎলে। কনাগুম্বা অমনা শৌবিদ্রবদি মথন্তা পুরা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদ্রে। মশা শোনবদুনা শাউগনবসু হেল্লে, নিঙাইসু কল্লে। ইমুংগী মীনা হোৎনবদা ৱারবা মতৌনি, নারিবা মশামকসু য়াম্না ৱাজরবনি। অবোক মপান থোক্কে, অমুক্তং তাঞ্জা-তাঞ্জাদা ঐখোয়বু উরগা নিবগী ভঙ্গীদা হায়জে, চিংখৎলুবা, কোল্লগা নীঙ্গাং ফমহন্দুনা পর্মানেন্তলি খিনবা লৈবাক্কি চফুদুদা মপান থোকহল্লি। ইকাই-ইকাই-হঙোয়বা হায়বদু ফাওদে কন্নাদসু। সেবাগী শেংলবা ৱাখল হায়গদ্রা, কাউখি হঙোয়বা ঙাইহাক্কী ওইনা। পেঞ্জদুনা মহাক্লা বোর পী, কুইনা পুন্সিয়ুকো ইশুশা !

‘খোঞ্জাইবুড়ি, নঙদৌনা কুইনা হিংদুনা কৈদৌদোইনো ? ফাগি তৌদুনা অঙাং লক্লবগুম লক্লবী। অহল ওইরক্লবা মীদি অঙাংদৌনা তৌই, লঙনবদা নুঙাই।

খোঞ্জাইবুড়ি হায়বসে কা-ইতেনগী মমাগুম্বা শাথিনা হনুরবী মীওইদা ঐখোয় লৈকায়গী মীতনা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। কনানা করম্বা মতমদা আবিষ্কার তৌরম্বনো ঐখোয় হায়বা ঙমদে। বাংলাগী ফুঙ্গাৱারী ‘ঠাকুরমার ঝুলি’দগী লৌথোকপা ৱাহৈসু ওইরম্বা য়াই, খঙদে।

‘খোঞ্জাইবুড়ি, নঙদৌনা কুইনা হিংদুনা কৈদৌদোইনো হায়বদু ফাগি ওইরবসু শিব-হিংবগী অরোইবা হিসাব লোইশিনবা মতাঙ য়ৌরক্লবা কা-ইতেনগী মমা খুমদনা তুমিন্না

Scanned with CamScanner

তরঙদা য়েংদুনা লৈখি। 'হা কৃষ্ণ' শোল্লগা স্বোর শাংনা হোল্লি। শিব-হিংবগী মরমদা কা-ইতেনগী মমাগী ৱাখলনা করি খল্লিবা মদু খঙদে। করি ৱাহং-পাওখুম হুন্দুনা শান্নরিবা মদুসু খঙদে। তৌবতবু সংসারগী মায়া থাদোকনিংদবগী ইঙ্গিত অমদি পীরকপগুম তৌই, শাংনা হোনবা স্বোরগী শাবুং শাবুং মনিলদা।

কা-ইতেনগী মমা মপুন্সিদা বস-কার-ট্রেন তোংখিদে। ইঞ্জিনগী মখোল তারগা 'ঈঙ্গিলা-পিঙ্গিলা' কায় হাই। হায়বদি শাথিনা পাখৎপগা লোয়ননা মিহুন চেনখৎপনি। মসি মানা শেমদোকপা ৱাহৈনি।

মহাক রিক্সো ফাওবদি তোংখি হায়, ঐখোয়দি উহৌদ্রে। মদুসু কদাচিৎ মপাম চৎপদনি হায়নবকাসু য়াউই। অদুবু মানা রিক্সো তোংলগা মপাম চৎখি হায়বসে থাজবা মী থোইনা লৈতে। মপামসু ঐখোয় লৈকায়দগী খোঙনা চৎলগা পানা খিলি মতপ অমা লোইফাত্রিঙৈদা য়ৌব লম্বীনি। কা-ইতেনগী মমানা মঙানি চাক্কৌবা চারুবা মতুংদগী মপামদা অমুক হন্না চৎখিদে হায়না মীয়াম্না হায়নৈ, মীরোন অমনি! চরিত্র অমনি।

নহানমখে ফাগি তৌদুনা লঙনবিরসু ঙসিগী সুমহাইনা শাউখিবা লৈখিদে। য়ানি মচাশা হায়রগা নোকঅগা তোকখি। খুবাকমুক পাকপা মমায় মচাদুনা নোকখিবা খুনোক অদু কয়াদা নুংশি কয়াদা চম্মি, ঐনা চিত্রকার ওইরম্লবা 'কাউঙম্লোইদবা-খুনোক' থোল্লমগনি। মোনালিসাদগীসু হেন্না ফাওরমগনি!

ঙসিদি মাগী নুংশিরবা খুনোক অদু অমুবা মাইখুম অমনা কুপশিনখিদুনা শক্লোন অমা ওনখিবগুম তৌই।

কা-ইতেনগী মমাগী নুংশিরবা স্মৃতি অমসু লৈ। তালক য়েংলগা পাখোঙ চন্নসি হায়রকপসে শোয়দ্রবনি। মাদি পাখোঙ চনবি শান্নসি হায়রক্কনি। মথোং চাদবা নোকনিংবা পাখোঙ কয়া চন্নদুনা শান্নে। মহাক্না চল্লকপা পাখোঙগী মনুংদা খ্বাইদগী পামজবা মরু ওইবা পাখোঙ অসিনি, 'কোৎলগা কোচি তিংলগা তিংখাক করিনো?' মানসু অদুম হন্দোকচে, 'খঙদ্রো খজিং হায়বনে!'

কা-ইতেনগী মমাগী খজিং মথৱায়নি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা মান্দোপ পুখ্রীদগী ইন থাদুনা লোং খোল্লদুনা ঙা ফাবা মতমদা খোলোই (তৃঙ্গোন) অমা পায়রগা চৈশু শুর শুরদুনা লাক্কনি খজিং লৌদৌগী, অতৈ ঙা অমত্তা লৌরোয়, লেম্নদি লৌদে। খুজোক মশীং থীরগা খজিং মমলদু পী। মতমদুগী পৈশা অনী-মরিদগী হেনদে। অঙাং ঐখোয়গী ওইনদি য়ামখ্রবা শেলনি। পৈশাদুনা মুড়ি, খজুর চিনি লৈরগা চাই। ইমান্নবা খরদি তুমিন্না বেড়ি লৈরগা থকই। মতমদুদা ঐ বেড়ি থকপা হৈত্রি। পাবুংগী হিদাক হানবা মতমদা গুলগুলি হুক্কাদি (হিদাকফু) মরক মরক্তা চিংদুনা শান্নখি।

কা-ইতেনগী মমানা হায়, 'খজিংদি বোরা হৌবা য়াই, য়েনম-মোরোক অতেকপগা ঙৌরগসু য়াই। অনানবগা খজিং কিশি কিরগা থোংবদুগী মহাউদি করি হায়রুনি। শমসু শম্মি, ঐদি থোংলগবু চারি কনা অমদি হিংনা থুম মোরোক নম্লগবু চানরি-পোৎনি।'

Scanned with CamScanner

কা-ইতেনগী মমা অন্ধবিশ্বাস অমগা লোয়ননা য়ান্না লাই থাজজবা হনুবীনি। মাগী লৈখিদ্রবা মপুরোইবনা স্বয়ং মুরুলিধারী কৃষ্ণগী দর্শন ফংখি হায়বগী ওইথোকত্রবা থাজবসু চে-চেৎনা থল্লিবা হনুবীনি।

মাগী সিধা-সরল মপুরোইবনা ফংখিবা কৃষ্ণগী দর্শন অদু লৈকায়গী জুৎ চাদবা পাখং মচা খরনা শান্নবা লীলানি। মপুরোইবনা নোংমা সন্ধ্যাৰাইরম দশনামি আখড়াদগী ময়ুম পাংনা হল্লকপদা লৈকাইগী জুৎ চাদবা পাখং খরনা বিষ্ণুপ্রিয়াশিংনা তাবা খুঙ্গং মাছিমপুরদগী রাসলীলা শান্নবগীদমক ৰায়রকপা কৃষ্ণগী পোষাক অদু মী অমবু শেৎহল্লগা মাগী মমাং তুবৎ শন্না চৎখ্রগা মহাক্না তৌরক্কদৌরিবা লীলাদু য়েংনিংদুনা তৌবা ওইরম্লে।

অদুবু মপুরোইবগী ওইথোকত্রবা লীলাদু কা-ইতেনগী মমানা অচুম্বনি সত্যনি, পোকচমনগী পুণ্যনি খল্লগা শিখি। মপুরোইবনা লাই উনরে হায়বদু কা-ইতেনগী মমানা মরক মরক্তা ঐখোয়দসু থওইনা লীরগা তাহল্লি। মাগী অচেৎপা বিশ্বাস অদু অরানবনি হায়দুনা কনামত্তনা চুমথোক্লবা তৌবীখিবা লৈতে।

অনীমক কলিগী সিধা-সরল অহল ঙাক্তনি। লাল্লবসু পুণ্য ওইবা পোৎশক্তা কলিগী সিধা-সরল অহল অনিনা সম্পূর্ণ থাজবা থম্বসিসু শেংলবা থাজবা অমনি। চুম্মি-লাল্লি মদুগী ব্যাখ্যা থম্মোয়গী ব্যাকরণদা লৈতে। এন্তোন পি চেকোভনা হায়রম্মী, 'ম্যান ইজ হোয়াট হি বিলিভস'।

অমত্তং পোকচবা মচানূপা জীতেনসু মমা-মপাগী গুণদু লৌই। লাইনি খঞ্জবা ষণ ফূরুবদগী বস ড্রাইভার ওইবা তোকখি। হৌজিক্তি গনেশ্বরগী জোগালী ওইনা তুলসিমালাগী উরিক, লুগুন, চন্দন অসিনা মশাপুম্বা লৈতেংলগা উ শুবা চৎলি, প্রায়শ্চিৎ তৌবা ওইনা।

কা-ইতেন্না বস ড্রাইভারগী থবক থাদোকখিবসি মহাক্কী হেন্দিমেন ওইরম্বা হরিনা সুন্না তম্মি, গোয়ালাবাজারদগী শেরপুর পাংনা পেসেঞ্জর পুরগা লাকপদা খুঙ্গংগী খুখ্রবা কচা লম্বীগী ময়ায়মক্তদা ষণ অমা কুন্দুনা লৈরম্মি। থৈদোক্তুনা চৎপগী উপাই লৈতবদুদা বস খাম্বা তাখি, বগল লৌবদি তরাইথোক্লি। থৈনবা য়াবা মফম অমদা বস খান্নরগা বগল লৌনরিবনি লম্বীদুগী মতাদুনা।

কুল্লম্বা ষণদুসু মহাগী নাতে চাদবা মনা কনবা কতনলাইচুবা ষণগী জাৎ ওইরম্লে। হোর্ণ খোঙলে তাশিন্নদে। মমৈ পায়দুনা চিংখৎলে-ইল্লে লেংদে, থৌশা ৰাশাবিদে।

গাড়িগী বোনেটতা য়েরুমগী ওমলেট হৌনরিবা কালেনগী প্রোক প্রোক চাক্লা শারবা নুংশা মতাসিদা ষণদুগী মতৌদো ষণবু লাইনি খনজবা কা-ইতেন্না শাউমনখিদুনা মখা চিক্লগা, 'ষণ নঙবু ষণ কৌবসি চুম্মিকো, মুসলমানশিংনা নঙবু জবাই তৌদুনা চাবদো চুম্না নত্তে! নরমচৎসিননি...ষ...ণ!' হায়রগা ড্রাইভিং সিটতগী ফুক হৌগৎত্তুনা ষণদু তম্না চেনশিনখিবা মতমদা পেসেঞ্জরশিংনা মাবু তান্নখি। কা-ইতেনদগী হেন্না শাউবা পেসেঞ্জর কয়ারোম্না লমহেনবা ষণদুবু তাহৎলগা লম্বীগী চিদাইদা থম্বীরম্মি। মতাঙদুদা

Scanned with CamScanner

হরিনা হায়জে, 'উস্তাদ, থুনা থৌবীরো যণদুগী মপু থোরকত্রিঙে, যণদুগী মমিৎতু করিনোমা তৌহৌই।'

জুলাই ১৬, ১৯৬৯ দা তাইবং মীনা থা য়ৌরে হায়বা ওনথোক্না ঙকনা থোকপা পাউসি তাদবা মী লৈত্রবনি। তাইবং মীনা থা য়ৌরে হায়বগী মহুত্তা থা জয় তৌরে হায়বসু য়াওনরি। ধর্মদা ময়াই কাবা ধর্মদা মীৎ তাঙলবা মীনদি পাউ অসি নাস্তিকশিংনা শন্দোকপা তোকঙানি হায়না অকনবা প্রতিবাদ তৌনরক্নি। মালেমগী অয়াম্বা মীনদি অঙকপা থৌদোক ওইজরবসু থাজদবদি ঙমদে। 'ঘটনা সত্য, শাক্ষি দুর্ব্বল' (থৌদোক্তি চুম্বা, শাক্ষিদি শোনবা) হায়বদুনি।

ইশুং ইমান্নবা হিরেন, ননাতোন, অনিল ঐখোয় খরনা শুদ্ধভাব অমদা, তাইবংমীনা থা য়ৌরে হায়বা অঙকপা পাউসি কা-ইতেনগী মমাদা তমজরুবতনি মহাক্না পাউসি তাজরগা য়াহিপ তানজখ্রবসু, বিজ্ঞানগী জ্ঞান অমদি পীবিরে, উপকার মচা অমদি তৌবীরে, অসি খন্দুনা! হাতেমতাই শানীংদুনা নত্তে।

মতাঙসিদনি ঈশ্বরবু নিন্দা তৌবা ওইনা থোক্লুবনা মহাক্না অরোয়বা অশাউবগী অন্ধি য়ৌখিদুনা, কনাইকা শিরগা শি, শোল্লবা মখুৎতুনা লিরবা লীগী চৈশুদু মারগা ঐখোয়বু থোমগে তৌরকপদো।

থাদি সমুদ্রমন্থন তৌবা মতমদা লক্ষীগা লোয়ননা পোকপা থবি লোইদাম্বনি, লাইনি। কায়মনোবাক্যে থাজজরিবা (থৱায়-হকচাং-পুক্নীংনা) লাইদুবু লঙনবা ওইনা থোক্লুরে কা-ইতেনগী মমাগী দৃষ্টিদা।

ইকুই কুইহৌদে নুমিৎ অদুগী নুংদাংদা লৈকায় ৱা-ৱা লাউনরে, 'কা-ইতেনগী মমা মশা নুঙাইতে, চাক-ঈশিং লোইশিনবিরো!'

লৈকাইগী চৎনবী মতুং ইন্না পালি তাবা ইমুংগী মীনা য়ুম য়ুমদা শীংলুপকি শেন খায়বা লাকই, ৱাকোংদি অয়াম্বগী লৈ। শেন পীবা ঙমজদবনা ৱা য়াল্লগা পী, বীরগী মখুৎতা ইমানা লূপা অমা পীখি।

নরসিংটিলাগী মনাক্তা চেল্লিবা তুরেল মচাদুগী তোববন্দা পোৎলোইবা মতমদা, অনিলনা ঐঙোন্দা হংঙি, 'মীওইবনা থা য়ৌরে হায়বা অঙকপা পাউদুবু কা-ইতেনগী মমানা থাজনা লৌখিরমগদ্রা, মাগী অরোইবা মীকুপ্তা মানা করি করি ৱাখল খলমগনি?

মাগী অরোয়বা মীকুপ্তা মানা করি করি ৱাখল খলমগনি, তাইবংপান থাদোক্লমদাইদা করম করম্বা লাই খুরুমলমগনি!!...... ঐঙোন্দা মদুশিংদু খঙনীংবগী খৌরাংবা লৈখি অদুবু......

'শিরমদাইদা অশিবা মী ওইখিগদৌবা মীদুনা করি খল্লগা শিখিবা মদু খঙবা ঙমবা অর্ন্তজামি ঐ নত্তে!!! ঐনা শিরগা হায়গে,—'

চিতাদা চাক্লিবা মৈরিরোমদা য়েংলগা ঐনা খল্লি, 'কা-ইতেনগী মমানা ঙসিমক শিখিবসিগী দাই খরদি ঐখোয়না পুফম থোকপ্রা!!! ❑

# লীহৌদ্রবা ৱারী

কম্পোর অমা ইল্লগা হিটরদা মৈ তিক্লা তিক্লা ১৯৭৪ গী অরোইবা মীকূপ অদু ঙাইরি। হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদু রের্কোদ থুগাইবমখৈ ইংখি অদুদা ভিক্টোরিয়ান মতমগী হিটরসি মাগী ল্যেন্দলেদি মিসেস লোরনানা নুংশিনা দান তৌরকপনি। মল্লবা মশা হোপ হোপ লাউরবা প্যারাফিন্না চাকপা হিটরসিদগী মৈশা ফজনা ফাওরক্তুবনা কম্পোর থাদবনি। লেন্না ফংবা ষণদি ময়া য়াউদে হায়নবদুমক্লি হায়রগা মথন্তা নোকচৈ। টেবলদা খিনলিবা ঘড়িমচাদুদা মতম য়েংই। ইস্ট লন্দনগী ব্রিকল্যেন্দ কৌবা মফমদা নোংমাইজিংদতা ফস্বা সানদে-মার্কেট'তগী এলার্ম য়াওবা অমনবা ঘড়ি মচা'সিমসু মতম মশীং থীরা থীরগা চৎলি হায়বতনি, রোয়েল গ্রীনীচ ওবজরভেটরীদা লৈবা মতম চপচানা পীবা ঘড়িনি হায়দুনা দুনিয়ানা ফোলো তৌনজরবসু মৰা লৌবীদে। ফ্রি কন্ট্রিগী মীগুন্না ম্নাগী ঘড়ি মনীং মখা তন্না চৎলি। ঘড়িসিগী মথৌ হায়ববু এলার্ম খীংদুনা মাবু খঙহনবতনি। কয়ারকসু শাউরক্তুনা দসবিনদা লংশেকতৈ তৌরুরে, পাম্মুরক্তুনা তোকখি।

অনৌবা চহীনা মঙ্গল পুরক্কনি হায়বগী আশা চহী খুদিংগী তোই। আশানা কৈদনুংদসু মাগী মঙ্গল পুরকখিবদি লৈখিদে। মঙ্গল পুরকত্রবসু অনৌবা চহী লাকপা খুদিংগী মঙোন্দা শিবগী রিমাইন্দার পীরম্মী হায়বদুদি মা খঙই অদুবু শিদ্রিবা কৌবনিনা চহী খুদিংগী নুমিৎসিদা লাইবক্লি লাইরেম্বীগী মফমদা সি'মতং নীজবদি তোক্তে, "অনৌবা চহী হৌবা খুদিংগী মঙ্গল ওইগনি হায়না নুংঙাইবগী মঙজবা মঙ অদু ঐঙোন্দগী মুনবীনু!"

হাকুম অসুঙৈ মতমদা 'টটেনহাম বার'দা এমেলী ব্রউনীংগা 'বীগ বেন' ঘড়িগী শরীক্লা তরানীথোইরক খীংলকপা ফাওবা অরোইবগী ওইনা কোকটেল চিংমীন্নরম্মী। বীগ বেনগী মখোলনা অরোইবা চহীবু বিদাই পীরগা অনৌবা চহীবু তরাম্না ওক্কবা ঙাইবা পূংজা খরদুদা মতম লেম্বা ওইনবরা নত্রগা তশেংনা মাগী পারী-পুরীগী মরমদা খঙনীংদুনরা অরোইবগী ওইনা এমেলীনা তখৎলকপদু নীংশিংলকই। লীশিং লখারক তখৎতুনা হংখ্রবা ৱাহংনি এমেলীগী।

'নঙসে বাংলাদেশীনি হায়বদায়, অদুগা করিগী বাংলাদেশী অতৈগা শক-চপমান্নদ্রিবা? এ্যকচুয়েলি নঙগী মরমদা ঐঙোন্দা অঙকপা ফংনা খঙনীংবা য়াম্না লৈ। নঙসি সোলভ তৌবদা ৱারবা ক্রোসবার্দ পাজল ওইনা লৈরে। হয়েংদি ঐ য়ুমদা হনলনি নঙ খঙইদনা! খরদং ওইরবশু লীরো!

Scanned with CamScanner

'এমেলী; নঙগী নমা নপা, পারী-পুরী কনানা করিনো ঐ পূন্নমক্কী ৱারী তারে। নঙসে রেসপেক্তবল ফেমিলীদগী লাকপনি ঐ খঙই। ঐগীসু নঙোন্দা লীফম থোকপনি অদুবু ঐগী মরমদা হায়নীংঙাই তমনীংঙাই ওইবা মচাক করিসু লৈতে! তশেংনমকি করিসু লৈতে। সিমপ্লি বাংলাদেশতা পোকপা মৈতৈমচানি ঐ। 'এমেলীদা হন্না হন্না হায়খ্রবা দায়লোগ অসিনা ঙসিসু পাউখুম পী। মপুরুিংদদি খনলি, অরোম্বা-অচোপ্পা অপরাধগী ৱারীদি শংবায় থন্না লৈ, অমত্তং পনলবদা, লন্দনদা লাকখিবসিসু ইমপোস্বার অমগুম্ননি। খঙনা-চান্নবা বাংলাদেশী ব্রিটিশ সিটিজেন অমগী পাসপোর্টতু মৎলগা মাগী ফোটো নপশিন্বা 'কলাকাটা পাসপোর্ট পায়রগা ইংল্যেন্দা চংলকপনি! অতৈসু লৈ মদু তমথোক্লবদি পুলিসপু বার্তন তৌবা ওইগনি।

ফোটো শিন্দোকঅবসু মিং মাগী নত্তে। হৌজিক অসলি মিংদা মাবু কনামত্তনা কৌবীদ্রে! নকলিদুনা অসলি ওইখ্রে। মসি অমরোমদা কৃ পানি খনদোক্লগা হিংলবোয় খনলি, মরমদি লৌবীনি হায়দুনা তাৎ তৌরগা মাঙহন্নবীরম্লবা নুপী কয়ানা মাবু থিবা ফংলরোয়! এমেলীনশু খঙবা ঙম্লরোয় প্রেমিককি অভিনয় তৌবা মাগী তশেংবা মিং কৈদৌনুংদসু।

অসিগুম্বা মীতাগী মীনবু এমেলীনা কোতো তাক্লবসু মক্লবা মপুন্সিৱারী লীরগা তাহনগনি হায়বদু থাজফম থোক্তে। মাগী নুংশিহৈতবা থম্মোয়নসু পার্মিট পীখিদে।

মাগী হন্না হন্না রীপিট তৌবা পাওখুমদু তাবদা এমেলী য়াম্না শাওখি। অদুবু ইমোশন্না নমহৎপদি ঙমখিদে, মসিনি এমেলীগী ফজবা। মাগী মখুৎ পায়রগা এমেলীনা মুন্না য়েংই। 'হায়নীং-হায়নীংদবা, তমনীং-তমনীংদবা অদু নঙগী এফেয়ারনি। অদুগা-ৱা'সিমতংদি হায়রমগে, তশেংনদি নঙগী থম্মোয়দা কায়ন-থুংনবা নপশিন্নবা ক্রেজি গ্ল লৈতে।'

মহৈ মশিং তম্বা লোইরদুনা হয়েং এমেলী অস্ট্রেলিয়াদা হনখ্রনি। চহী অমরোমগী ফ্রেন্দশিপনি। মহাক্না অমুক হন্না উন্নখিগদ্রা উন্নররোইদ্রা মদু খল্লুবদা থম্মোয়দা নুংঙাইতবদি ফাওই অদুবু গতি লৈতে।

শরীক্লা খীংবা লোয়বগা 'হ্যেপী ন্যুইয়ার, সো লোং' হায়রমলগা এমেলী ব্রাউনিং চৎখি। চৎলমদায়দা অনৌবা চহীগী খুদোল ওইনা চুম্বন মচা অমদি পীরম্মী।

"Good Night, Good Night! Parting is such sweet sorrow, that I shall say Good Night till tomorrow."

শেক্সেপীয়রবু শোনলি মানা।

১৯৭৪ গী অরোইবা নুমিৎনি ঙসি।

পুং অনীরোম ৱাৎলি ১, জানুৱারী, য়ুমশকৈশ, ১৯৭৫ হৌগদৌবা। গ্রহ'সিগী নিয়ম মতুং ইন্না শুন্যদা তিনখ্রনি ১৯৭৪। তৌবতবু স্মৃতি খরবুদি থম্লমগনি, অয়াম্বা শরুক্তি অদুম থিবা ফংদনা লৈখ্রগনি।

ঙসিদি 'হ্যেপী ন্যুইয়ার' হায়বীনবা, চুপ্পীনবা মথৱায় পান্বা জীবা অমত্তা মনাক্তা লৈতে। এমেলীগী ৱাখল খন্না খন্না মুৎখ্রবা, মুৎখিদৌরবা উচেক-ৱায়াশিংগী মরমদা টি ভি দা 'সে গুদ বাই' কৌবা দকুমেন্তরি য়েংলম্মী। থুক লাউবা সোকিং ওইবা দৃশ্যশিং

উবদুদা ভেজিটরিয়ান ওইনীংবগী ফিলিং লাকখি, টি ভি মুথৎখি, এমেলীগা ৱাখলদা অমুক হঞ্জিনখি।

"ঐগী মরমদা, ঐগী ওরিজিনগী মরমদা নহাক্না খঙনীংদুনা হংবসি ফনা মকুইরে এমেলী। নঙগী ৱাহংগী পোৎলুম থাংবসে য়াম্না ৱারে, তারো খরমখৈ ঙসিদি।"

মাগী পুন্সিদগী মাঙখ্রবা এমেলীদা তাহন্বা ওইনা ৱারিসি মথন্তা লিজে।

"থোক মোক , লৌনম-লৌথুপ, মসিগী ৱারীদি লীররোই, পল্লরোই! ইচিল-ইনাউ তরাগী মনুংদা ঐনা মাপল শুবনি। মমাংঙৈগী ব্রিটিশ রাজগী মতমদা পোকই, ঐগী পুন্সি মহা সংগ্রামগী পুন্সিনি।

ঐগী ইপুবোক্কি মমিং বাবুচান্দ কৌই, কবিরাজনি, আয়ুবের্বদ শাস্ত্র তমদুনা লায়েংবগী কবিরাজ ওইখিবনি।

'বাবুচান্দ কবিরাজ' হায়রগা মহাকপু খঙদবা মী লৈতে। শিনফম'সিদা য়াম্না মীংচৎ লৈবা মীনি। মহাক্না থাবা হীদাকনা ফরোইদবা লায়না লৈতে হায়বসে মতমদুগী সিলেটকি মৈতৈ-ময়াং পুন্নমক্কী বিশ্বাস অমনি হায়নৈ, বাবুচান্দ কবিরাজনা শোকপদতা লায়না লাইথুং পুন্নমক কোকই। লায়না লায়নাগী মতুং ইন্না লফূ তুঙ্গাদা লৈবা তীনথ্রোক, উ মরু-মরা মখল মখা কয়াগী মনামশিং নূঙ তেঙ্গোৎকুস্বা অমদা তক্কুনা হিদাক শেম্মী। হীদাকফূ মহিদা হক্কি ঈশিং লোন্না য়াল্লগা শেম্বা হীদাকসু লায়েংবদা শিজিন্নৈ হায়বগী তোকঙাসু মহাক্কী ইমুংগী থবক ইনখাং তৌবা নোকর-চাকরীশিংনা কৈরোয় লৈকায়দা তমথোকলম্মী হায়না পীকলিঙৈদা নিনফুং-নিনফুং তাখি।

সিলেটতা এ্যন্টিবয়োটিক পেনিসিলিন য়ৌরকত্রিঙৈদা ইনফেক্সন ওইদনবা মহাক্না ৱাগী থৌরবা মকূনা স্কলপেল ছুরিগুম শীজিন্নদুনা মাইনর ওপরেশন তৌবদুসু মহাক্না নৌনা পুথোকপা আইদিয়ানি হায়দুনসু থাগৎনৈ।

মহাক সিলেট টাউনগী সাপম লৈকায় (লালারদিঘীর পার) দা পোকই। পোকপগী চপচাবী শোক তারিখ অদুদি হায়বা ঙমদ্রে। চাউরাক্না নাইটিন্থ সেঞ্চুরিগী ময়ায় চনলকপা মতম অদুৱাইকা ওইরমগদ্রা খল্লি। মসি ঐনা ইতিহাসকি ওইবা য়াবা অনুমান অমদা অংক হোৎলগা শাগৎপা মতমনি। মহাক্না লৈখিদবা মতম অদু বেঙ্গোলগী জমিন্দার 'ভাওয়ার সন্ন্যাসি' হায়রগা হেন্না খঙনবা রামেন্দ্র নারায়ন রায়গী মরমদা ঐতিহাসিক ৱাথোক অমা থোকখি। দার্জিলিংদা লায়েংবা চৎখিবদা শিরে হায়না লৌনখ্রবা মহাক্না চহী কয়াগী মতুংদা সন্ন্যাসিগী বেশ লৌদুনা চাউরাকপা ১৯২০/২১ দা হনলক্কুনা সম্পত্তি দাবী তৌবগী অচৌবা ৱাথোক থোকখিবা মতমদুদগী থংমু-নাউমু ওইগনি।

বাবুচান্দ পোকপা অহল অদুগী মমিং থোকচোম হেরান্দো সিং (হেরানন্দ) কৌই। মহাক্কী অতোপ্পা কৌনবা মিং অনী লৈ। অমনা হাউজৌ অমনা 'থোকচাউ পুরেন'। অকোনবা মিং অসিনি মরু ওইনা ময়াম্না খঙনবদি।

থোকচাউ পুরেন'গী পোক্নফমদি মণিপুরনি। চীংমী খোঙলোয় খরা পুরগা তোংজৈ মরিল ফাওদুনা সিলেটতগী ঙারী তীক্লগা মণিপুরদা য়োন্বা মাগী কারবারনি। নাম লৌরদুনা

Scanned with CamScanner

'লৌখৎ-ঈরুপ্পা'দা য়াউরকপা থোকচোম শাগৈগী ধারানালানি হায়বগী চাওথোকচবা অমরোমদা শাগৈ অসিগী সিলেটতা অহান্বা পান্নাউ শিংনাউ তাহনখিবসু 'থোকচাউ পুরেন' মহাক্নি।

চৎথোক-চৎশিনগী খুদোংচাবা লৈতবনা তোংজৈ মরিল ফাওদুনা মণিপুরদগী সিলেট লাকপদা থা অনী-অহুম চংই হায়, অমুক্তি তালোয় অমা লোয়নরকখি। মহাক মণিপুরদা অমুক হনখিদ্রে। মচামশু পোক্তুনা সিলেটতা অদুম খুন্দাখি, বাবুচান্দগী মচিল মনাউ কয়ানো ঐ খঙদে।

বাবুচান্দ কবিরাজগী তালোয় সিলেট টাউনগী খুনৌ লৈকায়দা (সুবিদ বাজার-নয়াবস্তি) পোকই, মুক্তাবলি দেবী কৌই, য়ুম্নাক কাউখ্রে, খঙদে হায়বনা চুমগনি। মতম অদুদা সিলেটতা মৈতৈশিং য়ুম্নাক হাপ্নরমদে। মশীং য়ামদবনা মীং মান্নবা লৈতবদুদা মীংতা হায়রগা মীশক অদুনি অদানি হায়বদু হেক্তা খঙনরম্মী।

ঙন্তানা মচা নিঙোল থাজনবসি মতমদুগী সমাজিক নিয়ম অমগুম চৎনরম্মী। চহী তরেৎ-নিপাল শুরকপা বয়স অদুৱাইদা মমা-মপানা অমত্তা পোকচবী মুক্তাবলি বাবুচান্দদা থাজখি। থাজরবসু অঙাং ওইমনলি হায়দুনা চহী খরা মপামদা থমখি। মপুং মরৈ ফারগা মপুরোইবগী ময়ুমদা থিল্লকখি।

মুক্তাবলি য়াম্না ঙাউনা হৌরকই। পুখ্রীদগী লোংউপ তানদুনা ঙা ফাবা, খোই চোপ্পা, নূপামচাশিংগী মশান্না থ্রি কাপ্পী, ডাংগুলি (চৈতেক কোৎপী) শান্নবা, কোয়লাঙ লাঙবা অসিনা মাগী মথৌ ওইরম্মী অদুবু লাইহোরিমক্তি নত্তে হায়, ইচম চম্না ঙাওজবীনি।

ৱারী লৈ। খুনৌ লৈকায়গী য়ুম অমদা বাবুচান্দনা লায়েংবা লাকপদা মুক্তাবলি হৈনৌ পাম্বীদা কারগা হৈনৌ হেক্তুনা লৈরম্মী। বাবুচান্দবু উবদা অশংবা হৈনৌ অমা হেল্লগা থোম্মী হায়। অদুগা হা হা নোল্লগা বাবুচান্দদা নোক্রামী (নোক্রেম হাগ্রেম্বা) তৌই, 'হনুবা নঙলা ঐগী নুপা হায়বদু!'

মুক্তাবলি-বাবুচান্দ য়াম্না নুংশি চাননা নুংঙাইনা পুন্সি তোলোইনা পানখি। সাপম লৈকায় খুনৌ লৈকায় হায়রিবসে ময়াংশিংনা খঙবা লৈকায়গী মিং নত্তে, তোঙান্বা মমিং লৈ।

সাপম লৈকায়, মাইমোলশিংনা (ময়াং ঙামী) নম্না তাবা খুঙ্গং ভাতালিগা শম্নৈ। ময়াং ঙামীশিংনা য়াম্না নুংশিনা ইজ্জৎ তৌবা মীনি বাবুচান্দ কবিরাজ। মরমদি মহাকসে মখোয়গী 'সেইবর' হায়না খনলি।

বাবুচান্দ কবিরাজগী মচা তরুকনি, নূপা মরিগী মখাদা নূপী অনী। অনীশুবা মচাগী মাপলশুবা মচানি ঐ।"

এলার্ম ঘড়িমচাদুগী অয়াকপা মখোলদুনা চুম্বা-লানবা ১৯৭৪ গী অরোইবা পুংজা তাল্লকই। খংহন্বা অয়াকপা মখোল তাবদগী মাগী ৱাখল অমরোমদা ফৈখি। সেমপেইননা হ্যেংওভরগী মাত্রাস হাইগৎহলকখি। অনৌবা চহী হৌবা খুদিংগী মঙ্গল পুরক্নবা নীজবদুসু কাউথোকখি। ফমুংদা ধম লাউনা হাইথরগা ইনলিবা কম্পোর শুপচিনখি। ❑

Scanned with CamScanner

# দাগ

পাসপোর্টকি এপ্লিকেশন ফোর্মদা কোলম অমা য়াউই, মশাদা লৈবা লাইনা উবা দাগ (রিমার্কেবল ভিজিবল মার্ক) লৈরবদি ফিল্লঅপ্ তৌ। ওহাক মা খঙ্জানে করম্না দাগ হাপ্সিগে।

অঙাং ওইরিঙেদগী মঙাওথীনা হৌরকপনা দাগতি পীক থল্লি। মরাইবক্তা ইনচি অনীমথাইরোম শাংনা শদোং ফক্তোকখিদুনা হকচিন্না দাগ অদুনা খ্বাইদগী মরেক শেংই। খল্লি মদুনা চপচারে হাপ্পদা।

ফিল্লঅপ তৌনা তৌনা মরাইবক্তা তপ্না তপ্না মখুৎ মারকই। দাগকমদু গদ্রক গদ্রক লাউই, নুংঙাইতবা, অৱাবা, শাউনিংবা, কায়নবা, ইকাই-নুংশিবা মরামশিংগী চৈনাখোলনা লয়ি চিংবা গদ্রগ গদ্রগ লাউবা দাগনি।

মমিংতা শং শং উরকই হৌজিক্তা থোকখিবা থৌদোক্কুম হৌখিবা মতমগী থৌদোক খরা।

পাখং-লৈশাবীশিংগী হরাও-থা মৈতৈগী লমতাদনি। নোংমা য়াউশংগী নীনি চনবা নুমিৎকি থাবল ফবা অহিং অমদা লৈকাইগী পাখং-লৈশাবীশিং পুন্না উ-লাউবী (স্বোর তৎক্রিফাও তান্নরগা শোকপী) মশান্নদু শান্নে। নূপীরক্তগী মানা থবায় তাজবী, মানা লাৎচবী অমবু অতপ্পনা তান্নখি।

ঈশ্বরনা পীবা তাঞ্জাসি ওমিদি মাওহন্না য়াদে, শিংরশি চংও চং মঙোন্দা নুংশিবা ফোঙদোক্লগে হায়দুনা ফংনবতা খন্দুনা তুং মাং ওই-য়েৎ য়েংদনা তান্নে। নূপীমচাদুদি মানতা ফংদনবা থেক্কোই থেক্কোই চেল্লি।

ঙরাং ফাওবদা ফজনা হৌহৌবা শম্বক্লৈশিংদু ককথৎলম্লে। মরাইবক্না থীরিবসু ককথৎখিবা শম্বক্লৈগী মশোক্তি মথক্তা খুদি থীদুনা তুশিল্লি। মথোক অমনা শাথিনা মরাইবক খেবাংখি। মরাইবক্তগী চেম্বরকপা ঈথেনো পুনঙাং ঙাংখি। ঈদু উবদা মথন্তা ওহাক জ্ঞান মাওখি। কুম্মৈ য়েংলপ্পা অহল নহা খাক্তনা মতৌদু উবদা ইস ইস হায়দুনা মা তপ্না চেনশিন্নকই। খরনা মকোক্তা ঈশিং থায়। খরনা শনারে মনা খুবাক্তা নোইরগা অশোকপা মফমদুদা থোন্নগা খুদৈনা বেন্দেজ তৌবী। জ্ঞান তারকপা মতমদা মানা মীয়ামদুদা কোয়েং য়েংই। মানা থবায়না খোয়দাজবী মহাক্তুদি মরক্তুদা য়াউরমদে। খল্লি, কয়াদা থম্মোয় কনখ্রবা নূপীনো, থম্মোয়শোক্না নুংঙাইহিদে।

Scanned with CamScanner

নূপীদুনদি অসোমদা মমান্নবী অমদা হায়, শকতাথি অসিনা ঐবুকাসু পামজশারি, লাইনা ৰারকইনি, কল্লক হেক পেল্লি। শিহৌদ্রিসি মরাইবক ফরবনি।

মী অমগী পাউথাংদগী মা তাখি নূপীদুনা অসুন্না হায়খি হায়বদো।

মা খঙই মশক থী হায়বসে। মা কাউদে মাবু রাশি-য়াউদবা-ঙৌদাই-চমফুৎ, য়ারীকাক, থীকনেম্বা, নাতোন মখুল অনীদু নোংমৈগী ব্যেরেলগুম লাউবা, চুকুমবুদাই ( মকন্থি ফত্তবা চাউবং) অমদি হিন্দি ফিল্মগী মৈ সুন্দর হুঁ নি হায়না মাসে ময়াম্না লৱম্বীবদু মথন্তা খোইদৌ থীৎচৈ কন্নাদসু তায়নফম খঙদনা।

অদুবু মাবু পোকপী মমানদি শকতাথী মোয়না হায়বা তারুনু, ইচাগী মতু নামা খেৎথবা ফংবা অমত্তা য়াউদে, ইচানা ইহেন হেল্লি। মমাগী ৰাহৈশিংদুনা মপুক্লীং ফাদবী। মপুক্লীং ফাদ্রবী হুগোগী লা মিজরেরেনা।

নৌনা লুখ্রা ওইহৌবী কুচু শেংনা ঙৌই হায়দুনা অঙৌবী কৌবী মমাগী নাইতোম পোকচবা মচানি। মপাদু মাগা শকমান্নরবসু লাইরিক হৈবশিংগী খুৎ থেকপদা য়াউবা মীওইনি।

ফিলঅপ্ তৌনা তৌনা দাগতুগী মরমদা খল্লিবদু কাউথোক্লবা হোৎনৈ, ঙমদে। মিহুল হুল্লিঙৈ মীওইবগী ৰাখলগী মিহুলসু হুন্বা লেপ্তে। মাগী ৰাখলগী মিহুলসু হুল্লকই।

মানা হৰুচিন্না পামজবী নূপীমচাদু ময়ুম পানখ্রে চিন্থাংদগী তাখি মানা অরাপ্পা সহরদা লাইরিক তম্বা চৎখ্রিঙৈদা পাউদু তাবদা মথৰায় চাকখি। লৈফম-চাফম খঙখিদে। মানা শাগৎচবা নুংশিরবা মঙলান পুন্নমক মাঙখি।

কররম্বা কার্তিক্কগুম্বা মীওই অমগী নূপী ওইখিবনো খঙনীংনা লৈখি। অদুবু অরাপ্পদা লৈখিবনা খঙবা ঙমদনা মতম কুইনা লৈখি। নূপীদুগী মৰা-মপাওসু তাখিদ্রে। লৌনিংউবসু পোকখিদ্রে। মৈচাক অতৈসু হেল্লক্কনি হায়দুনা।

নোংমদি তিথি অমা থোকপদগী মচা পিশক অমা পুরগা মনেম-মকুগী ময়ুমদা লাকপদা মমান্নবা অমনা তাকপদগী খঙনীংনা লৈরম্বা নূপাদুগী মশক উখি। কার্তিকনি খল্লম্বা নূপাদুগী মশকতু হেক উবদা মঙোন্দা লমনখুম্বা ঙম্মে হায়বগী নুংঙাইবা ফাওখি। মানা নুংশিজবী নূপীদুনা তারসনু হায়বগী মতাগুম কল্লক পেন্না মথন্তা হায়জৈ, নঙগী নুপাসিগী য়ামাংগী ময়া চরোংসি'দগী অমত্তংতা কেল্লক্তুনা ইখোঙদা তারবা খোঙবী তুপখিনি।'

কুইনা উন্নরুদ্রবা লৈকায়গী মমান্নবশিংগা উন্নরুবদগী হল্লকপদা মাগী মমানা হংই;

'মঙলেম্বীগী মতৈগা উন্নরব্রা?'

'উন্নদ্রি। উদি উরে।'

নঙনা চৎখ্রগা মংলেম্বী ঐখোয়দা অনী অহুল্লক লাক্লম্মী নঙবু কৈদৌঙৈ লাক্কনি হংলম্মী।

Scanned with CamScanner

'নুংঙাইতে মঙলেম্বীনা মচা পোকপদা লৈখিদবসে।'

মমানা মঙলেম্বী লৈখিদ্রে হায়রকপদুদা মাগী পৃথিবী শেগাক কায়খি। খংশাউ শাউনিংখি পৃথিবীপুম্বগী মথক্তা, অতৈ কনাদা নুংশিনা শাউরুনি খল্লুবদা।

মাগী পুন্সিদগী লাপথোক্লা লৈখ্রবী মঙলেম্বী কৌবী নুপী অদুগী শাবান-শক্তমদু মপুক্লীংনা তাশিন খোমজিল্লি।

শক্তমদু কোয়রাওনবী মীৎতা, ঙারোই শাবান, লেং লেং চৎপা মখোক্কা মতোনগা চপ মান্নবা শমলাংনা য়োম্মী। মীনা হায়নৈ, 'মঙলেম্বী লাই মচামুক ফজে।'

মরাইবক্কী দাগ অদু মাই হন্না হন্না, দাগ অদু অনীথোক্লা খায়দোক্লবোয় খনখি ঙসিদি।❏

Scanned with CamScanner